গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্লান (GPDP) স্পেসিয়েল

জুন-ওগস্ট, 2018

সত্যমেব জয়তে

# গ্রামোদয় সংকল্প

ভোল্যুম II, ইশু 4

ক্কার্তরলি ন্যুজ
মেগজিন অমা
পনচায়তি রাজ,
রুরেল দিব্লপমেন্ট, অমসুং
দ্রিংকিং ৱাতর অমসুং সেনিতেসন
মিনিস্ট্রিশীংনা ফোংবা

## গান্ধিজিগী গ্রাম স্বরাজ লৈঙাক-শাসনগী ৱাংমদা

## খুঙ্গংগী নুপীশীংবু শক্তি পীবা গ্রাম পনচায়ত কি মপান্না

## GPDP না পুন্সি হিংবা লায়হল্লি, মঙ মঙহল্লি নুংঙাই-য়াইফবা খুঙ্গংশীংগী

## পীপল্স ইম্পাৱারমেন্টঃ মোবাইল এপ



“মহাত্মা গান্ধিনা মতম চুপ্পদা খুঙ্গংশীংগী মরু ওইবদা পুক্নিং চিংশিনখি অমসুং ‘গ্রাম স্বরাজ’ গী মরমদা ঙাংখি। খুঙ্গংশীংদা অওনবা অমা পুরকপনা ভারততা অওনবা অমা পুরকহনগনিঃ পি এম মোদি”



# প্রধান মন্ত্রি

## গ্রাম স্বরাজগী মপান্না লৈবাক চাওখৎপা

> লৈবাক অসি ঙসি থাজবনা পিক থল্লি, মসি অনৌবা থাক্তা ৱাংনা কাখৎলি: পি এম মোদি
>
> **15 ওগস্ট 2018**

> খুঙ্গংশীংদা অওনবা অমা পুরকপনা ভারততা অওনবা অমা পুরকহনগনি; জন ধন, বন ধন, গোবর ধন হায়বা অহুম অসিনা ত্রাইবেল অমসুং লৌউবা কম্যুনিতিশীংবু শক্তি পীনবা পান্দম থম্মি:
>
> **24 এপ্রিল 2018**

> মহাত্মা গান্ধিনা মতম চুপ্পদা খুঙ্গংশীংগী মরু ওইবদা পুক্রিং চিংশিনখি অমসুং 'গ্রাম স্বরাজ' গী মরমদা ঙাংখি: পি এম মোদি
>
> **24 এপ্রিল 2018**

> ঐখোয় মপাঙ্গল কনবা অমসুং মশা মথন্তদা মখা পোনজবা ভারত অমা আশা তৌই, চাওখৎপগী ফিভম চেৎপা খোঙথাং অমদা থমজবা লৈবাক অমা, অনৌবা থাক্তা ৱাংনা কাখৎলিবা ভারত অমা; পৃথীবিদা পুকচেল শেংবনি হায়না খঙনবা ভারত অমা পাম্মি। মসিখক্তং নত্তনা, ভারতনা পৃথীবিদা ঙানবসু ঐখোয় পাম্মি - ঐখোয় মসিগুম্বা ভারত অমা শাগৎপা পাম্মি।
>
> **15 ওগস্ট 2018**

> ভারতমচা খুদিংমক মশাগী য়ুম অমা লৈসনু - হাওসিং ফোর ওল। য়ুম খুদিংমক্কি ইলেক্ট্রিসিতি কনেক্সন লৈগদবনি, পাৱার ফোর ওল। ভারতমচা খুদিংমক চাখুমগী মৈখুদ্গী নিংখা তম্বা ফংগদবনি অমসুং মরম অদুননি কূকিং গ্যাস ফোর ওল হায়বা স্কীম লৈরিবা। ভারতমচা খুদিংমক মহাক্কি দরকার ওইবশীং থুংনবা ঈশীং মতিক চানা ফংগদবনি অমসুং মরম অদুননি ৱাতর ফোর ওল হায়বা স্কীম লৈরিবা। ভারতমচা খুদিংমক তোইলেতশীং লৈগদবনি অমসুং মরম অদুনা সেনিতেসন ফোর ওল। ভারতমচা খুদিংমক মখুৎ-মশা হৈগদবনি, মরম অদুনা স্কিল ফোর ওল। ভারতমচা খুদিংমক অফবা অমসুং মমল তাংদবা হেল্থ সার্ভিসশীং ফংগদবনি, মরম অদুনা হেল্থ ফোর ওল। ভারতমচা খুদিংমক শোক-পন্দে হায়বা ফাওগদবনি, ভারতমচা খুদিংমক ইন্স্যুর তৌগদবনি, মরম অদুনা 'ইন্সুরেন্স ফোর ওল'। মন্ত্র অসি ইল্লগা ঐখোয় লৈবাক অসিবু মাংলোমদা পুবা পাম্মি।
>
> **15 ওগস্ট 2018**

# কন্টেন্ট



06 গান্ধিগী গ্রাম স্বরাজ লৈঙাক-শাসনগী ৱাংমদা




15 খুঙ্গং ইস্পাৱার তৌবা সরকারগী রিজোলুসন




32 MoRD দা মোবাইল এপ্লিকেসন

## মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ


| | |
|---|---|
| গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন | 09-11 |
| GPDP না পুন্সি লাইহল্লি, নুংঙাই-য়াইফবা খুঙ্গংশীংগী মঙলান চুমহনগনি | 12-14 |
| খুঙ্গং নুপীশীংবু গ্রাম পনচায়তশীংগী মতেংনা ইস্পাৱার তৌবা | 16-18 |
| মায় পাকপগী ৱারীশীং | 19-20 |
| প্রজাশীংনা শরুক য়াদুনা খুঙ্গংদা পুন্সি হিংবগী মওং হোংবা | 21-22 |
| গ্রাম পনচায়ত দিরূপমেন্ট প্লান | 24-25 |


## মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিরূপমেন্ট


| | |
|---|---|
| চপকা GP | 23 |
| সীদ মাদর মোদেল | 26-27 |
| থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদ | 28 |
| পুন্সি নুংঙাইনা হিংনবগীদমক খুঙ্গংবু পিঙ্ক জোরন্দাদা ওন্থোকপা | 31 |


## মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাতর এন্দ সেনিতেসন


| | |
|---|---|
| মায় পাকপগী ৱারীশীং | 35 |
| নহাক খঙঙব্রা? | 41 |
| ইন্দোরগী খুঙ্গংগী জিলাগী সেনিতেসনগী পাও পুবা মী: চতুর সিংহ-মেদম বতুনি | 45 |
| হন্দক্তা তৌখিবা এক্তিবিতিশীংগী রাওন্দঅপ | 46 |



### এদভাইজরি বোর্দ
সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ
সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিরূপমেন্ট
সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাতর এন্দ সেনিতেসন

### ইদিতর-ইন-চিফ
অমরজীত সিনহা
সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ অমসুং মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিরূপমেন্ট

### ইদিতোরিয়েল বোর্দ
ফাইনেন্সিয়ল এডভাইজর, মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ
জোইন্ট সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিরূপমেন্ট
দাইরেক্তর-জেনেরেল, মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাতর এন্দ সেনিতেসন
দাইরেক্তর (I.E.C), মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিরূপমেন্ট
দাইরেক্তর (I.E.C), মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাতর এন্দ সেনিতেসন
দাইরেক্তর (মেদিয়া), মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ

### পুনশিনবা অমসুং অর্থ হন্দোকপা
জাগরন প্রকাশন লিমিতেদ




08 থোইদোক-হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লুচিংবা অতল বিহারি বাজপাই



36 মায় পাকপগী ৱারীশীং দ্রিঙ্কিং ৱাতর এন্দ সেনিতেসন



নরেন্দ্রা সিংহ তোমর
রুরেল দিরলপমেন্ট,
পনচায়তি রাজ অমসুং মাইন্স মন্ত্রি
ভারত সরকার
ক্রিশি ভরন, ন্যু দিল্লি

# পাউজেল

পনচায়তশীং অসি ঐখোয়গী সংবিধাননা মশক খঙবা ময়াম্না পান্নবা ইনস্টিট্যুসনশীংনি। লোকেল সেল্ফ গোবর্নান্স লৈবগী মরমদি মীচম প্রজাগী ফংফম থোকপা হক ঙাকপনি। পনচায়তশীংদা সংবিধাননা পীবা দায়ত্বদি লম অমগী প্রজাশীংনা এক্তিব ওইনা শৌগৎলগা শেল-থুমদা চাওখৎনবা অমসুং সমাজিক ন্যায় পুরক্লবা স্কীমশীং শেম-শাবনি অমসুং পানশিনবনি। লোকেল সেল্ফ গোবর্নান্স মায় পাকপা হায়বসি অরোইবা মমৈদা লেপ্পিবা মীশীংনা শরুক য়াবা অদুখক্তংনা ওনগনি হায়বা চুম্মি। মিৎয়েং অসিদা, গ্রাম পনচায়ত দিরলপমেন্ট প্রোজেক্ত (GPDP) হেন্না ফনবা শেম্নবা অমসুং মদুদা নাগরিক অমমম অমসুং খুদিংমক শরুক য়াহন্নবা, ভারত সরকারনা গান্ধি জয়ন্তিগী থৌদোক অসিদা 2শুবা ওক্তোবর, 2018 দগী অকনবা পীপল এরয়ারনেস কেম্পেন অমা হৌরগনি। মসিগী আশা চাওবা কেম্পেন অসিগী মখাদা মথং চহীশীংগী GPDP পাক-চাওনা শেম-শানবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মিনিস্ট্রিশীংগী মরক্তা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা এক্সন প্লান অমা শেম-শাগনি। কেম্পেন অসি 31 দিসেম্বর, 2018 ফাওবা চৎথগনি। পনচায়তশীংনা মখোয়গী মনুংগী অমসুং মপানগী রিসোর্সশীং ফজনা মেনেজ তৌনবা অমসুং খুঙ্গং অদুদা লৈরিবা মীশীংগী অয়াবা লৌরগা অমসুং পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা গ্রাম পনচায়ত চাওখৎনবা প্লান অমা শেমগনি হায়বা ঐখোয় থাজে অমসুং তৌনবা হায়জরি। GPDP গী মখাদা শেম-শাবা প্রোজেক্তশীংনা মরম ওইদুনা খুঙ্গং অসি সমাজিক ওইনা অমসুং শেল-থুমগী ওইনা য়াইফবা ওইগনি হায়বা ঐহাক থাজে। GPDP গী মেদিয়মগী মতেংনা ঐখোয় লৌউ-শিংউবা, ওল্টরনেতিব ইনর্জি, ঈশীংগী মেনেজমেন্ট, সেনিতেসন, স্কিল দিরলপমেন্ট অমসুং অতোপ্পা মরি লৈনবা ৱাফমশীংগী এরিয়াশীংদা অনৌবা থবক-থৌওংশীং অরাপ্পা খুঙ্গংশীংদা পুবা দরকার ওই।

মসিগী মতাংদা ফজনা থৌরাং তৌরগা অমসুং ৱাখল ফজনা থাদরগা মেনেজ তৌবনা শক্তি লৈবা অনৌবা ভারত অমা শেম্বদা মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইগনি। য়ুম্ফম ওইবা মন্ত্র **'সবকা সাথ সবকা বিকাস'** গী মখাদা, খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশীং লোইনমক চাওখৎপগী মেনস্ট্রিমদা শন্নবা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দম্নি। মীচম প্রজাশীংনা গ্রাম সভা অমসুং গ্রাম পনচায়তকি থবক থৌরমশীংদা মখোয়না শরুক য়াবগী মরু ওইবা অদু খঙলকপা মতমদা লোকেল সেল্ফ গোবর্নান্স সিস্টেম অসি শক্তি লৈরক্কনি অমসুং মপাঙ্গল কনখৎলক্কনি হায়বসি ঐখোয় ময়েক শেংনা থাজে। ঐহাক্না পামজবা অমসুং পনচায়তকি মীহুৎশীং লোইনমক্তা হায়জগদবদি নহাক **'সবকি য়োজনা, সবকা বিকাস'** তা য়ুম্ফম ওইবা পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা GPDP অমা শেম্নবগীদমক নহাক্কি মমল নায়দ্রবা শরুক তম্বিদুনা, এক্তিব ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা অমসুং হরাও-হরাও শরুক য়াবিদুনা জাতি অসি শাগৎপদা নহাক্না তৌবা ঙম্বা মথৈ শরুক য়াবিয়ু।

জয় হিন্দ।

(নরেন্দ্র সিংহ তোমর)



রাজ মন্ত্রি
মিনিস্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর
এন্দ ফারমর্স ৱেলফিয়ার
মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ
ভারত সরকার

# পাউজেল

মীচং মীখায় নায়দবা অমসুং মীশীংগী মরক্তা চপ মান্নবদা য়ুম্ফম ওইবা সমাজ অমা লিংখৎপগী ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী সংবিধানদা ময়োল ওইনা য়াওই। ৱাখল্লোন অসি পানশিন্নবা, সংবিধানগী 73শুবা এমেন্দমেন্টনা পনচায়তি রাজ ইনস্টিট্যুসনশীংবু হন্না শক্তি পীবা অমসুং লৈঙাক শাসন ফহনবতা নত্তনা সধারন প্রজাশীংগী দরকার ওইবা অমসুং আশা তৌজবশীং থুংননবা দিল্লপমেন্ট প্রোজেক্তশীং শেম্নবা, পানশিন্নবা অমসুং সুপরভাইস তৌনবগী দায়ত্বসু পীখ্রে। 'গ্রাম পনচায়ত বিকাস য়োজনা' (GPDP) অসি মীয়াম্না শরুক য়াবা প্রোজেক্ত অমা ওইনসু উই। মসিগী মপান্না, গ্রাম পনচায়তনা গ্রাম সভাগী মেদিয়মগী মতেংনা খুঙ্গংগী তঙাই ফদবা ইনফ্রাস্ট্রকচর লৈনবা লোয়ননা অচৌবা নম্রগা অপিকপা দিল্লপমেন্ট প্রোজেক্তশীংগী প্লানশীং শেম-শাবা য়াই।

হৌজিক্কি কেন্দ্র সরকার অসিনা 14শুবা ফাইনান্স কম্মিশনগী রিকোমেন্দেসনশীং পানশিন্নবা পনচায়তশীংনা পামজবগী মতুং ইন্না মখোয়দা থাঙ্গৈশেংবা শক্তি পীথখ্রে। হান্নদি এমাওন্ট অসি জিলা, ব্লোক অমসুং গ্রাম পনচায়তশীংদা পীরম্বনি, তৌইগুম্বশুং 14শুবা FC গী রিকোমেন্দেসনশীংগী মতুং ইন্না, মসিগী শেল শরুক য়েন্থোকপা অসি গ্রাম পনচায়তশীং খক্তংগীনি। 14শুবা FC গী রিকোমেন্দেসনশীংগী মতুং ইন্না, গ্রান্ত অদু ফংগে হায়রবদি গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্রোজেক্ত শেম শাবা অসি তৌদবা য়াদবা অমা ওইহল্লে।

স্কেল অমসুং চেলেনজশীং অসি তুংগী শাংনা য়েংলগা, ঐখোয় GPDP দা ক্বালিতিগী ওইনা অহোংবা পুরকপা দরকার ওই অমসুং নুপীশীং ইম্পাৱার তৌনবা অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশীং য়াওনা লেপ্পা লৈতনা চাওখৎপা পুরক্লবগী পান্দমশীং খন্নরগা GPDP শেম শাবা দরকার ওই। GPDP কান্ননিংঙাই ওইনা পানশিনবনা খুঙ্গং অদুদা চাওখৎপা পুরকপদা নত্তনা থবক তৌনবগী খুদোংচাবশীংসু শেমগনি। প্রোজেক্তশীং পানশিনবদা ফজনা য়েংশিন্দুনা অমসুং হাবি-জাবি য়াওদনা থবক শেংনা তৌদুনা, লাইরবা হন্থহনগনি অমসুং সিক্ষা, হেল্থ, সেনিতেসন, থক্লবা ঈশীং, ন্যুত্রিসন, ফূদ সেক্যুরিতি, সস্টেনেবল লাইবলিহুদ, হাওসিং, ইলেক্ত্রিসিতি, জেন্দর ইক্বেলিতি অমসুং সোসিয়েল জস্টিসকি পান্দমশীং থুংবদা লাইগনি।

14শুবা ফাইনান্স কম্মিশনগী গ্রান্ত শরুক য়েন্থোকপা অদুনা ভারততা খুঙ্গং চাওখৎপা পুরকপগী মওংদা মরু ওইবা অহোংবা অমা শেমখ্রে, গ্রাম পনচায়তকি পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা অমসুং ফজনা প্লান তৌবা দিল্লপমেন্টকি লম্বী অদুগা চপ মান্ননা। রাজ্য সরকারশীংগা থবক তৌমিন্নদুনা GPDP মশীং হেন্না শেম শাবদা ঐখোয়গী পনচায়তশীংনা মায় পাক্লিবসি পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী ফলনি। 'সবকা সাথ সবকা বিকাস' অমসুং 'সাফ নিয়ত সবকা বিকাস' গুম্বা পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা অমসুং লোইনমক য়াওবা দিল্লপমেন্টগী মতাংগী মন্ত্রশীংদা মমাংগী চহীশীংদা থবক তৌখিবগী ঐখোয়গী এক্সপিরিয়েন্সতা য়েংলগা, GPDP বু হেন্না শক্তি লৈহন্নবা শেম্বা, হাবি-জাবি য়াওদনা শেংনা থবক তৌবা অমসুং মথৌ শংবা মতম ওইরে। হেন্না ক্বালিতি ফবা গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্রোজেক্ত ওইহন্নবা অমসুং প্রজা হেন্না শরুক য়াহন্নবা, ভারত সরকারনা 2শুবা ওক্তোবর, 2018 দগী 31শুবা দিসেম্বর, 2108 ফাওবগী মতম অসিগী মনুংদা কেম্পেন অমা তৌগনি। ভারত সরকারগী মিনিস্ট্রি অমসুং দিপার্টমেন্ট তরানিপালগী স্কীমশীং পানশিন্নবগীদমক মসিগী আশা চাওবা প্রজাবু খঙহন্নবগী কেম্পেন অসিদা, পুন্না থবক তৌমিন্ননবা এক্সন প্লান অমা শেম শাগনি অমসুং অনৌবা ভারত অমা শাগৎনবা পান্দম অমগা লোয়ননা মসিবু মায় পাক্লা পানশিনবা ওইহন্নবা নখোয় লোইনমক পনচায়তকি মীহুৎশীং ওইনা শরুক য়াবিনবা ঐহাক হায়জরি।

খ্বাইদগী অফবা নিংজবগা লোয়ননা

(পুরুশোত্তম রুপালা)

# গান্ধিগী গ্রাম স্বরাজ লৈঙাক-শাসনগী ৱাংমদা



‘স্বরাজ’ হায়বা ৱাহৈ অসি ভারতকি নিংখা তম্বগী আন্দোলনগী মপুম ওইবা শরুক অমা ওইখি অমসুং তোঙান-তোঙানবা মতাংশীংগী মতুং ইন্না অর্থ হনখি। ইরৈবাক পানজবা অমসুং ইশানা শাসন তৌজবা হায়বসি রাজনিতিগী লুচিংবশীংনা হন্না হন্না হায়খিবা ময়ান্না খ্বাইদগী খঙনবা অর্থশীংনি। তৌইগুস্বশুং মহাত্মা গান্ধিগীদি স্বরাজ হায়বসি রাজনিতিগী ৱাফম অমদগী হেন্না অর্থ চেল্লি।



**ম**হাক্না হিন্দ স্বরাজ ইবা মতমদা, 1909 দা জহাজ অমা তোংলগা, ভারতনা দরকার ওইবদু তোঙানবা স্বরাজ অমনি হায়বা মহাক ময়েক শেংনা খঙখি - মশামক্কি মথক্তা নিয়ম পানবা, মশানা শাসন তৌজবা ফংদ্রিঙৈদা ফাওবা। মসিগী ৱাখল মতা অসি মহাক্কি স্বরাজগী ফ্রেম অদুদগী কৈদৌঙৈদা থাদোক্তুনা চৎখিদে, মদু গ্রাম স্বরাজ ওইরবা ফাওবা। মহাত্মা গান্ধিনা শাগৎচবা মঙলান অদুনা সমাজদা অমগা অমগা মান্নবা, কম্যুনিতিশীং চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা অমসুং শিনফম খুদিংমক ইজ্জৎ পীববু মসিগী পাক চাওরবা অমসুং মখল মখল খায়দোক্লবা লৈবাক অসিগী মীশীংগী মরক্তা লৈবা লাপ্নবশীংগী থোং শাগদবা হোংদনা মতম চুপ্পা লৈহৌরগদবশীং খক্তং ওইনা কন্না পল্লম্মি, ভারতমচাশীংগী পুক্লিংশীংবু ঐখোয় অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী অনৌবা মওংদা শরুক তম্নবগী তৌনিংবা তৌবা য়াহন্নবা ওইনা।

গান্ধিনা মখোয় মশাগী লনাই শাসন তৌজবা অদুম ওইনমক অতোপ্পা খুঙ্গংশীংগা লল্লোন-ইতিক অমসুং পীথোক-পীশিন তৌনবদা অমনা অমগী মখা পোন্নবা খুঙ্গংশীংনা শাবা ভারতকি মপাঙ্গল কনবা স্ট্রকচর অমা উখি। ভারত অসি হকচাং ওইরবদি, মসিগী কায়াৎ অমমম মশা ফগদবনি। মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা, খুঙ্গংগী মীশীং ইজ্জৎ লৈনা হিংবা য়াহন্নবা খুঙ্গংশীং মোর্দর্নাইজ তৌগদবনি অমসুং মথন্তা মতিক চানা ওকচবা ওইহনগদবনি। মসিমক্লি পি এম নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টতা ইহান হান্না ৱাঙাংবা মতমদা হায়খিবা - মহাক্কি ৱাহৈ খুদিংমক হিন্দ স্বরাজগী মনম নমদুনা। মোদিনা হায়রম্মি গান্ধিগী মতুং ইন্না মশামক্কি মথক্তা নিয়ম পানবা হায়বগী অর্থদি লমচৎ-শাজৎ নাইবা অমসুং মী অমনা তৌবা থবক অমদা জাতিগী খনবা অদুনি।

মশামক্কি মথক্তা নিয়ম পানবা হায়বসি লনাই মীওই অমদগী লৈবাক অপুম্বদা চেন্দুনা শন্দোকই। অমমম্না মদুনা তৌবা ঙম্বা অমসুং ইজ্জৎ লৈবা পুন্সি অমা ফংই। খ্বাইদগী পিকপা খুজিং অদুনা মীওই অমা ওইরগা খ্বাইদগী পিকপা রাজনিতিগী অমসুং শেল-থুমগী খুজিং অদুনা গ্রাম নত্রগা খুঙ্গং অমা ওইগনি। লল্লোন-ইতিক, সিক্ষা অমসুং মশা মথন্তা মতিক চানা ওকচবা মখোয়শীং অসি নুংগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লগা ওইহনগনি। মীশীংগী মখুৎ-মশা হৈজবা অদু পুক্লিং থৌগৎকদবনি অমসুং মখোয়শীংবু সিক্ষা পীবদা পুক্লিং চংগদবনি। মখুৎ-মশা হৈবা মী অমগী মচানুপা অদু চরা তান্নবা হৈশিংবা লৈগনি অমসুং অতৈ-অতোপ্পা সিক্ষাসু অহেনবা অমা ওইনা ফংহনগনি। তেক্নোলোজিনা থবক হেন্না ফংহনবা ওইগনি থবক লাক্তুনা লৌখিগদবা ওইরোই। মসি দিসেন্ত্রেলাইজেসনগী মোদেল অদুনি, নিংখা তম্বা ফংলবা মতুংদা ঐখোয়না থুনা থাদোকখ্রবা লম্বী অমা। গান্ধিনা মপাঙ্গল কনবা খোইরাগী স্ট্রকচর অমা উরম্মি খুঙ্গং অমমম্না অতোপ্পা ময়ামদা শম্নরগা অমসুং



সহরশীং খরা খক্তংনা মোর্দন দিব্লপমেন্টকি নোদশীং ওইরগা।

ঐখোয় তোঙানবা লম্বী অমদা চৎখ্রে। সহরশীংগা য়েংনবদা খুঙ্গংশীং থওইখিদ্রে অমসুং সহরশীং অদু অদুম চাওবা হেনগৎখিদুনা খুঙ্গংশীং অদু চাথোকখ্রে। সহরশীংদা য়ুম হোংখিবনা খুঙ্গংশীংদা হৈ-শিংবা মী লৈত্রে অমসুং থিওরিগী জ্ঞান অমসুং দিগ্রীশীংনা মখুৎ-মশা হৈবশীং মুৎহনখ্রে। লৌমি অমগী মচানুপানা BA দিগ্রী লৌরবা মতুংদা সহরদা লাক্লে শিন্নীগী পুন্সি অমা লেনগদবা ওইরবা ফাওবা, মিংচৎ থীবা পুন্সি অমা সহরদা লেনগে হায়না য়ারে খুঙ্গংদা ইজ্জৎ লৈনা শিন্নীগী পুন্সি লেনবগী মহুৎতা। মদুনা থোকহনবা চরাংনবা অদুনা ভারতপু হৌজিক ফাওবা নৈশিন্দুনা লৈরি। মদুগী হৌরকফমদি শিনফম খুদিংমক ইজ্জৎ পীবা ৱাৎপা অদুনি।

য়ুমদা থবক শুবগী ইন্দস্ট্রি, মৈহৌরোনগী মখুৎ-মশা হৈবশীং অমসুং খুঙ্গংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দস্ট্রিদা ফোকস তৌবা গান্ধিগী গ্রাম স্বরাজদগী ফংখি তৌইগুম্বশুং মখোয়শীং অসি চেদা ইবগী ৱাংমদা থাঙ্গৈশেংনা কৈদৌঙৈদা চৎখিদে। GRAM তপ্পা তপ্পা মরায় চায়থরকপা অদুনা ভারতপু মখা তানা মশা মথন্তা ইকাই খুম্নজবা হস্তরকপগী সাইকল অমদা চিংথখি। মসি মহাত্মা গান্ধিনা 1946 তা মহাক্কি তুংগী শাগৎচবা মঙলান অমা শন্দোক্লা তাকখিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবনি:

“নিংখা তম্বা অসি খ্বাইদগী মখাদগী হৌই...খুঙ্গং খুদিংমক মশা মথন্তা হিংজবা ঙম্বা অমসুং মশাগী থবক-থানা মেনেজ তৌজবা অদুগুম্বা সমাজ অমা শাগৎকদবনি... মপান্দগী লান্দারকপগী ময়োক্তা মশাবু ঙাকথোক্লবগী হোৎনবদা মদু মাংখিবা য়াই হায়না তম্বিগদবনি অমসুং শেম-শাগদবনি...মসিনা অমনা অমগী মখা পোন্নবা অমসুং য়ুম্লোন্নবশীং নম্রদা পৃথীবিদগী মতেং লৌবা য়াদে হায়বা নত্তে। মদু অথিংবা অমত্তা য়াওদনা অমসুং মখোয় মশেল মশা য়ানা তৌনবা অমা ওইগনি... মশীং থীবা ঙমদনা য়াম্বা খুঙ্গংশীংনা শাবা স্ট্রকচর অসিদা, পাক-চাওথোক্তুনতা লৈবা, কৈদৌঙৈদা কাখৎতবা সর্কলশীং লৈগনি। গ্রোথ অদু খ্বাইদগী মতোলবু খ্বাইদগী মখানা হিংহনবা পিরামিদ অমা ওইরোই। তৌইগুম্বশুং মদু লনাই মীওই অমনা ময়ায় ওইবা মহাসাগরগী সর্কল অমা ওইগনি। মরম অদুনা খ্বাইদগী মপান্থংবা সর্কম্ফরেন্সনা মনুংথংবা সর্কল অদুবু চপখায়নবা শক্তি শীজিন্নবা য়াদে তৌইগুম্বশুং মনুংদা লৈবা লোইনমক্তা শক্তি পীগদবনি অমসুং মদুদগী মশাগী মপাঙ্গল ফংগনি।”

ভারতকি খুঙ্গংবু মহাত্মা গান্ধিনা তুংগী ওইনা মঙলান শাগৎলম্বা অদুদা হন্না পুরকপা অৱাবা থবক অমা ওইগনি মরমদি ফিভমশীং অদু হনজিনবা য়াদবা মওংদা হোংখিবগুম তৌরে। ভারতকি খুঙ্গং-সহরগী মরক্তা লৈবা দাইনামিক্স অসি মশক খঙবা য়াবা মওংগী ৱাংমদা হোংখ্রে অদুম ওইনমক খুঙ্গংশীং য়াইফবা ওইরক্লি। খুঙ্গংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দস্ট্রি, মহৈ-মশিং তম্নবা ফেসিলিতিশীং অমসুং খুৎ-শা হৈবদা য়ুম্ফম ওইবা থবক থৌগৎপনা খুঙ্গংশীংবু হৌজিক ফাওবা কনবা ঙমগনি। তৌইগুম্বশুং মসি খুঙ্গংদা লৈবা মীশীংনা অমসুং মরু ওইনা হেন্না নহা ওইবা মীশীংনা মখোয়গী হৌনশাদা মশা মথন্তা ইকাই খুম্নজবা ফাওরবা খক্তংদা ওইথোকপা য়াগনি। খুঙ্গংশীংদা হন্না চৎপা থোঙচৎ অদু প্রজাশীংদা ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইবা পুন্সি অমা পীরবা, মোর্দনিতি অমসুং ত্রেদিসনগী মরক্তা লৈবা ইন্টরফেস অদু ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইবা শেল-থুমগী নুংঙাই-য়াইফবা পুন্সি অমা, খুঙ্গংগী মী অমগী আওতপুত অদু লৈবাক অদুগী পুন্সিদা চুপশিনখিবা মতমদা খক্তংদা হৌগনি। মসিগী ইন্টরফেস অসিদনি মহাত্মা গান্ধিদা হন্না চৎপা তৌদবা য়াদবা অমা ওইরিবসি, মরমদি মহাক্না শিনফম খুদিংমক ইজ্জৎ পীবা, তৌনিংবা তৌনা তৌনা অমনা অমগী মখা পোন্নবা অমসুং অতোপ্পশীং খক্তং নত্তনা নশাবুসু ইকাই খুম্নবগী মরমদা ঙাংখি। মী খুদিংমক্কি মসি লৈরবা খক্তংদা স্বরাজ অসি ফংগনি।♦



**দোক্তর অলোক বাজপাই**
**সাইকিয়াত্রিস্ট অমসুং ক্যুরেতর - মহাত্মাগা লোয়ননা পুং অমা**
**alokbajp@gmail.com**



### থোইদোক-হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লুচিংবা

# অতল বিহারি বাজপাই

ইতিহাসনা অচৌবা লুচিংবা অমা খঙহৌদনা শেমদে। সনাগুম্না ঙান্নবা চেলেনজশীং অমসুং খুদোংথিবশীং ময়াম থেংনবা চংঙি। হান্না প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা অতল বিহারি বাজপাই পরিক্ষা লোইনমক থেংনদুনা লৈবাক্কিদমক মপুন্সি পুম্বা কখোকখিবা অচৌবা লুচিংবা অমনি। মরম অসিনা অতলজি অঙকপা অমনি। ফোরেন এফিয়র্সদা ফজনা খঙলবা মীথোই-মীহেনবা লুচিংবা অমসুং হৈ-শিংলবা এদমিনিস্ট্রেতর ওইবগা লোয়নননা, মহাক ভাব তাবা কবি অমসুং জর্নেলিস্ট অমসু ওইখি। অতল বিহারি বাজপাই রাস্ট্রিয় স্বয়মসেবক সংঘ (RSS) গা শোক্ল-শন্নিনা লৈখি। RSS না জনসংঘ কৌবা রাজনিতিগী মশা অমা লিংখৎখি অমসুং মহাক মদুগী অহানবা চিয়রমেন শ্যামা প্রসাদ মুখর্জীগা লোয়ননা থবক তৌমিন্ননবগী তানজা অমা ফংখি। মদুগী মতুংদগী, মহাক তুং হনখিদ্রে। মহাক মহাক মশাগী মপাঙ্গলদা মমাংলোমদা চংশিন্দুনা লৈখি। অফবা অইবা অমা অমসুং জর্নেলিস্ট অমা ওইবনিনা, মহাক লখনঔদা ফোংবা রাস্ট্রধর্ম কৌবা থাগী মেগাজিন অমগী ইদিতর ওইখি। মহাক লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী চাওখৎপগী মরমদা, করিমত্তা ফংজদ্রবশীং অমসুং অঙাংশীং অমসুং



নুপীশীংগী মরমদা মতম চুপ্পদা পুক্লিং লাংতক্লবা ফাওখি। সমাজিক কারয়াকর্তা, থিংকর, লুচিংবা, কবি, জর্নেলিস্ট, প্রধান মন্ত্রি অমা ওইনা লোয়ননা মীয়াম মমাংদা মহাক্লা মশামকপু মশাগী লোনদা অসুম্না হায়রম্মি - "ঐহাক ঐহাক্কি পুন্সি মপুং ফানা নুংঙাইখি, ঐহাক্লা অপাম্বগী মতুং ইন্না ঐহাক শিগনি, ঐহাক হন্না হল্লক্কনি, ঐহাক থাদোক্তুনা চৎপদ্গী করিগী কিগদৌরিবনো?" অতল জি মীচম প্রজাগী থম্মোয়দা মতম চুপ্পগী লৈগনি মহাক্কি পুক্লিং শুমহৎনিংঙাই ওইবা মোমোন মীনোক, জাদুগী ৱাহৈশীং অমসুং মী পুন্নমকপু নুংশিবা অদুনা মরম ওইদুনা। মহাক্কি য়েক্লবা অমত্তা লৈতে অমসুং মহাক্কি লম্বাশীংনসু মহাক্লা মকোক থোংবা অদু য়াই। মরম অদুননি, অতলজিবু ভারতকি বিদেশতা চৎকদবা দেলিগেসন অদুগী লুচিংবগী দায়ত্ব পীখিবদু, মতম অদুদা মহাক ওপোজিসন পার্তিগী লুচিংবা ওইরবসু। লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি অমা ওইনা, অতলজিনা পাকিস্টান অমসুং চাইনাগা মরি ফগৎননবা অচৌবা খোঙথাংশীং লৌখি। আন্তর্জাতিগী প্রেসর লৈনা লৈনা, মহাক্কি দিপ্লোমেসি অমসুং অচেৎপা নিংবা কনবা উৎতুনা ভারতনা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পোখরনদা এতোমিক চাংয়েং পাংথোকখি অমসুং কারগিল লানদা পাকিস্টানবু মায়থিবা পীখি।♦

## মাইলস্টোন

### প্রাইম মিনিস্টর রুরেল রোদ

অতলজিনা 15শুবা ওগস্ট 2000 দগী সরকশীংগী মতেংনা খুঙ্গংশীং শন্নবা হৌরকখি। প্লান অসিনা খুঙ্গংশীং লাখ কয়া সরকশীংগী মতেংনা শন্নখ্রে। প্লান অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি মী মশীং 500 নত্রগা মসিদগী হেন্না লৈবা (চীংগী অমসুং মরুভুমিগী এরিয়াশীংদা মী মশীং 250 লৈবা) কন্নেক্তিবিতি ৱাৎপা খুঙ্গংশীং মরু ওইবা সরকশীংনা শন্নবনি।

### গোল্দন কাদ্রেঙ্গল

লৈবাক অসিগী অচৌবা সহরশীং সরকশীংনা শন্নবগী থবক অতলজিগী মতমদা হৌখিবনি। কিলোমীতর 5846 গী গোল্দন কাদ্রেঙ্গল প্লান অসি মতম অদুদা পৃথীবিগী খ্বাইদগী চাওবা হাইৱে প্লাননি হায়না খন্নখি। দিল্লি, কোলকতা, চেন্নই অমসুং মুম্বই হাইৱেশীংনা শন্নখি।

### ইদুকেসন ফোর ওল কেম্পেন

ইদুকেসন ফোর ওল কেম্পেন অসি মতমগী ফ্রেম অমগী মনুংদা মী লোইনমকপু প্রাইমারি ইদুকেসন পীবগী পান্দমগা লোয়ননা অতল বিহারি বাজপাইনা 2001-02 দা হৌখিবা ভারত সরকারগী মরু ওইবা অচৌবা প্রোগ্রাম অমনি।

### অনত্যোদয় ফূদ প্লান

2001 দা, অনত্যোদয় ফূদ প্লান অসি তার্গেতেদ পব্লিক দিস্ট্রিব্যুসন সিস্টেমগী মখাদা পোবর্তি লাইনগী মখাদা লৈবা লাইরবা ইমুংশীংদা চৎনহনখি।

# গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন



**নরেন্দ্র সিংহ তোমর**
রুরেল দিব্লপমেন্ট, পনচায়তি রাজ
অমসুং মাইন্স মন্ত্রি, ভারত সরকার

গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন অসি ঐখোয়গী লৈবাক্কি করিমত্তা ফংজদবা অমসুং লাইরবা ইমুংশীংদা ৱেলফিয়র স্কীমশীং য়ৌহন্নবা থোইদোক হেন্দোকপা স্কীম অমনি অমসুং মসি 14শুবা এপ্রিল, 2018 দা ভারত রত্ন দোক্তর ভিমরাও অম্বেদকরগী মপোক নুমিৎকি থৌদোকতা ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা প্রধান মন্ত্রি শ্রি নরেন্দ্র মোদিজিনা লোনচ তৌখিবনি। কেম্পেন অসিগী পান্দমদি সমাজদা চান্ন-চিন্ননা অমসুং মরুপ মপাং ওইননা লৈমিন্নবা, করিমত্তা ফংজদবা অমসুং লাইরবশীংগীদমক লৈবা অচৌবা দিব্লপমেন্ট স্কীমশীং অমসুং ৱেলফিয়র প্রোগ্রামশীংগী মরমদা খঙনবা শন্দোকপা অমসুং কান্নবশীং ফংবা য়াবা মীশীং লোইনমক অদু স্কীমশীং অমসুং প্রোগ্রামশীং অসিগী মনুংদা পুরকপনি।

গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন মনুংদা, স্কীমশীং অদুগী চামা পর্সেন্ত কোভর তৌনবগী পান্দমগা লোয়ননা, লৈবাক অসিগী খুঙ্গং 16.850 দা থোইদোক হেন্দোকপা ইনিসিয়েতিব লৌখৎখি। কর্নাতক অমসুং নোংচুপ বঙ্গালগী খুঙ্গংশীং মসিদা য়াওদে রাজ্যশীং অসিদা মীখল লৈবনা মরম ওইদুনা। প্রোগ্রাম অসি তৌবগী ওইহন্নিংবা মরমদি খল্লবা খুঙ্গংশীং অদুদা কান্নবশীং ফংবা য়াবা মীওইশীং লোইনমক্তা ৱেলফিয়র স্কীম তরেৎ অসি 100 পর্সেন্ত য়ৌহনবনি। প্রোগ্রাম অসি মায় পাকপা অমা ওইহন্নবা, ঐখোয় কান্নবা ফংগদবা মীশীংদগী থবক পুন্না তৌমিন্নবা অমসুং এক্তিব ওইনা শৌগৎপা ফংখি। প্রোগ্রাম অসি লানগী খোঙথাংদা পানশিন্নবা অমসুং মায় পাকপা অমা ওইহন্নবা, খল্লবা পনচায়তি রাজ ইনস্টিট্যুসনশীংগী মীহুৎ লাখ 33, নুপীগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ (SHG) শীংগী মেম্বর ক্রোর 5, বিধান সভা অমসুং পার্লিয়ামেন্টকি মেম্বরশীং, রাজ্য সরকার অমসুং লোকেল বোদিশীংগী ওফিস পায়বশীং অমসুং এমপ্লোয়িশীংনা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌখি।

গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী মরু ওইবা অমসুং মায় পাকপদা মত পীদুনা, ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা প্রধান মন্ত্রিনা অসুম্না হায়রম্মি, “গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী শরুক ওইনা, খুঙ্গংশীংদা মখল মখাগী তীমশীং শেমখ্রে অমসুং মখোয়না কেন্দ্র সরকারগী মরু ওইবা স্কীম তরেৎ অসিগী মপুং ফাবা কোভরেজ তৌহনগনি। ‘আন্দোলন’ অসি সার্ভিসশীংবু কান্ননিংঙাই ওইনা থোঙ্গালদা য়ৌহনবগী অচৌবা খুদম অমনি অমসুং মসিগী মপান্না খুঙ্গংদা হিংবা পুন্সি সহজ ওইহল্লি।” গ্রাম স্বরাজগী মখাদা মী 1000 দগী হেন্না লৈবা খুঙ্গংশীং অদু য়াওহল্লে অমসুং মীশীং অদুগী মনুংদা 50 পর্সেন্ট দগী হেন্না সেদ্যুল কাস্ট তগীনি।

অৱাং নোংপোক ভারতকি রাজ্যশীংগী খুঙ্গংশীংগী মতাংদা মীশীং 500 দগী হেন্না লৈবা খুঙ্গংশীং অমসুং মীশীংগী 50% দগী হেন্না SC/ST লৈবা খুঙ্গংশীং অদু য়াওহল্লে। গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী অহানবা ফেজদা পুন্না খুঙ্গং 16,850 য়াওহল্লে।




14শুবা এপ্রিল, 2018 দগী 5শুবা মে, 2018 ফাওবা ‘গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান - সবকা সাথ, সবকা গাও, সবকা বিকাস’ গী মওংদা প্রোগ্রাম পাংথোকখি। মখাগী কেন্দ্র সরকারগী মরু ওইবা অচৌবা স্কীম 7 অসি য়াওহনখি। (1) প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা য়োজনা (2) উজালা য়োজনা (3) প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা (4) প্রধান মন্ত্রি সহজ বিজলি হর ঘর য়োজনা (সৌভাগ্য) (5) প্রধান মন্ত্রি সুরক্ষা বিমা য়োজনা (6) প্রধান মন্ত্রি জিবন জয়োতি বিমা য়োজনা অমসুং (7) মিশন ইন্দ্রধনুশ



নেস্নেল ইনফোরমেসন সেন্তর অমসুং DRDO না ইফেক্তিব ওইনা লুচিংনবা অমসুং দরকার লৈবগী মতুং ইন্না ইফেক্তিব ওইনা মরক থৎনবা রিয়েল তাইমদা দাতা কেপচর তৌহল্লি। মদুগা লোয়ননা, মোবাইল এপ অমসু দিল্লপ তৌরে।

গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী অহানবা ফেজগী মায় পাকপা অদুনা পুক্লিং থৌগৎলদুনা, সরকারনা গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন (GSA) বু 1শুবা জুন, 2018 দগী 15 ওগস্ট, 2018 ফাওবা মতমগী ওইনা 'এক্সতেন্দেদ গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান' ওইনা পানশিল্লে। এক্সতেন্দেদ গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনদা, অৱাৎপশীং লৈবা জিলা 117 দা মী মশীং 1,000 দগী হেন্না লৈবা খুঙ্গংশীং, মী মশীং 1,000 দগী হেন্না লৈবা কর্নাতক অমসুং নোংচুপ বঙ্গালগী খুঙ্গংশীং অমসুং SC গী মী মশীংনা 50% দগী হেন্না লৈবা খুঙ্গংশীং য়াওহল্লে। মতৌ অসুন্না, মসিগী গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী ফেজদা পুন্না খুঙ্গং 48.929 য়াওহল্লে।

কেম্পেন অসিগী ফেজ অনিমক্কি মনুংদা, মরু ওইবা অচৌবা স্কীম 7 অমসুং কেন্দ্রগী আশা চাওনা তৌবা প্রোগ্রামশীং অসিগী মখাদা অতৈদা য়াওহৌদবা কান্নবা ফংবা য়াবা মীশীংবু পুরকপদা থাজবগী ৱাংমদা মায় পাকপা ফংখি। গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন অমসুং এক্সতেন্দেদ গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন অনিমক্তা, মরু ওইবা অচৌবা স্কীম 7 অদুগী মনুংদা প্রাইয়োরিতি এরিয়া মঙা লেপ্লম্মি। মখোয়শীং অদুদি: সিক্ষা, হেল্থ, ন্যুত্রিসন, স্কিল অমসুং লৌউ-শিংউবা। এক্সতেন্দেদ প্রোজেক্তকি মখাদা হেন্না ফবা ফলশীং ফংননবা, লৌউ-শিংউবদা পাইলোত প্রোজেক্তশীংগুম্বা এক্তিবিতিশীং (খুদম ওইনা: সোইল হেল্থ কার্দ, পল্সশীং অমসুং ওইল সীদশীংগী মিনি কিতশীং য়েন্থোকপা, হোর্তিকলচর নম্রগা ৱাগী চোংখৎলকপা চারা থাবা, অসিনচিংবা) য়াওহল্লম্মি। এক্সতেন্দেদ গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন মনুংদা, মরু ওইবা অচৌবা স্কীমশীংগী চাদা চামা কোভরেজ তৌবগী মায় পাকপা ফংখি।

● প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা য়োজনাগী মখাদা, কেম্পেনগী ফেজ অনিমক্তা 48.28 লাখ অনৌবা LPG গ্যাস কনেক্সন তৌখি অমসুং মদুগী কোভর তৌবগী তার্গেত 100 পর্সেন্ত ফংখি। স্কীম অসি কান্ননিংঙাই ওইনা পানশিল্লগা, ময়াম ঙাইনদুনা লৈরম্বা নুপীশীংদা লু-নানবা ফ্যুল পীবগী থবক অদু তৌখ্রে। মসিনা নুপীশীং অমসুং অঙাংশীংবু মশা-মউ ফনা থম্বদা মতেং পাংগনি। হৌজিক মখোয় চাকখুমদা মৈখুদগী নিংখা তম্বা ফংবতা নত্তনা, শীং থিনবা ঙাক-শেন্দবা মফমশীংদা কোয়চৎ চৎপা তোকহল্লে।

● প্রধান মন্ত্রি সহজ বিজলি হর ঘর য়োজনা - সৌভাগ্য গী মখাদা, খুঙ্গংগী এরিয়াশীংদা লৈবা লাইরবা ইমুংশীং লোইনমক লোয়ননা সহরগী এরিয়াশীংদা লৈবা লাইরবা ইমুংশীংবু লেম্না ইলেক্ত্রিসিতি কনেক্সন পীরে। স্কীম অসিগী মখাদা, তৌরিবা তার্গেততি মখোয়গী য়ুমশীংদা হৌজিক ফাওবা ইলেক্ত্রিসিতি কনেক্সন লৈত্রিবা লৈবাক অসিগী চাওরাক্লা ইমুং ক্রোর 4 দা লেম্না ইলেক্ত্রিসিতি কনেক্সন পীবনি। কেম্পেন অসিগী মনুংদা, য়ুম লাখ 31.26 বু অনৌবা ইলেক্ত্রিসিতি কনেক্সন পীখ্রে।

● ক্লাইমেততা অহোংবশীং থোকপা অমসুং ইনভাইরনমেন্ট য়োক্তুনা থমগদবা য়েংলগা, ইনর্জি ইফিসিয়েন্সিগী মরু ওইবা হৌজিক্কি মতমদা হেন্না মরু ওইবা ওইরক্লে। প্রধান মন্ত্রি শ্রি নরেন্দ্র মোদিজিনা 5 শুবা জানুৱারি, 2015 দা শেল হন্থনা তিংবা LED বল্বশীং শীজিন্নদুনা অঙানবা মঙাল পীনবা উজ্বালা য়োজনা লোনচ তৌখি। মসিগী পান্দমদি লৈবাক অসিদা শীজিন্নরিবা কনভেন্সনেল বল্ব মিলিয়ন 770 কি মহুৎতা LED বল্বশীং শীজিন্নহনবনি। ইলেক্ত্রিসিতি হেন্না পুথোকপা, ইলেক্ত্রিসিতি বিল হন্থহনবা অমসুং ইনর্জি কনজর্ব তৌবগী পান্দম অমগা লোয়ননা, ইনর্জি ইফিসিয়েন্ট ওইবা LED বল্বশীং লৈবাক অসিগী খুঙ্গংশীংদা য়েন্থোক্লি। এক্সতেন্দেদ গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী মনুংদা অনৌবা LED বল্ব লাখ 68.52 য়েন্থোকখি।

● জাতিগী থাক্তা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুসনগী লম্বী অমা ওইনা, প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা অসি ওগস্ট, 2014 দা হৌখিবনি। মসিগী পান্দমদি ইমুং অমমমগী য়ামদ্রবদা প্রাইমারি বেঙ্ক একাওন্ট অমা লৈহন্দুনা বেঙ্কিং ফেসিলিতি ফংহনবনি। স্কীম অসিগী মখাদা, কনাগুম্বা মী অমনা বেঙ্ক ব্রানচ অমদা হেক্তা নম্রগা বেঙ্ক মিত্রা আওতলেততা মখোয়গী নো য়োর কস্টমর নম্রগা KYC গী অকুপ্পা ৱারোল পীরগা প্রাইমারি সেভিংস বেঙ্ক একাওন্ট অমা হাংদোকপা য়াই। জন ধন একাওন্ট অমা হাংদোক্লবা মিনিমম বেলেন্স দিপোজিত তৌবা দরকার লৈতে নম্রগা একাওন্ট অদুদা মিনিমম বেলেন্স থম্বগী দরকার ওইদে। জন ধন একাওন্ট পায়বশীংবু দেবিত কার্দশীং লেম্না পী অমসুং মখোয় লুপা লাখ 1 গী এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্স কোভর অমসু ফংই। গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন ফেজ অনিমক্কি মনুংদা, অনৌবা জন ধন একাওন্ট লাখ 73.5 হাংদোকখি।

● মমিংতগী ওইবা প্রিমিয়ম পীরগা লাইফ ইন্সুরেন্স পীনবা পান্দম অমগা লোয়ননা, নেস্নেল দেমোক্রেতিক এলাইয়েন্স সরকারনা প্রধান মন্ত্রি জিবন জয়োতি বিমা য়োজনা অসি হৌখি অমসুং চহী 18 অমসুং 50 গী মরক্তা লৈবা একাওন্ট পায়বা মীশীং লোইনমক অদু স্কীম অসিগী মখাদা চহী অমদা লুপা লাখ 2 গী কোভর অমা পীদুনা মিং চনখি। সবস্ক্রাইবর অদুনা চহীগী লুপা 330 গী প্রিমিয়ম অমা পীবা দরকার ওই অমসুং মরম অমদগী শিবা থোকপা মতমদা কোভর ফংগনি। প্রিমিয়ম অসি মশা মথন্তা বেনিফিসিয়রিগী বেঙ্ক একাওন্টতগী দেবিত তৌখিগনি। মসি চহী খুদিংগী রিন্যু তৌবা য়াই। গ্রাম স্বরাজ কেম্পেনগী ফেজ অনিমক্কি মখাদা, মী লাখ 50.43 খক প্রধান মন্ত্রি জিবন জয়োতি বিমা য়োজনাগী মখাদা মখোয় মশানা ইন্স্যুর তৌজখি।

● চহী 18 অমসুং 70 গী মরক্তা লৈবা চহীগী গ্রুপকি বেঙ্ক একাওন্ট পায়বা মী লোইনমক চহীদা লুপা 12 গী প্রিমিয়ম অমা পীরগা শিবা নত্রগা শোয়নায়বা থোকপদা লুপা লাখ 2 গী এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্স কোভর পীরি। কেম্পেন মনুংদা, অনৌবা বেনিফিসিয়রি 84.99 খক স্কীম অসিগী মখাদা মিং চনখি।

● মীরোনবী নুপীশীং তিকা থাবগী পান্দম থম্না আশা চাওবা স্কীম মিশন ইন্দ্রধনুশ অসিনা দিসেম্বর, 2018 ফাওবদা 90% তিকা থাবগী পান্দম থম্মি। স্কীম অসিগী পান্দমদি তিকা থাখিদ্রিবা নত্রগা মপুং ফানা থাখিদবা নুপীশীং অমসুং অঙাংশীংবু থিংবা য়াবা লায়না 12 দগী ইম্যুনিতি পীবনি। অৱাৎপা লৈবা খুঙ্গংশীংগীদমক মিশন ইন্দ্রধনুশকি মখাদা থোইদোক-হেন্দোক্লা শিল-লাংবা তৌখ্রে। কেম্পেন মনুংদা, চয়োল অমগী নুমিৎ তরেৎ লোইনমক্তা তিকা থাখি। কেম্পেন অদুগী ফেজ অনিমক্কি মনুংদা অঙাং 6.29 লাখ অমসুং নুপী 1.80 লাখতা লায়নাদগী থিংনবা তিকা থাবা পাংথোকখি।




অৱাৎ-অপা নংবা খুঙ্গং 63,974 নৌনা মশা কনখৎহনবা

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিজিগী দাইনামিক ওইবা লুচিংবা মখাদা, কেন্দ্র সরকার অসিনা মীচম প্রজাগী পুন্সিগী তোঙান-তোঙানবা হীরমশীংদা পুক্রিং চংবনা ময়ায়দা থল্লে অমসুং নীংবা কনবা অমসুং করিগুম্বা অমা তৌগে হায়না তৌবগী ৱাখল চেৎপগা লোয়ননা থবক তৌরি। মথক্তা পনখিবা প্রজাগী নুংঙাই-য়াইফনবা স্কীম তরেৎ লোইনমক্কি মখাদা, হান্না থাজবগী মতুং ইন্না ফলশীং ফংবা ঙমখি অমসুং কেস খরদা থাজবগী ৱাংমদা ফংখি। গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন অমসুং এক্সতেন্দেদ গ্রাম স্বরাজ কেম্পেন অসিনা মীচম প্রজাদা ৱেলফিয়র স্কীমশীং য়ৌহনবগী মায়কৈদা মমাংঙৈদা কৈদৌঙৈদা থোকখিদরিবা অমসুং ইতিহাসিক ওইবা অমা ওইখি হায়বসি শোয়দনা হায়বা য়াগনি। মসিগী কেম্পেনশীং অসিনা খুঙ্গংদা লৈবা মীশীংদা, লাইরবা অমসুং অৱাৎ-অপা তারবশীংদা, লৌমীশীংদা অমসুং করিমত্তা ফংজদবশীংদা প্রিভিলেজশীং অমসুং অধিকারশীং পীবদা অমসুং মখোয়বু দিব্লপমেন্টকি মেনস্ট্রিমগা শন্নবদা মতেং পাংঙি। সরকারনা লাইরবা অমসুং করিমত্তা ফংজদবা মী মিলিয়ন কয়াগী পুন্সি চাওখৎনবা, তেক্ত-কায়দনা লৈনবা, নুংঙাই-য়াইফনবা লেপ্পা লৈতনা ৱাশক লৌদুনা থবক তৌরি অমসুং চেন অসি লেপ্লোই।♦



## খুঙ্গংগী ভারতকি অনৌবা নোংঙানবা অমা

# GPDP না পুন্সি লাইহল্লি, নুংঙাই-য়াইফবা খুঙ্গংশীংগী মঙলান চুমহনগনি





**অমরজীত সিনহা**
সেক্রেতরি, পনচায়তি রাজ অমসুং রুরেল দিল্লপমেন্ট মিনিস্ট্রি, ভারত সরকার

গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্লান (GPDP) অসি ভারতকি খুঙ্গংবু অওইবা মওং অমদা হেন্না ফগৎহন্নবা গ্রাসরূতকি থাক্তা দিল্লপমেন্ট পুরক্নবা লোনচ তৌখিবনি। মসিগী ইনিসিয়েতিব অসিগী লাইরবা কোকহন্নবা, হ্যুমেন দিল্লপমেন্ট, সমাজিক দিল্লপমেন্ট, শেল-থুমগী দিল্লপমেন্ট, ইকো সিস্টেম দিল্লপমেন্ট, মী লোইনমক্তা প্রজাগী সার্ভিসশীং ফংহনবা, লৈঙাক শাসন ফবা, অসিনচিংবা মশীং য়াম্লবা পান্দমশীং লৈ।

জাতিগী থাক্তা গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্লান (GPDP) গী আইদিয়া অসি ফেব্রুৱারি 2015 দা 14শুবা ফাইনান্স কম্মিশননা লুপা 2,00,292.20 ক্রোর (13শুবা FC দগী শরুক 3 লক তগী হেন্না) খক 2015 দগী 2020 ফাওবা মতমগী মতেং অমা রিকোমেন্দ তৌবা মতমদা লাকখি। মদু শেল-থুমগী পাৱারশীং গ্রাম পনচায়তশীংগী মখুৎতা পীহন্নবনি অমসুং চপ মান্নবা অদু শীজিন্নদুনা খুঙ্গংগী থাক্তা তঙাই ফদনা চংবা এমেনিতিশীং ফংহনবা দরকার ওই।

প্লান তৌবগী প্রোসেস অসি মহৌশানা ফনা য়াম্না তেক্নিকেল মওংগী ওই। মদু তৌবদা থবক অসি তৌনবা শিন্নবা মীশীং অদুবু মতিক চানা মতেং পাংবা অমসুং শৌগৎপা দরকার ওই। মরম অদুনা পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রিনা ৱর্কশোপশীং পাংথোক্তুনা মরি লৈনবা মী লোইনমক্কি ত্রেনিং অমসুং ওরিয়েন্টেসন পীনবা য়াম্না থৱায় য়াওনা অমসুং থবক তৌমিন্নদুনা হোৎনখি। রাজ্য সরকারশীংবু GPDP গাইদলাইনশীং শেম্বদা মতেং পাংবা ঙম্বা রাজ্যগী থাক্কি কোর গ্রুপশীং শেম্নবা হায়খি। মিনিস্ট্রিনা জুলাই 2015 দা রাজ্যশীং লোইনমক্কি নুমিৎ 5 গী পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা ৱর্কশোপ অমা শিল-লাংখি। অমসুং অসুম্না তৌবদা, হৌখিবা চহী অহুমগী মনুংদা পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা ত্রেনিং এক্সর্জাই অমা রুরেল দিল্লপমেন্ট অমসুং পনচায়তি রাজগী স্টেট ইনস্টিট্যুসনশীংগী মতেংনা পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রিনা পাংথোকখ্রে।

খুঙ্গংশীংগী ওল-রাওন্দ দিল্লপমেন্ট অমসুং পনচায়তশীং ইমপাৱারমেন্ট তৌবদা হকথেংননা নম্রগা নাকোইননা ইম্পেক্ত তৌবা য়ুনিয়ন অমসুং রাজ্য সরকারশীংগী স্কীমশীং লোইনমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবদা ইম্ফেসিস পীনবা মখল-মখাগী ৱার্কশোপশীংসু শিল-লাংখ্রে। প্রজাশীংদা তঙাই ফদবা এমেনিতিশীং অমসুং সার্ভিসশীং পীনবা 14শুবা ফাইনান্স কম্মিশন (FFC) এৱার্দনা পনচায়তশীং অমসুং মদুগী লুচিংবা মীশীংগী থাক্তা অমত্তা ওইনা পুল্লপ পুনশিন্নবগী প্লানশীংগী তানজা অমা শেমখ্রে। মিনিস্ট্রিনা রাজ্য সরকারশীংবু পনচায়তশীংদা ফংবা রিসোর্সশীং লোইনমক পুনশিন্নবগী পান্দম থম্বা গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্লান (GPDP) শীংগী লমজিং পথাপশীং (রাজ্যগী তাংদাংবা) দিল্লপ তৌবদা শৌগৎলি। মসিদা 14শুবা FC ফন্দশীং, MGNREGS ফন্দশীং, স্বছ ভারতকি ফন্দশীং অসিনচিংবা য়াওই। গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্লানশীং অসিনা কম্যুনিতিবু লম অদুগী চাওখৎনবগী এজেন্দা শেম্বা অমসুং হান্না তৌগদবা শেম্বা চাওখৎনবগী ৱাফমশীংদা লম অদুগী ওইবা ফলশীং পুথোক্নবগী তানজা অমা পী।

14শুবা FC গী গ্রান্তশীংনা গ্রাম পনচায়তশীংদা ওক্সিজেন ওইনা থবক তৌই অমসুং গ্রাম পনচায়তশীংনা মথৌ তৌবদা অনৌবা পুন্সি পী হায়বদা হেনজিন্না হায়বা ওইরোই। হৌজিক্কি কেন্দ্র সরকারনা য়াদুনা লৌশিনখ্রবা FFC গী রিকোমেন্দেসনশীংগী মতুং ইন্না, 2015-20 মনুংদা জম্মু অমসুং কাশ্মির রাজ্য য়াওনা সংবিধানগী পার্ট IX গী মখাদা লিংখৎখিবা গ্রাম পনচায়তশীংদা লুপা 2,00,292.20 ক্রোর য়ৌনা হকথেংননা গ্রান্তশীং য়েন্থোক্লবা থল্লে, মদু পুল্লপ পুনবা থাক্তা চহীদা মী অমদা লুপা 488 গী মতেং অমা ওইগনি। মসিগী মনুংদা, লুপা 1,80,262.98 ক্রোর (90%) না বেসিক গ্রান্তনি অমসুং লুপা 20,029.22 ক্রোর (10%) না রাজ্য 26 কি পর্ফোরমেন্স গ্রান্তনি। 13শুবা ফাইনান্স কম্মিশনগা চাংদম্নবদা, FFC গ্রান্তশীং অদুনা শরুক অহুমদগী হেল্লি; গ্রান্ত অসি GP শীংদা শিন্নবা থবকশীংগী মনুংদা তঙাই ফদবা সার্ভিস পীবা ফগৎহনবদা শীজিন্নে। ফন্দশীং পীবগী নম্রগা শীজিন্নবগীদমক ফাইনান্স মিনিস্ট্রিনা ফোংবা লমজিং পথাপশীংগী মতুং ইন্না, FFC এৱার্দকি মখাদা খরচ তৌনবা পীদ্রিঙৈ মমাংদা গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্লান (GPDP) শেম-শাগদবনি। মরম অদুনা, 14শুবা FC না GPDP দা খ্বাইদগী য়াম্না মরু ওইবা পীখ্রে, শেল থুমগী স্টেবিলিতি লৈহন্নবা অমসুং গ্রাসরূতকি থাক্তা ইফেক্তিব ওইবা প্লান শেম্নবদা ইম্ফেসিস পীদুনা।

গ্রাম পনচায়তশীংনা মখোয় মশাগী মপুম ওইবা দিব্লপমেন্টগী চহী মঙাগী অমসুং চহীগী ওইবা প্লানশীং শেমগদবনি হায়না পীরি। গ্রাম পনচায়তশীংনা শেম-শাবা GPDP অদু পার্তিসিপেতরি প্লান্নিং অমসুং মখল-মখাগী রিসোর্সশীংগী কনভর্জেন্সতা য়ুম্ফম ওইগনি। GPDP, 14শুবা ফাইনান্স কম্মিশন, স্টেট ফাইনান্স কম্মিশন, MGNREGA, NRLM গী মখাদা, অফংবা ফাইনান্সিয়েল অমসুং হ্যুমেন রিসোর্সশীংগী কনভর্জেন্স তৌবা অদু স্বছ ভারত মিশন (খুঙ্গং), পনচায়ত ভৱন, মী শিবা পোলোইনবা মফমশীং শাগৎনবা ইনকম অমসুং গ্রাম পনচায়তশীংগী মশা মথন্তা পুথোকচবা ইনকম হাপচিন্দুনা তৌগনি। GPDP লৈবগী য়ুম্ফম ওইবা মরমশীং অদু মখাদা খুদম পীদুনা উৎলি:

(a) গ্রাম পনচায়তশীংগী পুল্লপ অমসুং অমত্তা ওইবা দিব্লপমেন্ট, মদুদা ইনফ্রাস্ট্রকচর শাগৎপা খক্তং নত্তনা সমাজিক, শেল-থুমগী অমসুং কাঙলুপকি চাওখৎপা য়াওই

(b) দিসিজন লৌবগী প্রোসেস দিসেন্ত্রেলাইজেসন তৌদুনা কম্যুনিতিবু দিসিজন লৌবা ঙমহনবা।

(c) গ্রাম পনচায়তকি থাক্তা দরকার ওইবশীং মশক খঙদোকপা, কোলাবোরেতিব প্লানিং প্রাইওরিতাইজ তৌবা অমসুং রিসোর্সশীংগী কনভর্জেন্স তৌবা য়োকখৎপা।

(d) GPDP শেম্বা অমসুং পানশিনবা মতমদা, তঙাই ফদনা দরকার ওইবা ফেসিলিতিশীংগী মনুংদা সেদ্যুল ত্রাইবশীং অমসুং সেদ্যুল কাস্টশীংগী নুংঙাই-য়াইফবদা লোয়ননা হিংবগী মওং, লাইরবা অমসুং লাইরবগী সোসিয়েল সেক্যুরিতি য়াওনা অতোপ্পা মরু ওইবা ৱাফমশীংদা প্রাইওরিতি পী।

প্রজাশীংদা তঙাই ফদবা এমেনিতিশীং অমসুং সার্ভিসশীং পীনবা FFC এৱার্দনা গ্রাম পনচায়ত অমসুং মদুগী লুচিংবা মীশীংগী থাক্তা কনভর্জেন্ট প্লানশীংগী তানজা অমা শেমখ্রে। মসি কম্যুনিতিবু লম অদুগী চাওখৎনবগী এজেন্দা শেম্বা অমসুং চাওখৎপগী ৱাফমশীংদা লম অদুগী ওইবা ফলশীং পুথোকপদা য়াওবগী তানজা অমনি।

পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রিনা FFC ফন্দশীং, স্টেট গ্রান্তশীং, ওন সোর্স ওফ রিভেন্যু (OSR), MGNREGS ফন্দশীং অসিনচিংবা পনচায়তশীংনা কম্মান্দ তৌবা রিসোর্সিং কনভর্জ তৌনবা কেপাসিতি বিল্দিংগী থবক তৌরি অমসুং রাজ্যদা তাংদাংবা গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্রোগ্রামশীং (GPDP) শেম্বদা মতেং পাংঙি। মিনিস্ট্রিনা রাজ্যশীংদসু GPDP ত্রেনিংদা ফোকস তৌনবা পুক্নিং চিংশিনহনখ্রে। মসিগীদমক মিনিস্ট্রিনা মী লোইনমক প্লানিং তৌবদা শরুক য়াবা য়াননবা ক্লস্টর, ব্লোক অমসুং জিলাগী থাকশীংদা প্রজাশীংগী খনবা ইকো-সিস্টেম দিব্লপ তৌনবা হোৎনখ্রে। শরুক য়ারিবা রাজ্যশীং লোইনমক্না মখোয় মখোয়গী GPDP গী লমজিং পথাপশীং শেম্বা লোইখ্রে। মসিগী মতাংদা রাজ্যশীংদগী ফংবা পাওখুম য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। এলোকেসন ইন্দেক্সতা থাক নেম্না লৈখিবা রাজ্যশীংনা GPDP শেম্বদা গ্রাম পনচায়তশীংদা মতেং পাংবদা খ্বাইদগী থৱাই য়াওবা উৎলি। তশেং-তশেংনা শীংথানিংঙাই ওইবা রাজ্যশীংদি অসম, ঝারখন্দ, উত্তরাখন্দ, তেলঙ্গানা, আন্ধ্র প্রদেশ, ত্রিপুরা, সিক্কিম, মধ্য প্রদেশ, মহারাস্ট্র, গোৱা, গুজরাত, অসিনচিংবনি। মখোয়না কেপাসিতি বিল্দিং তৌনবগী হোৎনখিবশীং অদু থাগৎনিংঙাইনি। মসিসু উখি মদুদি গ্রাসরূততা, খুঙ্গংগী মীশীংগী লোকেল ইশুশীং অমসুং মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা সমস্যশীংগী ফল পুথোকপদা আওত-ওফ-বোক্স খল্লি।

GPDP গী ৱাখল্লোন শাগৎপদা অমসুং শেম্বদা গ্রাম পনচায়তশীং কয়ামরুম্না অনৌবা আইদিয়াশীং পুথোক্লকখ্রে।



2015-16 মনুংদা, চাওরাক্লা GPDP 1.32 লাখ শেম শারম্মি অদুগা 2016-17 দা চাওরাক্লা GPDP 2.44 লাখ শেম শারম্মি অমসুং 2017-18 দা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশীংগী গ্রাম পনচায়তশীংদা চাওরাক্লা GPDP 2.42 লাখ হান্ননা শেম শাখ্রে।

গ্রাম পনচায়তশীংবু পুক্নিং থৌগৎনবা, গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্লান (GPDP) এৱার্দ কৌবা অনৌবা এৱার্দ অমা লিংখৎখ্রে। রাজ্যশীং/UT শীংনা MoPR না ফোংবা মোদেল গাইদলাইনশীংগী মতুং ইন্না মখোয়গী তাংদাংবা GPDP গাইদলাইনশীং দিব্লপ তৌখ্রে। খ্বাইদগী ফবা GP অহুমবু হন্দক্কি চহীদা নেস্নেল পনচায়তি রাজ দেগী মরু ওইবা থৌদোকতা GPDP এৱার্দ পীখ্রে।

মতম য়ৌরবনি। সোসিয়েল অমসুং ইকোনোমিক দিব্লপমেন্ট মমাংদা ইনবতা নত্তনা, লোকেল স্টেকহোল্দরশীংনা মরু ওইবা কলচরেল ভেল্যুশীং (হেরিতেজ, দাইভর্সিতি, ক্রিয়েতিবিতি অমসুং জ্ঞান শন্দোকপা) য়োকখৎপদা মরু ওইবা ভুমিকা অমা লৌই, সস্টেনেবল অমসুং ইনক্লুসিব দিব্লপমেন্ট মমাংদা ইনবশীং অমসুং ঙমহনবশীং ওইনা। লোইনমক য়াওবা লোকেল দিব্লপমেন্ট প্লান অমা দিব্লপ তৌবা হায়বসি পান্দমশীং অসি থুংনবগী অমসুং শরুক য়াবা, একাওন্টেবল ওইবা অমসুং লোকেল গোবর্নিং বোদিশীং, সিবিল সোসাইতি ওর্গানাইজেসনশীং (CSO শীং), প্রাইবেত সেক্তর, একাদমিক ইনস্টিট্যুসনশীং অমসুং অতোপ্পা মরি লৈনবা স্টেকহোল্দরশীংগী মরক্তা কোলাবোরেসন হায়না সজেস্ট তৌরি। পনচায়তি রাজ সিস্টেমগী থাক অহুম লান্না লম লমগী মীখলদা কারকপা মীহুৎ লাখ 31 দগী হেনবনা প্রজাদা ময়োল ওইবা দিব্লপমেন্ট লুচিংদুনা, ভারততা পৃথীবিদা লোকেল গোবর্নান্সতা খ্বাইদগী য়াম্না নুপী মীহুৎশীং লৈ, লাখ 14 দগী হেন্না। GPDP গী সাইকল অমসুং প্রোসেসশীং জেন্দর মেনস্ট্রিম তৌবনা লৈঙাক শাসন ফহনগনি, হাবি-জাবি তৌদবা অমসুং একাওন্টেবল ওইবা অমসুং নুপীশীংবু চপ মান্নবা নাগরিকশীংনি হায়না অধিকার পীবা য়োকখৎকনি অমসুং পব্লিক সর্ভিসশীংগী ইফেক্তিব ওইবা অমসুং ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহনগনি লোয়ন-লোয়ননা 2030 দা গ্লোবেল SDG এজেন্দা থুংবা ঙম্বা ইনস্টিট্যুসনগী, লনাইগী অমসুং ওপরেসনগী ওইবা তৌবা GPDP অসি পার্তিসিপেতরি প্লানিংদা শরুক তম্বা অমসুং গ্রাসরূতশীংদা দেমোক্রেসি ইনস্টিট্যুস্নেলাইজ তৌনবগী পোতেন্সিয়েল লৈ। GPDP বু সস্টেনেবল দিব্লপমেন্ট গোলশীং লোকেলাইজ তৌনবা শক্তি চেনবা খুৎলাই অমা ওইনা করম্না শীজিন্নগনি অমসুং গ্রাম পনচায়তশীংবু লোকেল গোবর্নমেন্টকি অশেংবা ইনস্টিট্যুসনশীং ওইহনবদা করম্না মতেং পাংগনি অমসুং স্কীমশীং, ফংফম থোকপশীং অমসুং এক্সতর্নেল এলোকেসনশীংগী ৱাংমদা করম্না খনগনি অমসুং থবক তৌগনি অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইনা কেপাসিতি বিল্দিংগী হৌজিক লৈরিবা দিজাইন অমসুং ফোকস অসি করম্না হোংগনি হায়বা খন্নবা অমসুং করিগুম্বা খরদা ময়াম্না য়ানবা পুরকপগী তৌবা শৌগৎনবগী লম্বী অমনি।



মসিনা মরম ওইদুনা গ্রাম পনচায়তশীংনা পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা অমসুং ইফেক্তিব ওইবা GPDP শীং শেম্নবা, পনচায়ত অমমমগী জুরিসদিক্সন মনুংদা পৈসা খরচ তৌনবা য়েন্থোকপা ফন্দশীংগী মতাংদা পাও অমসুং মদুগী মখাদা পাংথোক্কদবা থবক থৌরমশীংগী মরমদা পব্লিক দিসক্লোজরগী শরুক অমা ওইনা পাও পীবা দরকার ওই। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা মিনিস্ট্রিশীংনা ওপরেত তৌবা স্কীমশীংগী মখাদা রাজ্যশীংদা য়েন্থোক্রবা পীবা ফন্দশীংবু মরি লৈনবা রাজ্যগী দিপার্টমেন্টশীং তানরগা পনচায়ত অমমমগী ওইনা পুন্না লৈরম্বদগী তোঙান তোঙান খায়দোকউ অমসুং মখোয় মখোয়গী গ্রাম পনচায়তশীংদা পাও পীয়ুঙম্বা শাগৎকনি। GPDP গী মরমদা, সরকারগী স্কীমশীং অমসুং ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশীং, পনচায়তকি মখুৎতা লৈবা রিসোর্স ইনবলপ অমসুং একাওন্টেবিলিতি লৈনবা পাম্বৈশীংগী মরমদা খঙবা পুরকপদা, মার্জিনেলাইজ তৌরবা কাঙলুপশীং অমসুং নুপীশীংদা তার্গেত তৌরগা ফোকস তৌহনবা তাই।

পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা GPDP গী পোতেন্সিয়েল খঙঙি হায়না তাকপা ওইনা, পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রি, ভারত সরকারনা, পীপল্স প্লান কেম্পেন - সবকি য়োজনা সবকা বিকাস - 2শুবা ওক্তোবর দগী 31শুবা দিসেম্বর ফাওবদা লোনচ তৌগনি ভারতকি খুঙ্গংদা রিভোলুসনগুম্বা অহোংবা পুররক্বা। মতম অসিগী মনুংদা, পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা GPDP অমা পনচায়ত খুদিংমক্তা শেম-শাগনি। তরুকশুবা সেদ্যুলগী এরিয়াশীংদা, GPDP অদু মখোয় মখোয়গী ভিলেজ কাওন্সিলশীং নত্রগা ওথোরিতিনা শেম-শাগনি। প্লান অদুদা পনচায়তকি দিব্লপমেন্টকি দরকার ওইবশীং য়াওহনগনি মরি লৈনবা মিনিস্ট্রিশীং অমসুং দিপার্টমেন্টশীংনা মখোয়গী রিসোর্সশীং পুনশিনবা মওংদা পীদুনা শৌগৎলগা। মখোয়গী দিব্লপমেন্টগী GPDP কেম্পেন অসিনা গ্রাম সভাশীংগী লুচিংবা ওইরিবা মীখলদা কাবা মীহুৎ লাখ 31 গী কেয়র লৌবতা নত্তনা, নুপীগী SHG গী 5.25 ক্রোর নেতৃৱার্কনা শৌগৎলি। পনচায়তি রাজ নুমিৎ 24শুবা এপ্রিল, 2018 তা পাংথোকখি। পি এম না থৌদোক অসিদা রাস্ট্রিয় গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান লোনচ তৌখি। মহাক্না লৈবাক অসিগী 2.5 লাখ পনচায়তশীংবু খরুমখি অমসুং খ্বাইদগী ফবা নীংজবশীং পীখি। মদু ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা বাপুগী মঙলানশীং মঙফাওনহন্নবগী মরু ওইবা থৌদোক অমনি হায়না মহাক্না হায়খি, মরমদি মহাত্মা গান্ধিনা ভারত অসি খুঙ্গংশীংনা মশক তাক্কদবনি হায়খি। রাস্ট্রিয়-ঈ-পনচায়ত পুরস্কার, অমসুং সর্বশ্রেস্থ পনচায়ত পুরস্কার য়োজনাগী মখাদা গ্রাম পনচায়ত বিকাস পুরস্কার য়োজনাগী মনা ফংবশীংবুসু ইকাই খুম্নখি।♦

# খুঙ্গং ইম্পাৱার তৌবা সরকারগী রিজোলুসনঃ পি এম

## নেস্নেল পনচায়তি রাজ দিবস, 24 এপ্রিল, 2018






হন্দক্কি চহীগী মরু ওইবা নুমিৎ নেস্নেল পনচায়তি রাজ দে দা, ইকাই খুম্নিনিংঙাই ওইরবা প্রধান মন্ত্রিনা রাস্ট্রিয় গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান (RGSA) গী রিস্ট্রকচর তৌরবা স্কীম অমসুং লোকেল গোবর্নমেন্ট দাইরেক্তরি (LGD) সু লোনচ তৌখি। প্রধান মন্ত্রিনা ফজনা থবক চত্থরিবা রাজ্যশীংবু ঈ-পনচায়ত পুরস্কার অমসুং গ্রাম পনচায়তশীংবু GPDP এৱার্দশীং পীদুনা ইকাই খুম্নখি। ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইরবা প্রধান মন্ত্রিনা তিল্লিবা মীয়াম লোয়ননা লৈবাক পুম্বদা লৈরিবা গ্রাম সভা লোইনমক্তা ৱা ঙাংখি।

GPDP এৱার্দশীং নোংচুপ বঙ্গাল, কর্নাতক অমসুং সিক্কিমদগী গ্রাম পনচায়ত অমমমদা পীখি। নানাজি দেশমুখ রাস্ট্রিয় গৌরব গ্রাম সভা পুরস্কার (NDRGGSP) অদু গ্রাম পনচায়ত 21 দা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক পাংথোকপগীদমক ইন্সেন্তিব পীনবা, থাগৎনবা অমসুং পুক্নিং থৌগৎনবা পীখি।

দীন দয়াল উপাধ্যায় পনচায়ত সশক্তিকরন পুরস্কার (DDUPSP) বু সধারন অমসুং থীমগী ওইবা কেতগোরি মাপলগী মখাদা সার্ভিসশীং অমসুং পব্লিক গূদস দেলিভরি ফগৎহন্নবগীদমক মখোয়না পাংথোকখিবা অফবা থবকশীং মশক খঙবিবা ওইনা খ্বাইদগী ফজনা থবক পাংথোকপা পনচায়ত (জিলা, মরক্তা লৈবা অমসুং গ্রাম পনচায়ত) 191 দসু পীখি।

মখাগী অসি মহাক্না পনচায়তি রাজ দে দা ৱা ঙাংখিবা অদুগী খনগৎলগা লৌখৎপা খরনি:

- মহাত্মা গান্ধিনা ঐখোয়বু 'গ্রামোদয় দগী রাস্ট্রোদয় ফাওবা' হায়বা মঙলান অদু মঙফাওননবা পুক্নিং থৌগৎখি। ভারত সরকারনা খুঙ্গংশীং চাওখৎহনবদা, নহাক্কি খুঙ্গংশীংগী প্রজাশীং শক্তি পীবদা অমসুং লেপখিবা ৱারেপশীং থুংহনবদা শৌগৎকনি।

> **মহাত্মা গান্ধিনা ঐখোয়বু 'গ্রামোদয় দগী রাস্ট্রোদয় ফাওবা' হায়বা মঙলান অদু মঙফাওননবা পুক্নিং থৌগৎখি। ভারত সরকারনা খুঙ্গংশীং চাওখৎহনবদা, নহাক্কি খুঙ্গংশীংগী প্রজাশীং শক্তি পীবদা অমসুং লেপখিবা ৱারেপশীং থুংহনবদা শৌগৎকনি।**

- পনচায়তি রাজ দে অসি ৱারেপশীং লেপ্পগী নুমিৎ ওইগদবনি।
- প্রজাশীং সেবা তৌনবা সরকার শেম্নবা ঐখোয়বু মীখলদা খনখিবনি। মরম অদুনা, হায়রিবা থবক অসি তৌবদা ঐখোয়গী শক্তি অমসুং মতম শীজিন্নরবদি ঐখোয়না ঐখোয়গী খুঙ্গংশীংগী শক্তমদা অওনবা পুরকপা ঙমগনি।
- ঙসি পুক্নিং লাংতক্নরিবদি থাঙ্গৈশেংনা কান্নবশীং ফংফম থোকপা মীশীংগীদমক তাংদাংবা মতম ঙমখৈগী মনুংদা পৈসা ফজনা শীজিন্নব্রা হায়বগী মরমদনি।
- খুঙ্গংদা জন ধন বেঙ্ক একাওন্ট অমসুং খ্বাইদগী য়ামদবদা পৈসা 90 গী ইন্সুরেন্স লৈতবা ইমুং লৈরোইদবনি। হায়রিবা ইমুং অদুনা লাইবক থিবা থৌদোক অমা থেংনরবদি, মদুনা শেল থুমগী মতেং অমা ওইনা লুপা লাখ 2 ফংগনি।
- ঐখোয় লোইনমক্না লৈবাক অসিদা অহোংবা পুরক্নবা খুঙ্গংশীংদা অহোংবা পুরক্নবা হোৎনগদবনি। ঐখোয় লোইনমক্না খুঙ্গংগী ফন্দশীং ফজনা শীজিন্নগদবনি। ঐহাক ঐখোয় লোইনমক্না খুঙ্গংশীংদা 'জয় জৱান, জয় কিসান, জয় বিজ্ঞান' হায়বা মন্ত্র অসিগা লোয়ননা মাংলোমদা চৎপা পাম্মি। ♦



# খুঙ্গং নুপীশীংবু গ্রাম পনচায়তশীংগী মতেংনা ইম্পাৱার তৌবা

**শল্লপ্পা য়েংবা: খুঙ্গংগী নুপীশীংগী ফিভম**

'ইনজেন্দরিং রুরেল লাইবলিহুদস: সপোর্তিং জেন্দর রেস্পোন্সিব ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ দি নেস্নেল রুরেল লাইবলিহুদ মিশন' হায়না মমিং থোনবা UN ৱিমেন রিপোর্তকি মতুং ইন্না, ভারতকি খুঙ্গংগী নুপীশীংগী ৱার্কফোর্সকি 79% লৌউ-শিংউবগী থবক্তা য়াওই অমসুং মখোয়না নুপানা তানবা খুৎশুমনগী 50-75% খক্তং তাল্লি। খুঙ্গংগী নুপীশীংগী 9% খক্তং মশাগী লন-থুমগী মপু ওই অমসুং লম অমসুং চাথোক লৈবা এসেতশীংগী মপু ওইজদবনা মরম ওইদুনা নুপী খজিক্তং ইনস্টিট্যুস্নেল ক্রেদিত ফংবা ঙম্মি। খুঙংদা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌবা নুপীশীংগী 80% দি SC, ST অমসুং বেকৱার্দ ক্লাসশীং গুম্বা মার্জিনেলাইজ তৌরবা কাঙলুপশীংদগীনি। ভারততা খুঙংগী নুপীশীং অয়াম্বা থবক তৌনিংদা তৌনিংদা তৌই - খুৎশুমন চপ মান্ননা ফংবা, মওং চাবা থবক অমসুং খুদোংচাবা চপ মান্ননা ফংবা নত্তবা থবক্তি কন্না শুবা অদুগা খুৎশুমন য়ামদবা থবক তৌই। মখোয় খুৎশুমন ফংদবা থবক তৌই, মখোয় প্রাইমারি কেয়র পীবা মীশীংনি



অমসুং ভারতকি খুঙংদা লৌউ-শিংউবগী থবক শুবা মীশীং অমসুং লৌমিশীংগী অয়াম্বা মীশীং মখোয়না ওই। অদুম ওইনমক মখোয় ভারত তা ময়াম্না মশক খঙবিদবা থবক শুবা মীশীং ওই। ভারতকি জেন্দর ইক্বেলিতি ইন্দেক্স অসি পৃথীবিদা খাইদগী নেম্বশীংগী মনুংদা অমনি মদু পৃথীবিগী লৈবাক 188 গী মনুংদা 125 রেঙ্কিংদা লৈ।

ভারত সরকারনা খুঙংগী নুপীশীংনা থেংনবা দিসইম্পাৱারমেন্ট, লাইরবা অমসুং সমাজিক অন্যায় লৈহন্দনবা হোৎনরি অমসুং খুঙ্গংগী নুপীশীংগী দিব্লপমেন্ট অমসুং ইম্পাৱারমেন্ট পুরক্নবা পান্দম থমদুনা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশীং অমসুং কেন্দ্রনা স্পোন্সর তৌবা স্কীমশীং হৌখ্রে। মখোয়শীং অসিগী মনুংদা খরদি বেতি বচাও বেতি বড়াও, প্রধান মন্ত্রি মাতৃ বন্দনা য়োজনা, মহিলা শক্তি কেন্দ্র, উজজ্বলা, MGNREGA, ICDS, MDM শীং অমসুং অতোপ্পশীংনি। 73শুবা এমেন্দমেন্ট (আর্তিকল 243 D) না পনচায়তি রাজ ইনস্টিট্যুসনশীং (PRI শীং) দা মীখল তৌদুনা য়ামদ্রবদা শরুক অহুম থোকপগী অমা নুপীশীং (SC/ST নুপীশীংগী রিজর্ব তৌবা সীতশীং য়াওনা) রিজর্ব তৌদবা য়াদে হায়খ্রে। হৌজিক PRI শীংদা নুপীশীং 50% রিজর্ব তৌবগী প্রোবিজন শেমখ্রবা রাজ্য কুন লৈ। PRI গী তোঙান-তোঙানবা থাকশীংদা 1.5 মিলিয়ন নুপীশীংদগী হেন্না ওফিস পায়নবা মীখলদা খনখ্রে। মসি লোকেল গোবর্নান্সতা পৃথীবিগী খাইদগী চাওনা নুপীনা মীহুৎ শিনবনি। মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজগী দাতাগী মতুং ইন্না, মীখলদা কারকপী নুপী মীহুৎ (EWR শীং) 1,426,000 (অপুনবা মীখলদা কারকপা মীহুৎ 31,00,804 কি 46%) লৈ অমসুং 1 জানুৱারি 2018 ফাওবদা লৈবাক অসিদা নুপী চিয়রপর্সন (সর্পনচ) 1,05,676 লৈ। রাজনিতিদা মীহুৎ ওইহন্দুনা অমসুং শরুক য়াহন্দুনা নুপীগী ইম্পাৱারমেন্টদা মাইলস্টোনশীং অসি লৈরবসু, খুঙংগী নুপীশীংনা থেংনবা চেলেনজ ময়াম অমা লৈরি। PRI শীংদা নুপীশীংনা মীহুৎ ওইবা অসি মতিক চাই (সীত লোইনমক্কি শরুক অহুম থোকপগী অমা হায়বা নোর্মগী মতুং ইন্না) তৌইগুম্বশুং লোকেল গোবর্নান্সতা খুঙংগী নুপীশীংনা শরুক য়াবা অসি মতিক চাবা ৱাৎলি।

তুংদা লুচিংবী ওইরকপা য়াবা খুঙংগী নুপীশীংনা অমসুং EWR শীংনা থেংনবা মরু ওইবা অথিংবা কয়া লৈ হায়বসি একাদমিক এক্সেলেন্সকি ইনস্টিট্যুসনশীং, সিবিল সোসাইতি, ইন্টরনেস্নেল এজেন্সিশীং, দোনর ওর্গানাইজেসনশীং অমসুং হীরম অদুদা থবক তৌবা মীশীংনা রিসর্চ স্টদি তৌবদগী পুথোকপা জ্ঞানদা য়ুম্ফম ওইবা প্রমান ময়াম লৈ। মখোয়শীং অসিগী মরক্তা খরদি পেত্রিয়ার্কেল ওইবা মনুং হুনজিন্না চংদুনা লৈরবা স্টেরিওতাইপশীং অমসুং প্রজাগী মিৎয়েং অমসুং EWR শীংগী জেন্দর রোলশীং অদুনা মখোয়গী দায়ত্বশীং পাংথোকপদা অর্থ লৈনা শরুক য়াবদা শোকহল্লে, মখোয়না প্রজাগী ওইবা তৌগদবা মথৌশীং পাংথোকপদা খুৎ পায়দুনা শৌগৎপা ৱাৎপা অমসুং EWR শীংদা স্টেট ইনস্টিট্যুসনদা থবক তৌবশীংগী

মিৎয়েং, এতিত্যুদ অমসুং থৱাই য়াওবিবা ৱাৎপা। সোসিয়েলাইজ তৌবগী প্রোসেস, সিক্ষা অমসুং স্কিল দিল্লপ তৌনবগী এক্সেস ৱাৎপা অদুনসু গ্রাম পনচায়তকি প্লান তৌনবগী প্রোসেস, রিসোর্স মেপ তৌনবা অমসুং য়েম্থোক্লবা, প্রোজেক্তশীং পানশিন্নবা অমসুং মোনিতর তৌনবগী তেক্নিকেল জ্ঞান লৈবদা শোকহল্লে। মসিনা তোয়না সমাজনা করেম্নবা অমসুং নুপীশীংবু লুচিংবা ওইবা ফজনা ঙমদবনি হায়না মমিং পীবা ওইহনগনি। EWR শীং অসিনা ওফিসকি ওইবা দায়ত্বশীং পুরি, প্রাইমারি কেয়র পীবশীং অমসুং য়ুমথোংগী থবকশীং তৌবগী মপুং ফাবা পোৎলুম পুবা ওইনসু তৌদুনা কাস্ট, আইদেন্টিটি, পাৱার দাইনামিক্স অমসুং খুঙ্গংশীংদা লৈবা স্ট্রকচরগী ওইবা মান্নদবশীংগী ময়োক্তা লান থেংনবগা লোয়নননা। EWR শীং অয়াম্বগী ওইনা, মীহুৎ ওইবা অদুনা অর্থ লৈনা শরুক য়াবা ওইহনখিদে হায়বা অদু ফিল্দদগী ফংবা প্রমাননা কন্না তাকই। লোকেল গোবর্নান্সতা খুঙ্গংগী নুপীশীং শরুক য়ানবগীদমক চুনবা ফিভমশীং শেম্বা চেলেনজ অমনি (ICRW & UN ৱীমেন, N.A)।

**খুঙ্গংগী নুপীশীংবু ইমপাৱার তৌনবগী প্লেতফোর্মশীং ওইনা GP শীং**

PRI শীং না সংবিধানগী মখাদা শেল-থুমগী চাওখৎপা অমসুং সমাজিক ন্যায় পুরক্লবগী তৌদবা য়াদবা লৈ। পনচায়তশীংদা পাৱার থংথবগী মতাংদা, সংবিধানগী পার্ট IX গী আর্টিকল 243 G না পনচায়তশীংবু লোকেল সেল্ফ গোবর্নান্সকি ইনস্টিট্যুসনশীং ওইনা ইফিসিয়েন্ট ওইনা থবক তৌহন্নবা রাজ্যশীংবু ওতোনোমি, পাৱার অমসুং ওথোরিতি পীদবা য়াদবা ওইহনখ্রে। সংবিধানগী মখাদা তৌদবা য়াদবা অদুগা লোয়নননা, ভারততা পনচায়তশীংগী মখুৎতা স্টেট ফাইনান্স গ্রান্টশীং, তরামরিশুবা ফাইনান্স কম্মিশন, সরকারগী ফ্লেগশিপ স্কীমশীং অমসুং প্রোগ্রামশীং অমসুং মখোয় মশাগী সোর্সতগী ফংবা রেভিন্যুশীংগী মখাদা খুঙ্গং চাওখৎনবা মখোয়না শীজিন্ননবা অপিকপা নত্তবা ফন্দশীং লৈ। PRI শীং অসিসু পার্তিসিপেতরি প্লানিং, রিসোর্স এলোকেসন, কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী সরকার অনিমক্কি থবকশীং অমসুং সরকারগী স্কীমশীং পানশিন্নবা অমসুং মোনিতর তৌনবা দায়ত্ব পুবা লোকেল ইনস্টিট্যুসনশীংনি। মসিনা পনচায়তশীংবু জেন্দর রেস্পোনসিব গোবর্নান্সকি থবক তৌনবা অমসুং পানশিন্নবা মরু ওইবা প্লেতফোর্ম অমা ওইহল্লি। মরু ওইনা, গ্রাম পনচায়তশীং অসি কম্যুনিতিগী মেম্বরশীংনা প্রোএক্তিব ওইনা শরুক য়াদুনা SDG শীংগী লোকেলাইজেসন অমসুং একচুয়েলাইজেসন থোকপা য়াবা কত্তিং এদজগী থাক অদুনি। মখোয়শীং অসি খুঙ্গংগী নুপীশীংবু ইম্পাৱার তৌনবা গ্রাম পনচায়তশীংবু স্ট্রেতেজিক প্লেতফোর্মশীং ওইহনবা ইনেব্লিং ফেক্তরশীং খরনি।

EWR শীং, কেন্দিদেত ওইবা য়াবা নুপীশীং অমসুং মীখলশীং হন্না লেপ্পিংবা নুপীশীংবু খুৎ পায়দুনা শৌগৎপা অমসুং কেপাসিতি বিল্দিং তৌবগা লোয়নননা গ্রাম সভাদা, নুপীশীংগী অপুনবশীংদা (SHG শীং, ফেদরেশনশীং, মোনিতরিং কম্মিত্তিশীং) গ্রাসরূত ওর্গানাইজেসনশীংদা নুপীশীংনা শরুক য়াবা কনখৎহন্নবগী খঙইন-ইনবা শাফু পীবা দরকার ওইরে অমসুং প্রোগ্রামশীং দিজাইন তৌবদা অমসুং পানশিনবদা য়াওবা দরকার ওই। গ্রাম পনচায়তশীংনা জেন্দর ইক্বেলিতি অমসুং ইম্পাৱারমেন্টলোমদা পানশিনবা স্কীমশীং অমসুং প্রোগ্রামশীংদা কনভর্জেন্স তৌবগী অকনবা দরকার ওইবা অমা লৈ। পনচায়তশীংগী থবক থৌরমশীং অমসুং প্রোগ্রামশীং লোইমক জেন্দর এনালাইসিস তৌবা দরকার ওই অমসুং মসিগী মান্নদবশীং অসি হন্থহন্নবা দিজাইন তৌগদবনি। পনচায়তকি থাক্কি থবক থৌরমশীং অমসুং প্রোগ্রামশীংগী দাতা খোমজিনবদা জেন্দরগী মরমদা খনবা অসি চখুদুনা লৈবা থবক অমা ওইবা দরকার ওই।





স্ট্রেতিজিকেল ওইনা শীজিন্নবা দরকার ওইবা অতোপ্পা প্রোসেস অমদি গ্রাম পনচায়াত দিল্লপমেন্ট প্লান (GPDP) অদুনি, মসি গ্রাম পনচায়াতশীংনা তৌবা ইন্টিগ্রেতেদ দিসেন্ত্রেলাইজ প্লানিংগী এপ্রোচ অমনি। GPDP দা জেন্দরগী মরমদা খনবা এপ্রোচ অমনা লোকেল গোবর্নান্সতা, দিসিজন লৌবদা খুঙ্গংগী নুপীশীং অর্থ লৈনা শরুক য়াহনগনি অমসুং মখোয়গী এজেন্সি অমসুং ওতোনোমি দিল্লপ তৌহনগনি। GPDP দা জেন্দর ইন্টিগ্রেত তৌবা অসি তোঙানবা নম্রগা পেরেল্লেল ওইবা প্রোসেস অমা নত্তে অমসুং মসি মচং ওইনা হায়রবদা চৎলিবা GPDP গী প্রোসেসশীং অসিদা জেন্দরবু মেনস্ট্রিম তৌবনি। জেন্দরগী মরমদা খনবা GPDP অমনা খন্নগনি মদুদি a) সমাজিক ওইবা, ধর্মগী ওইবা অমসুং কলচরগী খেন্নবা লৈবা মরম্না নুপা অমসুং নুপীনা রিসোর্সশীংদা খেন্ননা এক্সেস ফংঙি অমসুং b) প্লানিং অমসুং বদজেত শেম্বগী থবক থৌরমশীংদা খুঙ্গংগী কম্যুনিতিশীংগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশীংনা তোঙান তোঙান্না দরকার

ওইবশীং অদু ফেক্তর তৌগদবনি অমসুং রেস্পোন্দ তৌগদবনি অমসুং জেন্দর ইনইক্বেলিতি য়েংশিন্নবা তাংদাংবা থবক থৌরমশীং য়াওহনগদবনি। GPDP গী প্রোসেসতা জেন্দর ইন্তিগ্রেত তৌবনা খুঙ্গংগী নুপীশীংবু প্লানিংগী প্রোসেসতা, বদজেত শেম্বদা, GPDP অমসুং দিব্লপমেন্ট প্রোগ্রামশীং অমসুং স্কীমশীং পানশিনবদা অমসুং মোনিতর তৌবদা শরুক য়াহল্লি। বদজেতশীং অমসুং পার্তিসিপেতরি রুরেল তেক্নিকশীংদা জেন্দর ইন্তিগ্রেত তৌবনা অমসুং জেন্দর এক্সন প্লান, ফজনা অর্থ তাকপা জেন্দর সেন্সিতিব ইন্দিকেতরশীং অমসুং GPDP গী চেকলিস্ট দিব্লপ তৌবনা জেন্দর সেন্সিতিব GPDP দিব্লপ তৌবদা মরু ওইবা খোঙথাংশীং ওইগনি। মসিনা গ্রাম পনচায়তশীংবু খুঙ্গংগী নুপীশীংবু শৌগৎপা স্পেসশীং ওইহনগনি মসিনা মখোয়বু ক্রিতিকেল ওইবা ৱাহংশীং হংবা অমসুং মখোয়গী এজেন্সি এক্সর্সাইজ তৌবা য়াহনগনি অমসুং পনচায়তশীংগী থবক থৌরম অমসুং প্রোগ্রামশীংদা অর্থ লৈনা মখোয়বু য়াওবা য়াহনগনি।

**খুঙ্গংগী নুপীশীং ইম্পাৱার তৌবদা গ্রাম পনচায়তশীং শৌগৎপা**

খুঙ্গংগী নুপীশীংবু দিসইম্পাৱারমেন্ট অমসুং মার্জিনেলাইজ তৌবগী ৱাফমশীং অসি য়াম্না কমপ্লেক্স ওই অমসুং পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা অমসুং মল্টি-সেক্তরগী ওইবা জেন্দর রেস্পোনসিব ওইবা এপ্রোচ অমা দরকার ওই। সজেস্ট তৌবা আইদিয়াশীং অমসুং ওইবা য়াবা সোলুসনশীং অসি খুঙ্গংগী নুপীশীং ইম্পাৱার তৌনবগী থবক মখা তানা তৌনবা পোলিসিশীং অমসুং রিসর্চকি লমলোমদা হেন্না চাওনা শৌগৎপা দরকার ওই। গ্রাম পনচায়তশীং অসি নুপীশীংদা ইতিহাসনা য়োৎহ্লিং-কোহ্লিংনা ফাবা অদু থদৎনবা, নুপীশীংবু য়ুমগী স্পেসতা খক্তং থংথবা অমসুং য়ুম শেন্নবগী, কেয়র পীবগী অমসুং য়ুমদা লেবর অমসুং সার্ভিসশীং পীবগী মথৌ খক্তং তৌহনবগী লুনা মনুং চংনা লৈখ্রবা স্টেরিওতাইপ ওইবা চৎনবিশীং চেলেনজ তৌনবা ইফেক্তিব ওইবা প্লেতফোর্মশীং ওইবগী পোতেন্সিয়েল লৈ। গ্রাম পনচায়তশীংদা PRI ফঙ্কসনরিশীংনা হোৎনবশীং অদুসু রিসর্চ, পোলিসিশীং অমসুং সরকারগী ইনস্টিট্যুসনশীংগী শৌগৎপা দরকার ওই।



পোলিসিগী থাক্তা, রাজ্যশীং লোইনমক্কি অমসুং UT শীংগী PRI শীংদা নুপীশীংগী 50% রিজর্বেসন তৌনবা এদভোকেত তৌবদা, কেপাসিতি বিল্দিং তৌবদা ফন্দ হেন্না এলোকেসন তৌনবা, এক্সপোজর ভিজিতশীং অমসুং EWR শীং ত্রেনিং তৌবদা, সরকারগী ইনস্টিট্যুসনশীংদা জেন্দর বদজেতিং সেলগী কমপ্লাইয়েন্স অমসুং পব্লিক ইনস্টিট্যুসনশীংগী জেন্দর ওদিতিং তৌবদা ফোকস তৌদুনা হোৎনবা দরকার ওই। সরকারনা মখোয়গী প্লানিং, বদজেতিং অমসুং প্রোগ্রামশীং পানশিনবদা অমসুং একাওন্টেবিলিতি মেকানিজমশীংগী মখোয়গী থবকশীংগী মনুংদা জেন্দর রেস্পোন্সিব ওইবা পাম্বৈশীং লৌবা য়াই। রিসর্চ অসি ইন্টরভেন্সনগী মরু ওইবা অতোপ্পা এরিয়ানি মদুনা দিব্লপমেন্ট অমসুং সমাজিক ন্যায়দা নুপীশীংবু অর্থ লৈনা রাজনিতিদা শরুক য়াহন্দবনা করি মাংজবা লৈ হায়বদু প্রমান পুথোকপা য়াই। সরকারগী ইনস্টিট্যুসনশীংনা সরকারগী দিপার্টমেন্টশীং অমসুং PRI শীংনা মখোয়গী থবক-থৌরমশীংদা অমসুং ইন্টরভেন্সনশীংদা জেন্দর পর্স্পেক্তিব ইন্টিগ্রেত তৌনবা কেপাসিতিশীং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পাথৱেশীং শেম্বা দরকার ওই। নুপীশীং শরুক য়াবা য়াহন্নবা অমসুং মোনিতর তৌনবা অমসুং দিসেন্ত্রেলাইজেসন অমসুং জেন্দর রেস্পোন্সিব গোবর্নান্সতা হেন্না কন্না ইন্নবা PRI শীংগী থাক্তা একাওন্টেবিলিতিগী উপায়শীং ইনস্টিট্যুস্নেলাইজ তৌনবগী কন্না দরকার ওইবা অমা ওই।

নুপীশীংনা এক্তিব ওইনা শরুক য়াবা অমসুং শরুক তম্বা খক্তংনা দিব্লপ তৌবা অমসুং অচুম্বা চৎপা সমাজ অমা শেম্বা ঙমগনি অমসুং মসি নুপীশীংনা খুঙ্গংগী মী মশীংগী 48% দগী হেন্না ওইবা ভারতকি ওইনা মরু ওইনা চুম্মি। খুঙ্গংগী নুপীশীংনা শরুক য়ারবা খক্তংদা গ্রাম পনচায়তশীংনা সমাজিক ন্যায় অমসুং শেল-থুমগী চাওখৎপা পুরকপগী সংবিধানগী মখাদা তৌদবা য়াদবা অদু ফংবা ঙমগনি।♦



**সশ্বতি মিশ্রা**
প্রোগ্রাম এনালিস্ট (জেন্দর)
MoPR-UN ৱীমেন

Reference: Aajeevika & UN Women. (2014). Engendering Rural Livelihoods: Supporting Gender Responsive Implementation of the National Rural livelihoods Mission. Accessed on 5 April 2018. Retrieved from http://aajeevika.gov.in/sites/default/files/nrlp_repository/Engendering-Rural-Livelihoods-Final.pdf
Bhattacharyya, A. (undated). Rural Women in India: The Invisible Lifeline of RuralCommunity.

# মশাগী রিসোর্সশীংগী মপান্না মশা মথন্তা মতিক চানা ওকচবা - খোৱাই GP

''মশা মথন্তনা পুথোকচবা রেভিন্যুনা পনচায়ত সমিতি অসি নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং হেন্না ফরক্কদবা ওইহল্লি''



শেল-থুমগী মশা মথন্তদা মখা পোনজবা হায়বসিনা ত্রিপুরাগী খোৱাই জিলাগী মখাদা লৈবা খোৱাই পনচায়ত সমিতি (ইন্টরমিদিয়েত ব্লোক) গী গ্রোথ, দিব্লপমেন্ট অমসুং সস্টেনিবিলিতিগী লেংদুনা লৈবা ফেক্তর অমা ওইদুনা লাক্লি। খোৱাই পনচায়ত সমিতিনা ফন্দ ৱাৎপা লাকথুনবা মশা মথন্তা পুথোকচবা ইনকমগী সস্টেনেবল সোর্স অমা লৈহন্দুনা ''সস্টেনেবল গূদ গোবর্নান্স'' কি য়াম্না ফবা খুদম অমা শেমখি।

পনচায়ত সমিতি অসিগী পার্ক, কৈথেলদা পোৎফম, কম্যুনিতি হোল, ঙা য়োকফম, হৈনৌ লৈকোল অসিনচিংবা গুস্বা এসেতশীং লৈ হায়না পোংজৈ। মমিংনা BANABITHI ECO PARK কৌবা পার্ক অমা লিংখৎপা অদুনা রাজ্য অদুগী মীশীংগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে। অরাপ্পা অমসুং অনকপদা লৈবা মীশীংগী পুক্নিং চিংশিন্দুনা, রাজ্য অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশীংদগী মীশীংনা পার্ক অদুদা কোয়বা লাকই। পার্ক অসি কম্যুনিতি পুন্নবগী, পোথানবগী, হরাও-কুম্মে তৌনা মতম লেন্নবা অমসুং পিকনিকশীংগী সীদিং গ্রাওন্দ অমনি। প্রজাগী পার্ক অসি পনচায়ত অদুনা চলায়বনি। পনচায়ত অদুনা য়েংবা চংবগী মমিংতা ওইবা মমলগী তিকেত লৌই। পার্ক অদু কোয়দুনা য়েংনবা অমসুং পার্ক অদুগী মফম অনিদা পিকনিক স্পোতশীংদা মতম লেন্নবা মীশীংনা মী অমদা লুপা 10 পী। অচৌবা থৌদোকশীংসু তৌবা য়াহল্লি, পার্তি অমা শিল-লাংবগী লুপা 500 চার্জ তৌই।

ইন্টরমেদিয়েত ব্লোক অসিগী অতোপ্পা মশা মথন্তা পুথোকচবা রিসোর্স সেক্তর অদু ঙা য়োকপনি। ঙা য়োকপনা পনচায়ত অদুবু হনজিন্না চাং নাইনা কান্নরগা রেভিন্যু ফজনা খোমজিনবদা মতেং পাংঙি। পনচায়ত সমিতি অসিগী ঙা য়োকফম অহুম লৈ, মখোয়শীং অসি রেভিন্যু পুথোক্লবা লম অদুগী মীশীংদা শান্দোক্তুনা পীথোকখ্রে। ঙা য়োকফম অহুম লোইনমক্না মতিক চানা রেভিন্যু পুথোকই, খুদম ওইনা ঙা য়োকফম 3 অদুদগী লুপা 55,000, লুপা 52,000 অমসুং লুপা 30,000 ফংলকই।

কম্যুনিতিগী মীশীং পুন্নবা অমসুং হরাও-নুংঙাইবা ইনভাইরনমেন্ট অমা য়োকখৎনবা, পনচায়ত অসিনা মখল-মখাগী থৌদোকশীং অমসুং হরাও-কুম্মৈশীং পাংথোক্লবা কম্যুনিতি হোল অমা শাখ্রে। মফম অদুদা লৈবা মী অমমম্না থৌদোক অমমমগী লুপা 500 গী শরুক অমা দিপোজিত তৌই।

মশা মথন্তা রেভিন্যু পুথোকচনবগী অতোপ্পা ওপসন অমা কৈথেলগী পোৎফমশীং অমসুং বেঙ্কশীংদগী লাকই। পনচায়ত অসিগী মশাগী কৈথেলগী পোৎফম 12 লৈজৈ অমসুং মখোয়না পোৎফম অমমমদগী লুপা 1000 ভারা ওইনা খোমজিল্লি। বেঙ্কতগীনা লুপা 2000 ভারা ওইনা খোমজিল্লি। পনচায়ত সমিতি অসিগী হৈনৌ লৈকোলশীং অমসুং অচৌবা প্লান্টেসনশীং গুস্বা অতোপ্পা অতেনবা মতমগী ওইনা ইনকম ফংনবগী পাম্বৈশীংসু লৈ।

ফাইনান্সিয়েল চহী 2015-16 গী মনুংদা, লুপা 1,000,000 গী এমাওন্ট অমা পনচায়ত সমিতি অসিনা মশাগী ইনকমগী হৌরকফমদগী তানখি। ব্লোক অসিনা মশাগী ইনকমগী হৌরকফম হেনগৎনবা ইনিসিয়েতিব লৌখৎপা অসি শীংথানিংঙাইনি। মসিনা পনচায়ত সমিতিবু শেল-থুমগী ওইনা ইম্পাৱার তৌবতা নত্তনা, লম অদুগী ভেন্দরশীংনা কারবার তৌনবগী তানজাশীংসু শেম্মি।

চহী খরগী তেল্লবা মতমগী মনুংদা, খোৱাই পনচায়ত সমিতিনা, তোঙান তোঙানবা দিব্লপমেন্ট স্কীমশীংনা শৌগৎতুনা, মশাগী রেভিন্যুগী সস্টেনেবল সোর্স দিব্লপ তৌবা ঙমখ্রে। মশাগী মখোঙদা ৱাংনা লেপচদুনা, খোৱাই পনচায়ত সমিতি অসি গ্রোথ অমসুং সস্টেনেবল ইনকমগী ঈচেল অদোমদা চেনশিনগে তৌরি, মশানা লোইনা পুথোকচবা রেভিন্যুশীংগী মতেংনা পাকথোক-চাওথোকপা অমসুং দিব্লপমেন্টকি প্রোস্পেক্ত অমগা লোয়ননা। ♦

# মতম চানা তেক্স পীবগী মরু ওইবা খঙবা

## “লোকেল রিসোর্স ইনবলপনা মশা মথন্তা রেভিন্যু পুথোকচরগা নুংঙাই-য়াইফবা পুরকই”

রেভিন্যু হায়বসি ওর্গানাইজ কম্যুনিটি অমগী দিব্লপমেন্ট ইনিসিয়েতিবশীং শেম্বা নম্রগা থুগাইবা য়াবা মরু ওইবা ফেক্তর অদুনি। ফেক্তর অসি এল কে পি বন্দলাবুরু গ্রাম পনচায়তকি ময়োল ওইবা থীমনি। মপানগী রেভিন্যুশীং ঙাইবা অমসুং সরকারগী নম্রগা অতোপ্পা ইনস্টিট্যুসনশীংদগী লাকপা ফাইনান্সিয়েল ফেসিলিতিশীং খক্তংদা মপুং ফানা মখা পোনবগী মহুৎতা, এল কে পি বন্দলাবুরু গ্রাম পনচায়ত অসিনা মখাগী মখোঙনা চৎনবা, অমসুং GP মনুংদগী এদ-ওন রিসোর্সশীং ককথনবা লেপখ্রে।

**ফল**-GP অদু মশা মথন্তা রেভিন্যু পুথোকচবা মোদেল অমা ওইখ্রে, অমসুং লোকেল রিসোর্স ইনবলপ অদুনা দিব্লপমেন্টদা লোয়না লোয়ননা মফম অদুদা লৈবা মীশীংদা থবক পীবদা অনিমক্তা কান্নবা ওইখ্রে।

**করন্না তৌখি হায়বদু মফম অসিদা লৈরে** - পনচায়তকি রেভিন্যুগী হৌরকফমশীংদা মশাগী রিসোর্সশীং, সধারন শীজিন্নবগী ফন্দশীং, থরুবা ঈশীং, সেনিতেসন, স্ট্রীত মৈ থান্নবা, অতোপ্পা আইতেমশীং, কেন্দ্র অমসুং রাজ্যনা পীরকপা শেল-থুমগী গ্রান্তশীং, কেন্দ্রনা অমসুং রাজ্যনা স্পোন্সর তৌবা স্কীমশীং, অমসুং বেঙ্ককি শেন্দোই গুম্বা তাংদাংবা মরমগী ফন্দশীং য়াওই।

পনচায়ত অদুগী লোকেল রিসোর্স ইনবলপ অদুদা য়ুমগী তেক্স, প্রোফেসন তেক্স, বিল্দিং শাবা অয়াবা পীবগী ফী, লনাই তেপকি ফীশীং, মৈ থানবগী তেক্স, ঈশীংগী তেক্স, নালাগী ফী, লাইসেন্স ফীশীং অসিনচিংবা য়াওই।

তেক্স পীবা মীশীংবু মতম চানা তেক্স পীনবা সেন্সিতাইজ তৌই। পনচায়ত অসিনা তেক্স পীবা মীশীংগী দিজিতেল পনচায়ত স্টেট এপ্লিকেসনসু শীজিন্নরি। লোকেল রেভিন্যু মোবিলাইজ তৌবদা তপ্পা তপ্পা হেনগৎপা অমা রেকোর্দ তৌদুনা লাক্লি। পনচায়ত অসিনা ইকোন কোনবা চহী অহুম অসিগী মনুংদা 100% তেক্সশীং খোমজিনখ্রে।

অহেনবা ওইনা, GP অসিমক্তা কম্যুনিতিশীংগী মনুংদা অফবা হাইজিন অমসুং সেনিতেসনগী মওং তাবা নেতৱার্ক থম্বরোমদা পুক্লিং চংখ্রে। GPDP (গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্লান) অসিবু সরক মৈ থানবা, সরক ফজনা থম্বা, অমসুং হীরম



ময়ামদা শীজিন্নবা য়াবা পোৎশীং শাগৎপগুম্বা সমাজ নুংঙাই-য়াইফবা পুররুবা থবক-থৌরমশীংদসু শীজিন্নখ্রে।

GP অসি মথন্তা হিংজনবগী মেথোদোলোজিরোমদা চংশিল্লি। GP মনুংদা লৈবা নুপী কাংবুশীংবু লোকেল রিসোর্স পুথোকচবগী কান্নবশীংগী মরমদা তম্বিরম্মি। মতৌ অসুম্না GP অসিদা মী লোইনমক য়াওবা কম্যুনিতি অমা শেমগৎখ্রে, অমসুং রিসোর্স শরুক য়ামিন্নদুনা তুংদা হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং নুংঙাই-য়াইফবা পুররুবা মিৎয়েং তাখ্রে।♦

## ঈ-গোবর্নান্সকি মতেংনা ঐহাক্কি খুঙ্গংবু পৃথীবিগী অতোপ্পা মফমশীংগা শন্নবা

কেন্দরৱালা গ্রাম পনচায়ত, উত্তরাখন্দ গী ঈ-ইনিসিয়েতিব অমা ওইবা উত্তরাখন্দগী কেন্দরৱালা গ্রাম পনচায়ত অসি প্রজাশীংগা মপানগী পৃথীবিগা শন্নবা ঙন্নবা তেক্নোলোজি ফজনা শীজিন্নবা ঙম্বা গ্রাম পনচায়ত অমা ওনখ্রে। ঈ-সার্ভিসশীং হৌদোক্তুনা, পনচায়ত অদুনা মশামক্কি গোবর্নান্স ফগৎহনখ্রে অমসুং সার্ভিসশীং থুনা দেলিভরি তৌবা ঙমহনখ্রে। গ্রাম পনচায়ত অদুনা মদুগী ৱেবসাইত www.kedarawala.grampanchayat.org সু লোনচ তৌখ্রে। গ্রাম পনচায়ত অদুগী মীহুৎশীংনা মদুগী প্রজাশীংবু ফেসবুক অমসুং ৱেবসাইততা মদুগী ইনিসিয়েতিবশীং অসিগী ফীদবেক পীনবা থৌগৎলি। মসিগী মায়কৈদা গ্রাম পনচায়ত অসিগী ইনিসিয়েতিবশীং অসিগী মরক্তা অমদি প্রজাশীংবু মসিগী নাগরিকশীং লোইনমকপু মখোয়গী আধার কার্দ লৌনবা ইনশিল্লম্মি। মসিগা মান্ননা, থবক ফংদবা নহাশীংগীদমক মতম মতমগী ওইনা স্কিল বিল্দিং অমসুং কাওন্সেলিং ইনিসিয়েতিবশীং লৌখৎলম্মি।

স্বচ্ছ ভারত মিশনগী মখাদা, গ্রাম পনচায়ত অদুনা তোইলেত শানবা এৱয়ারনেস দ্রাইবতগী হৌরগা মপং অমসুং মহী অরেম অখাক মেনেজ তৌনবগী ফাওবা থবক থৌরম কয়া অমা পাংথোকখি। মওং চাবা সেনিতেসন অমসুং পর্সোনেল হাইজিন লৌদবগী ফত্তবা ইফেক্তশীং অমসুং হকচাংদা থোকহনবা ফলশীংগী মরমদা মীশীংবু খঙহনবা ঙন্নবা দিবেত কম্পিতিসন অমসু পাংথোকখি। গ্রাম পনচায়ত অদু অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপদগী কোক্লে হায়বগী স্টেটস থুনা য়ৌনবা পান্দম থম্মি। থরুবা ঈশীং ফংদবা অসি প্রজাশীংগী য়াম্না চাওবা সমস্য অমনি। নুপীশীংনা ঈশীং খোমজিনবদা মতম য়াম্না তিংই। সমস্য অসি কোকহন্নবা, GP না ফাইনান্সিয়েল অমসুং তেক্নিকেল সপোর্তকি দিপার্টমেন্টকা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্মি। য়ুমথোং অমমমদা পাইপকি থরুবা ঈশীং ফংননবা, গ্রাম পনচায়তনা ওভর-হেদ শারম্মি অমসুং চাং নাইনা তেক্ত-কায়দনা থল্লম্মি।

অতোপ্পা সমাজিক আন্দোলন লৌখৎপা অমদি GP বু য়ু থকপা অমত্তা লৈহন্দবনি। মসিগীদমক, নাগরিকশীংনা ৱা খন্নবা, দিবেত তৌনবা অমসুং রিগুলেত তৌনবা পাম্বৈশীং লৌখৎপসুনি। GP অসিনা অঙ্গনৱাদিশীংনা মথৌ তৌবা মোনিতর তৌবা, মীরোনবি অমসুং খোম পীথক্লিবা মমাশীংদা হেল্থ সার্ভিসশীং পীবা, মতম মতমগী ওইনা হেল্থ ৱার্করশীংনা ইম্যুনাইজেসন অমসুং কাওন্সেলিং তৌবা য়াওনা।

জেন্দর দিব্লপমেন্ট অসি গ্রাম পনচায়তকি সোসিয়েল সেক্তর ইনিসিয়েতিবশীংগী মরু ওইবা য়ুম্বি ওইদুনা লাক্লি। GP না 6-14 চহী গ্রুপকি নুপীমচাশীং লোইনমকপু স্কুলদা মমিং চনবা অমসুং কাহনবা ওইহল্লি। চহী অহল ওইববশীং অমসুং শোয়নায়বা মীশীংবু সরকারগী স্কীমশীংদগী ফংফম থোকপা ফংহন্নবা GP না থোইদোক-হেন্দোক্না হোৎনৈ। মসিগা মান্নবা, ফুদ সেক্যুরিতি দিপার্তমেন্টগা থবক তৌমিন্নরগা, GP না ইলিজিবল ওইবা য়ুমশীং লোইনমকপু রেসন কার্দশীং ফংহল্লি। লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিবা অদু মশক খঙবিবা ওইনা, গ্রাম পনচায়ত অসিবু রাজ্য অদুনা মোদেল পনচায়তকি এৱার্দ পীখি।♦




3 পোন্দ সিস্টেমনা খুঙ্গংবু স্বচ্ছ ওইহল্লি, অতোপ্পা খুঙ্গংশীংবু মদু তন্নবা পুক্লিং থৌগৎলি

# “প্রজাশীংনা শরুক য়াদুনা খুঙ্গংদা পুন্সি হিংবগী মওং হোংবা”

চন্দসামন্দ গ্রাম পনচায়ত, করনাল জিলা অসি তুংকোইবগী মরমদা খনবা ঙম্বা লুচিংবা অমনা প্রজাশীংনা শরুক য়ারগা গুদ গোবর্নান্স শীজিন্নদুনা কান্নদ্রবা শীজিন্নদ্রবা মফমশীংবু রিসোর্স মরাং কায়বা ওইহনবা য়াই অমসুং ইম্পাৱারমেন্ট অমসুং ইনস্পিরেসনগী মপান্না প্রজাশীংগী তুংগী পুন্সি হোংহনবা য়াই হায়বগী পনবা মতিক চাবা খুদম অমনি।

চন্দসামন্দ অসি করনাল জিলাগী ইন্দ্রি ব্লোকতা লৈবা য়ুমথোং 415 কোনবা মী মশীং 2248 লৈবা খুঙ্গং অমনি। পনচায়ত অসি খুঙ্গং অমসুং প্রজাশীংগী নুংঙাই-য়াইফনবা অমসুং চাওখৎনবা হোৎনবশীংগীদমক মশক খঙনৈ।

ফত্তবা ঈশীং মেনেজ তৌবা অসি অচৌবা সমস্য অমা ওইনা থোক্লক্লি ফত্তবা পোৎশীং অদু মীয়াম তিনবা মফম লোইনমক্তা পৈশিল্লক্তুনা প্রজানা প্রোটেস্ট তৌনবা মরম ওইহল্লে। ফত্তবা ঈশীং মওং তানা চেলহন্দবনা মরম ওইদুনা পুখ্রিশীং পাথোকপা অমসুং সরক ঈশীং থৃম্বগী অমোৎপা মফমশীং উবা অসি মখোয়গী খুঙ্গংশীংগী মহৌশাগী ওইবা দৃশ্যনি। মতাং অসিদা, গ্রাম পনচায়ত অসিনা করিগুম্বা মওং অমনা হেক্তা সোলুসন পুরক্লবা থিরিঙৈ মতমদা, MGNREGA গী মখাদা সেনিতেসন সেক্তরদা থ্রী পোন্দ সিস্টেম হায়না মমিং থোনবা প্রোজেক্ত অমা খুঙ্গংগী পনচায়ত তা চংলকখি মদুনা উৎ মচুগী ঈশীংবু ত্রীতমেন্ট তৌনবা অমসুং মদুবু লৈকোলদা, য়ুমগী ঈংখোল কোয়বদা অমসুং হৈরিগেসনদা শীজিন্ননবা।

মরম অদুনা, মসিগী অমোৎপা ঈশীং অসি ফজনা চেন্থহনখিনবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা অমোৎপা পুখ্রিশীং রিসোর্স অমা ওইনা শীজিন্ননবা অমসুং থোক্লক্লিবা লায়নাশীংবু কম্পেক্ত তৌনবা, স্বচ্ছ ভারত অভিয়ানগী মখাদা লৈবা অচৌবা থবক থৌরমশীংগী মরক্তা অমদি গ্রাম পনচায়ত (GP) অমমমগী সোলিদ এন্দ লিকিদ ৱেস্ট মেনেজমেন্ট (SLWM) প্রোজেক্তশীংসুনি মসিনা GP অমগী য়ুমথোং মশীংদা য়ুম্ফম ওইরগা শেল-থুমগী মতেং পী। মরম অদুনা, মসি পনচায়তকি স্বচ্ছ ভারত মিশনগী শরুক অমা ওইবা জাতিগী ওইনা মরু ওইবা চংদবা য়াদবা প্রোজেক্ত অমনি। খুঙ্গংশীংদা অমোৎপা ঈশীংগী সমস্য অদুগী ফল পুরকপদা নত্তনা, প্রোজেক্ত অদুনা খুঙ্গংদা লৈবা মীশীংবু মহাত্মা গান্ধি নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কীম (MGNREGS) গী মখাদা থবক পী।

ৱেস্ট স্টেবিলাইজেসন পোন্দশীং (WSP শীং) অসি মহৌশানা খুঙ্গংশীংদা য়ুমগী ফত্তবা ঈশীং ত্রীতমেন্ট তৌনবগী খ্বাইদগী চুনবা মেথোদনি, অদুবু খুঙ্গংশীংদা লম অসি তোয়না মমল চাবা ওপোরচুনিতি কোস্টতা ফংই অমসুং খুৎশা হৈবা থবক শুবা মী ৱাৎনা ফংই। মসিগী কান্নবা ময়াম লৈ খুদম ওইনা মমল নেম্বা (মহৌশানা মমল খ্বাইদগী নেম্বা), মেন্টেনেন্স নেম্বা, য়াম্না ইফিসিয়েন্ট ওইবা, লোইনমক মহৌশাগী ওইবা অমসুং য়াম্না সস্টেনেবল ওইবা।

প্রোজেক্ত অসিদা হকথেংনবা সোলার ইনর্জি শীজিন্নৈ, মরম অসিনা মখোয় ইলেক্ত্রোমেকানিকেল খুৎলাই অমত্তা দরকার ওইদে, মদুনা মরম ওইদুনা ইলেক্ত্রিসিতিদা অমসুং হেন্না খুৎশা হৈবা ওপরেসনদা পৈসা খরচা তৌবদগী কল্লি। পুখ্রি অহুম অদু শাবদা চন্দসামন্দ খুঙ্গংদা পুন্না কোনবা লম অদু পুন্না একর 3 (1শুবা পুখ্রি 1 একরদা, 2শুবা পুখ্রি 0.5 একরদা অমসুং 3শুবা 1.5 একরদা) ওইরম্মি। মদুগী মথক্তা, মথক্কি সিস্টেম অসি শাবগী মমল অদু চাওৱাক্লা 15-20 লাখ ওইরম্মি।

### থ্রী পোন্দ সিস্টেম করন্না থবক তৌই

মমিং অদুনা তাক্লিবা অদুগুম্না, থ্রী পোন্দ সিস্টেম অদুগী পুখ্রি অহুম লৈরম্মি মমিংনা এনেরোবিক, ফেকল্টেতিব অমসুং মেচুরেসন পোন্দ কৌবা। সিস্টেম

অদু পরেং অমদা স্টেজ অহুম ফাওবদা তোঙান তোঙানবা ট্রীতমেন্টগী মওংশীং ফংনবা দিজাইন তৌবনি, ইনপুত ৱেস্ট অদুগী ওর্গানিক স্ট্রেংথ অমসুং এফ্লুইয়েন্ট কালিতি ওবজেক্তিভশীংগী মখা পোন্না। অহানবা স্টেজগী এনেরোবিক পুখ্রিদগী থোক্লকপা এফ্লুয়েন্ট অদু বাইওলোজিকেল ট্রীতমেন্টদী অনিশুবা স্টেজ ওইবা সেকেন্দরি ফেকল্টেতিব পুখ্রিশীংদা পাথোক্তুনা চেনশিল্লি। ফেকল্টেতিব পুখ্রিশীংগী মতুংদা, মেচুরেসন পুখ্রিশীং তর্সিয়ারি ট্রীতমেন্ট পীনবা হৌদোক্কনি। WSP দা তৌবা এক্তিবিতি অসি বেক্তিরিয়া অমসুং আলগীগী কমপ্লেক্স ওইবা সিম্বাইওসিস অমনি, মদুনা ৱেস্টশীংবু স্টেবিলাইজ তৌই অমসুং পেথোজেনশীং হন্থহল্লি।

**70% য়ুমথোংশীং কান্নগদবা**

ট্রীতমেন্ট পুখ্রিশীং অদু তোইলেতশীং, চাকখুম অমসুং বাথরুমশীংদগী থোক্লকপা ফত্তবা ঈশীংশীংগী ওইগনি অমসুং মদু অয়াম্বদা অমাঙবা য়াওই। মসিগী ঈশীং অসি পাথি-কোমথিগুম্বা অকোয়বদা লৈবা মহৌশাগী ফিল্টর সিস্টেমশীংদা তিন্দ্রিংঙৈ মমাংদা ট্রীত তৌবা দরকার ওই অকোয়বা ইনভাইরনমেন্টদা মাংতাকপা থোকহন্দনা লংথোকপা য়াবা এফ্লুয়েন্ট অমা পুথোক্লবা। মসিগা লোয়নন্না, সিৱেজ ট্রীতমেন্ট হায়বসি ফত্তবা ঈশীং অমসুং য়ুমথোংগী সিৱেজদগী কন্টামিনেন্টশীং লৌথোকপগী প্রোসেস অদুনি, রনওফ অমসুং দোমেস্টিক। মসিদা কন্টামিনেন্টশীং অসিবু লৌথোক্লবা ফিজিকেল, কেমিকেল অমসুং বাইওলোজিকেল প্রোসেসশীং য়াওই। মসিনা খুঙ্গংগী য়ুমথোং 70% লোমগী ফত্তবা ঈশীংগী মেনেজমেন্ট তৌই।

পুখ্রিশীং অদু ফজহন্নবগীদমক, পুখ্রি অদুগী অকোয়বদা গ্রীন বেল্ট অমা দিল্লপ তৌরম্মি। খুঙ্গংদা লৈবা মীশীংদা লু-নানবা ইনভাইরনমেন্ট অমা পীবগী মথক্তা, থ্রী পোন্দ সিস্টেম অদুনা লৈবাক মখাদা লৈবা ঈশীং রিচার্জ তৌগনি।

**থেংনবা চেলেনজশীং**

চন্দসামন্দ পনচায়তনা মখোয়গী খুঙ্গংদা থ্রী পোন্দ সিস্টেম শাগৎপদা অথিংবা কয়ামরুম থেংনখি। থবক শুনবা মী অমসুং মেছিনরি ৱাৎপা অসি থ্রী পোন্দ সিস্টেম অদু শাগৎপদা থেংনখিবা খুদোংথিবশীংগী মরক্তা অমনি। MGNREGA গী মখাদা লৈবা থবক শুবা মীশীং নেক্লগা শীজিন্নদুনা সিস্টেম অসি শাগৎপদা চহী অমা ফানিংচিৎ চংখি। ফন্দ মতিক চানা ফংবা ৱাৎপা অদুসু প্রোজেক্ত অসি থুনা লোইশিনবদা তপথহনখিবা অমনি, পনচায়তনা মশাগী ফন্দশীং শীজিন্নখি অমসুং দিস্ট্রিক্ত কম্মিশ্নর ওফিসতগী হেল্থ সেনিতেসন প্রোগ্রাম মখাদা লাখ মঙা শীজিন্নখি। মরু ওইবা রো মেতিরিয়েলদা চেকশীং, RCC পোলশীং, ৱাইয়রশীং, PVC পাইপশীং অসিনচিংবা য়াওই। মসিগী মথক্তা, 180 ফীতকি মখাদা হুৎপা সবমর্সিবল মোতোর অমা মফম অদুদা থাবা অপিকপা উপাম্বীশীং ঈশীং চাইনবা ইনস্টোল তৌরম্মি। সরপনচ অমসুং ইনজিনিয়রশীংনা মথক্কি ৱাফমশীং অসিবু থুনা য়াংনা য়েংশিনখি অমসুং সিস্টেম অসি মায় পাক্লা ওপরেস্নেলাইজ তৌবদা লমজিংখি।

**খুঙ্গংগী পুন্সি ফগৎহনবা**

গ্রাম পনচায়ত অসি ইনফ্রাস্ট্রকচর, সেনিতেসন অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকখি। খুঙ্গংগী ইনফ্রাস্ট্রকচর দিল্লপ তৌবগী মতাংদা, সরপনচ চন্দসামন্দ খুমাং চাওশিনবা ফলশীং উৎলি। ময়াম পুন্নবগী, লুহোংবগী, অসিনচিংবা গুম্বা মখল মখাগী মরমশীংগী শীজিন্নবা ওপরেস্নেল ওইরিবা চাউপাল মঙা লৈ। অদুগসু, গ্রাম সভাশীংনা সরকশীং শেমজিনবদা অমসুং খুঙ্গংগী সরকশীং লোইনমক কোয়লাস থাবদা অৱাৎপা লৈতনা অমসুং কথোকপগী লোয়নন্না হোৎনখি। স্বচ্ছ ভারত অভিয়ান লু-নানবগী কেম্পেন অসি প্রাইয়োরিতি অমা ওইনা থমদুনা, বিল্দিংশীং অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান-তোঙানবা তোইলেতশীং থমখি। স্বচ্ছ ভারত অভিয়ানগী মতেংনা, পনচায়ত অদুনা লৈকাই অদুগী ইমুংশীংদা মহিক-মতাই চেন্দবা থক্লবা ঈশীং পীবদসু মায় পাকখ্রে। থ্রী পোন্দ সিস্টেম শাবা অদুমক খুঙ্গংদা লৈবা মীশীংগী MGNREGA গী মখাদা থবক ফংনবগী হৌরকফম অমনি।

খুঙ্গং অদুদা সিক্ষা য়োকখৎপগী মতাংদা, পনচায়ত অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রে। খুঙ্গংগী অঙাংশীংগী লৈরিবা স্কুল অদু ক্লাস VIII ফাওবগী ফেসিলিতি পীরি। স্কুল অদু ক্লাস 12 ফাওবা চাওথোক্লবা ইনিসিয়েতিবশীং থৌরাং তৌরি। পনবসু য়াবদি, হৌজিক্কি মতমদা শান্ন-খোৎনবগী মরু ওইবা য়েংলগা, স্কুলগী অঙাংশীং শান্নবা অমসুং মখোয়গী লোৎতুনা লৈবা তেলেন্টশীং এক্সপ্লোর তৌনবা 8 একরগী স্টেদিয়ম অমসু শানবা তৌরি। স্কুল অদুসু পনচায়ত অদুগী ওন রিসোর্সেস ফন্দ দগী শাখিবনি। স্কুল অদুদা ছাত্রশীংদা ফেসিলিতি কয়ামরুম পীখি খুদম ওইনা ঈশীং চুমথোক্লবা RO, ইনভর্তর, হেন্দ পম্পশীং, শান্নবুংশীং অমসুং সোলার পেনেল তেক্লিক ফাওবা শীজিন্নৈ। স্বচ্ছ ভারত অভিয়ানগী মনুং চনবা ওইনা, নুপীমচাশীং অমসুং নুপামচাশীংগী তোঙান তোঙানবা তোইলেতশীং শারম্মি হাইজিন মেন্টেন তৌনবা অমসুং খুঙ্গং অদুগী তুংগী চারোল শুরোনশীংদা লায়না ময়াম শন্দোকপা থিংনননবা।

চেলেনজ হায়বসি করিগুম্বা অমা তৌদুনা লৈবগী অমসুং ঐখোয়গী পুন্সিদা খুমাং চাওশিনবগী লম্বী অমনি হায়বসি য়াম্না চুম্না হায়রম্মি। মসিগী লম অসি পনচায়তনা য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা মওং অমদা ভেল্যু খরা পুথোক্লবা অমসুং মদুদগী কান্নবা ফংনবা শীজিন্নখি। একর 68 লীজ দা শান্দোক্লে, চহী অমদা লাখ 12 গী ইনকম পুথোক্তুনা। স্টেদিয়ম শানবা একর 8 গী লম, স্কুল শানবা একর 5 অমসুং ঙায়োকফম শানবা একর 4 গী লম শীজিন্নরে। লেমহৌবা লম অদুনা পনচায়তনা শাশীং অমসুং যনশীং শজিক পীজনবা শীজিন্নরে।

মরম অদুনা, চন্দসামন্দ গ্রাম পনচায়তনা দিল্লপমেন্ট অমসুং গ্রোথকি এরিয়াদা মখোয়না ঙক্লিংঙাই ওইনা থৱাই কথোক্লগা হোৎনবা অদুনা মখোয়গুম্বা পনচায়তশীংদা শীংথানিংঙাই ওইবা খুদম অমা শেম্লে। থৌনা অমসুং অনিংবা অমগা লোয়নন্না, পনচায়ত অসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা খঙজিনবা য়াবা থাক্তা মশাগী মফম অমা শেমখ্রে। ♦

## সনসদ অদর্শ গ্রাম য়োজনা

# চপকা GP: কম্যুনিতিনা থবক কন্না শুদুনা অমসুং এম পি না হোৎনদুনা ইরিগেসন মোদেল দিব্লপ তৌবা

**চপকা পনচায়ত অসি মরকন্দেয়া তুরেলগী তোর্ব্বান্দা লৈ চহী খুদিংগী 1500 সেন্তিমীতর নোং ফংদুনা। অদুম ওইনমক, খুঙ্গং অদুগী লৌ উবা য়াবা লমগী 90 পর্সেন্টদগী হেন্না ইরিগেসন ফংদে।**



চপকা গ্রাম পনচায়ত ভবন

ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইরবা লোক সভাগী এম পি শ্রি দিনেশ কশ্যপনা ছত্তিসগড়গী বস্টার জিলাদা লৈবা চপকা গ্রাম পনচায়ত অসি SAGY গী ফেজ I গী মখাদা এদোপ্ত তৌখি। চপকা গ্রাম পনচায়ত অসিগী মী মশীং 1942 অমসুং য়ুমথোং 458 লৈবা খুঙ্গং অমা লৈ। চহী খুদিংগী 1500 সেন্তিমীতর নোং ফংলবা ফাওবা, খুঙ্গং অদুগী লৌ উবা য়াবা লমগী 90 পর্সেন্টদগী হেন্না ইরিগেসন ফংদে।

### SAGY গী মপান্না অওনবা লাকপা

পনচায়ত অসি SAGY গী মখাদা এদোপ্ত তৌরবা মতুংদা, মী লোইনমক্তা ইরিগেসন ফেসিলিতি পীনবা খোঙথাংশীংগী পরেং অমা হৌদোকখ্রে। ভিলেজ দিব্লপমেন্ট প্লান (VDP) শেম শাবা মনুংদা, খুঙ্গংগী লৌমিশীং, এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিতিগী অখং-অহৈশীং, মহাত্মা গান্ধি নেস্নেল



রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি এক্ট (MGNREGA) ক্লস্টর ফেসিলিতেসন তীমশীং (CFT শীং) অমসুং ইরিগেসন দিপার্টমেন্টগী সব ইনজিনিয়র য়াওবা ইরিগেসন কম্মিত্তি অমা খুঙ্গং অদুদা শেম্লে। পাক-চাওনা পুন্না য়াওবা খুঙ্গংগী ইরিগেসন প্লান অমা শেম্লে। প্লান অসিগী অহানবা পার্ট অদু কোন্টুর ত্রেনচশীং, কোন্টুর বন্দশীং, স্টেগর ত্রেনচশীং, পরকোলেসন তেঙ্কশীং, গেবিয়ন স্ট্রকচরশীং, লৌগী পুখ্রিশীং তৌবা অমসুং মৈহৌরোনগী অপিকপা ৱাতর হার্ভেস্টিং স্ট্রকচরশীং হন্না হৌদোকপগী মতেংনা রেনৱাতর হার্ভেস্টিং তৌবগী মরমদনি।

প্লান অসিগী অনিশুবা পার্ট অদু শখম্বরি স্কীম অমসুং BRGF তগী ফন্দশীং শীজিন্নদুনা তুরেলগী ঈশীং অমসুং এনিকত তগী দিজল অমসুং ইলেক্ত্রিক পম্পশীং শীজিন্নদুনা লিফ্ট ইরিগেসন তৌনবা গ্রুপশীং শেম্বা অমসুং কলেক্তিব এক্সন তৌবা য়াহন্নবগী মরমদনি। চহী চুম্পা ইরিগেসনগী ঈশীং ফংনবা MGNGREGA গী মখাদা হেক্তিয়র 200 দগী হেনবদা ফিল্দ চেনেল শাগৎপা হৌখ্রে অমসুং মাইক্রো ইরিগেসন য়ুনিতশীং ইনস্টোল তৌখ্রে। ইনিসিয়েতিবশীং অসি লম অদুদা লৌউ-শিংউবা কনখৎহন্নবা স্টেকহোল্দর ময়াম্না কোলাবোরেসন তৌরগা অমসুং থবক তৌরগা পাংথোকপনি। মসিদা দ্রিপ ইরিগেসন সিস্টেমশীংগা লোয়ননা ত্যুবৱেল পীবা অমসুং লৌমি মচাশীং অমসুং মার্জিনেল ওইবা লৌমিশীংদা দিজল অমসুং ইলেক্ত্রিক পম্পশীং য়েন্থোকপা য়াওই। লৌমি 200 বু ক্রোপ্পিং তৌবা তল্লে অমসুং লনাইগী ফার্ম খুৎলাই পীরে।

### SAGY ইন্টরভেন্সনগী পেওফশীং

চহী চুম্পা ইরিগেসনগী ঈশীং ফংবগা লোয়ননা, চপকাগী লৌমিশীংনা চানবা চীনজাক ওইনবা অমসুং কেশ ক্রোপ লোক্লবা মাংলোমদা য়েংলি, SRI,



ওর্গানিক ফার্মিং গুম্বা লৌউবগী মেথোদশীং শীজিন্নদুনা, হেন্না ফবা মরুশীং শীজিন্নদুনা অমসুং ফার্ম মেকানাইজেসন তৌদুনা। পার্লিয়ামেন্টকি মেম্বরনা লুচিংদুনা পুন্না তীম ওইনা থবক তৌমিন্নবা মরমনা মখোয়শীং অসি ওইথোকপা য়াহল্লি।♦

# গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্লান

## পীপল্স প্লান কেম্পেন

## 2শুবা ওক্তোবর দগী 31শুবা দিসেম্বর, 2018

### লাইরবা কোল্লবা গ্রাম পনচায়তশীং




### পান্দমশীং

- মীখলদা খনবা পনচায়ত লুচিংবা লাখ 31 গী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা রোল অমসুং ইফেক্তিব ওইবা গ্রাম সভাদা DAY-NRLM গী মখাদা 5.25 ক্রোর SHG নুপীশীং
- 2018-19 দা কয়া যান্না খুমাং চাওখৎখ্রে য়েংবা প্রমানদা যুম্ফম ওইবা এসেসমেন্ট অমসুং XI সেদ্যুলগী সবজেক্ত 29 লোইনমক্তা 2019-20 গী প্রোপোজেলশীং
- পব্লিক ইনফোরমেসন কেম্পেন - প্রোগ্রাম লোইনমক্কি স্কীমশীং, ফাইনান্সশীং, অসিনচিংবা গ্রাম পনচায়তকি ওফিসতা ভিলেজ দিসপ্লে বোর্দ অমদা অমসুং গ্রাম সম্বাদ এপতা মপুং ফাবা পব্লিক দিসক্লোজর
- 2শুবা ওক্তোবর - 31শুবা দিসেম্বর, 2018 ফাওবা শন্দোকপা স্ট্রকচর তৌবা গ্রাম সভা মীতীংশীং, XI সেদ্যুলগী সেক্তর 29 লোইনমক্তা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশীং/সুপরভাইজরশীংনা মশা লাক্লগা য়াওবা অমসুং প্রজেন্টেসন তৌবা
- অওইবা ওইনা থোক্কদবা অমসুং হোলিস্টিক গ্রাম পনচায়ত দিল্লপমেন্ট প্লান অমা পীনবা প্লানপ্লস মপাঙ্গল কনখৎহনবা

### XI সেদ্যুলগী সেক্তর 29 লোইনমক য়াওনবা GPDP প্লানিং

| XIশুবা সেদ্যুলদা 29 সেক্তর | মরী লৈনবা মিনিস্ট্রি | স্কীমশীং/ফন্দশীং |
|---|---|---|
| লম ফগৎহনবা | মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিল্লপমেন্ট, দিপার্টমেন্ট লেন্দ রিসোর্সেস | SHC, DILRMP |
| রুরেল হাওসিং | মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিল্লপমেন্ট | PMAY(G) |
| থক্লবা ঈশীং | মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিংকিং ৱাতর & সেনিতেসন | NRDWP |
| সরকশীং | মিনিস্ট্রি ওফ দিল্লপমেন্ট | PMGSY, SAGY, MGNREGA |
| রুরেল ইলেক্ট্রিফিকেসন | মিনিস্ট্রি ওফ পাৱার | UJALA, IPDS, DDUGJY, Saubhagya |
| ইদুকেসন | মিনিস্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স দিল্লপমেন্ট | ICDS, SSM, SSA, SBM, MDMS |
| ভোকেস্নেল ইদুকেসন | মিনিস্ট্রি ওফ স্কিল দিল্লপমেন্ট & এন্ত্রেপ্রেনরশিপ | PMKVY |
| কৈথেলশীং অমসুং মেলাশীং | মিনিস্ট্রি ওফ তেক্সতাইল্স, মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিল্লপমেন্ট | NRLM |
| হেল্থ এন্দ সেনিতেসন | মিনিস্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র, মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিংকিং ৱাতর & সেনিতেসন | NRHM/NHM, NRDWP, Mission Indradhanush, ICDS, SBM |
| ৱীমেন এন্দ চাইল্দ দিল্লপমেন্ট | মিনিস্ট্রি ওফ ৱীমেন এন্দ চাইল্দ দিল্লপমেন্ট, মিনিস্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র | BBBP, ICDS, OSTC, UJJAWALA, Swadhar Greh, Mahila E-Haat, MSK, STEP |
| সোসিয়েল ৱেলফিয়র | মিনিস্ট্রি ওফ সোসিয়েল জস্টিস & ইম্পাৱারমেন্ট | IPOP, Scholarship Programmes, SRMS |
| পব্লিক দিস্ট্রিব্যুসন সিস্টেম | | |

| XIশুবা সেদ্যুলদা 29 সেক্তর | মরী লৈনবা মিনিস্ট্রি | স্কীমশীং/ফন্দশীং |
|---|---|---|
| লৌউ-শিংউবা | মিনিস্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর & ফেমিলি ফারমর্স ৱেলফিয়র | PKVY, PMKSY, PMFBY, MMAS, NFSM, MIDH, NMAET, NLM, e-NAM |
| শা-ষন লোইবা | | |
| নোন-কনভেনস্নেল ইনর্জি | মিনিস্ট্রি ওফ ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি | |
| লাইরবা হন্থহন্নবা প্রোগ্রাম | মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিল্লপমেন্ট | MDMS, MGNEGS, DAY-NRLM, NSAP |
| কম্যুনিতি এসেতশীং মেন্টেন তৌবা | মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ | FFC |
| ফেমিলি ৱেলফিয়র | মিনিস্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র | PMUY |
| অশোনবা সেক্সনশীংগী নুংঙাই-য়াইফবা | মিনিস্ট্রি ওফ ফাইনান্স | PMSBY, PMJBY, HKKP |
| ফিশরিশীং | | |
| সোসিয়েল ফোরেস্ট্রি | | |
| স্মোল স্কেল ইন্দস্ট্রিশীং | মিনিস্ট্রি ওফ তেক্সতাইল্স, মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিল্লপমেন্ট | PMEGP |
| খাদি, ভিলেজ অমসুং কোতেজ ইন্দস্ট্রিশীং | | PMEGP |
| ফ্যুল অমসুং ফোদর | | |
| এদল্ট অমসুং নোন-ফোরমেল ইদুকেসন | | |
| লাইব্রেরিশীং | | |
| কলচরগী থবক থৌরমশীং | | |

## গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্লান




## শরুক য়ারিবা মিনিস্ট্রিশীং অমসুং দিপার্টমেন্টশীং

- মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ & রুরেল দিব্লপমেন্ট
- দিপার্টমেন্টস ওফ এগ্রিকলচর কোওপরেসন & ফারমর্স রেলফিয়র
- দিপার্টমেন্টস ওফ এনিমেল হজবেন্দ্রি, দেরিয়িং & ফিসরিজ
- মিনিস্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেস্ট এন্দ ক্লাইমেত চেনজ
- মিনিস্ট্রি ওফ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্টরপ্রাইজেস
- মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিংকিং রাতর & সেনিতেসন
- দিপার্টমেন্টস ওফ স্কুল ইদুকেসন & লিতরেসি
- মিনিস্ট্রি ওফ হেল্থ & ফেমিলি রেলফিয়র
- মিনিস্ট্রি ওফ রীমেন & চাইল্দ দিব্লপমেন্ট
- দিপার্টমেন্টস ওফ ফুদ & পব্লিক দিস্ট্রিব্যুসন
- মিনিস্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফিয়র্স & মিনিস্ট্রি ওফ সোসিয়েল জস্টিস & ইম্পাৱারমেন্ট
- দিপার্টমেন্টস ওফ ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসশীং
- মিনিস্ট্রি ওফ পাৱার
- মিনিস্ট্রি ওফ পেত্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস




Public Information Board

### পীপল্স প্লান কেম্পেন: এক্তিবিতিশীং & এক্সন আইতেমশীং

- কেম্পেন অদুগী নোদেল ওফিসরশীং খনবা অমসুং ৱেব পোর্তেল (www.gpdp.nic.in) দা রেজিস্টর তৌবা
- গ্রাম পনচায়ত/রুরেল লোকেল বোদি খুদিংমক্কি ফেসিলিতেতর খনবা
- গ্রাম সভাশীং পাংথোক্নবা গ্রাম পনচায়তকি ওইবা কেলেন্দর ফাইনেলাইজ তৌবা
- তরামাথোই শুবা সেদ্যুলগী সবজেক্ত 29 গা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশীং লোইনমক্কি ফ্রন্টলাইন ৱার্করশীং খনবা অদু মদুগীদমক থম্বা নুমিৎশীংদা গ্রাম সভাগী মীতিংশীংদা স্ট্রকচর নাইনা লানথোক্নবা মথৌ থংথবা।
- গ্রাম পনচায়ত খুদিংমক্তা পব্লিক ইনফোরমেসন বোর্দ উৎপা অমসুং ৱেব পোর্তেলদা মদুগী জিও-তেগ তৌবা ফোতোগ্রাফশীং অপলোদ তৌবা।
- চথরিবা গ্রাম সভা মীতিংশীংগী জিও-তেগ তৌবা ফোতোগ্রাফ (শীং) অপলোদ তৌবা।
- প্লানপ্লস এপ্লিকেসনদা অয়াবা পীরবা প্লান ফোংবা

### ফেসিলিতেতরশীংগী রোল:

- মিশন অন্তোদয় (MA) গী মখাদা সর্ভে তৌ MA ফোরমেত শীজিন্নরগা।
- GPDP গী স্পেসিয়েল গ্রাম সভা অদু মদুগীদমক থম্বা নুমিৎতা ফেসিলিতেত তৌ।
- SC/ST/নুপী গুম্বা খুদোংথিবা নংবা য়াবা সেক্সনশীং য়াওনা গ্রাম সভা মনুংদা কম্যুনিতি মোবিলাইজেসন তৌহল্লু।
- গ্রাম সভানা মথৌ তৌবগী মতাংদা পোর্তেলদা রিপোর্ত অমা সবমিত তৌ।

ওড়িশা

# মৈহৌরোনগী জ্ঞানগী মতেংনা পোখোক ফহনবা সীদ মদর মোদেল

**অদিবাসি নুপীশীংনা মৈহৌরোন্দগী মরুশীং য়োক্তুনা অমসুং থমজিন্দুনা লাক্লি। মখোয় মরুশীং য়োক্তুনা থম্বগী মপোকচৌদগী জ্ঞান লৈরকই। ORRISSA না মরু খোমজিনবগী অমসুং য়োক্তুনা থম্বগী মৈহৌরোনগী প্রোসেসকি মপোকচৌদগী জ্ঞান লৈবা রিসোর্স লৈবা নুপীশীং খরা মশক খঙদোক্লে।**



### বেকগ্রাওন্দ

মল্কাঙ্গিরি অসি ওড়িশাগী ত্রাইবেলনা মশীং হেনবা জিলাশীংগী মরক্তা অমনি। জিলা অসিদা, ত্রাইবেল লৌমি ময়াম অমা কৈথেলদগী লৈরকপা মরুশীং শীজিন্নদুনা য়েংলুবদা অফবা লম অদুগী ওইবা মহৈ মরোংগী তোঙান তোঙানবা মখলশীং মাংখ্রে। ফজনা মেনেজমেন্ট তৌদবদগী অমসুং সরকারনা ফোকস ৱাৎপদগী লম অদুগী হান্নগী মওংদা হল্লকপা ঙম্বা, অফবা কালিতিগী মরুশীং তপ্পা তপ্পা মরু ওইবা মাংশিল্লক্লি অমসুং মাং তাকপা ওইরক্লি। লৌমি মচাশীং অমসুং মার্জিনেল ওইবা লৌমিশীংনা কৈথেলগী মরুশীংগী মখা পোনবা অদু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি, মসিনা মখোয়না লৌ উবা অদুদা শেল হেন্না থাদবা ওইহল্লি।

ORRISSA অসি হৌজিক্কি মতমগী লৌউবগী এপ্রোচশীংদা য়ুম্ফম ওইরগা, মলকাঙ্গিরি অমসুং কন্ধমাল জিলাগী খুঙ্গংশীংদা হেন্না ফবা লৌউ-শিংউবগী প্রাক্তিসশীং য়োকখৎতুনা লাক্লিবা NGO অমনি। মসিগী লাপ্পবা ত্রাইবেল পোকেতশীং অসিদা কৈথেলদগী লৈরকপা মরুশীং অসিনা সস্টেনেবল ওইবা ফলশীং পীবা ঙম্লোই হায়বসি মখোয় তপ্পা খঙলকখি। হেন্না ফবা ভেরাইতিশীং অদুনা লম অমগী ক্লাইমেতকি খেন্নবা অদুদা করিগুম্বা মতমদা চুনবা ওইদে। মখোয় তিলহাৎহিদাক অমসুং হারগী মওংদা মমলদসু হেনগৎহল্লি, মদুনা লৌমি মচাশীং অমসুং মার্জিনেলাইজ তৌবা লৌমিশীংবু ফূদ ইনসেক্যুরিতিগী লাংদা থুহল্লি।

কৈথেলগী মরুশীং শীজিন্নদুনা য়েংলিঙৈদা অদিবাসি লৌমি ময়াম অমা মৈহৌরোন্দগী লৈরক্লবা লম অদুগীওইবা মখল মখাগী তোঙানবা ভেরাইতিশীং মাংখ্রে। লম অদুগী রেসিলিয়েন্ট ওইবা মহৈ-মরোংগী সিস্টেম অদু প্রোসেস অসিনা মাং তাকহল্লি। কম্যুনিতি অদুগা ৱা তান্নবদা মৈহৌরোনগী লৌউ শিংউবা মওং হৌজিক ফাওবা চৎনবা য়ারি হায়বা থাজবা পী।

### মরক থৎপা

অদিবাসি নুপীশীংনা মৈহৌরোন্দগী মরুশীং য়োক্তুনা অমসুং থমজিন্দুনা লাক্লি। মখোয় মরুশীং য়োক্তুনা থম্বগী মপোকচৌদগী জ্ঞান লৈরকই। ORRISSA না মরু খোমজিনবগী অমসুং য়োক্তুনা থম্বগী মৈহৌরোনগী প্রোসেসকি মপোকচৌদগী জ্ঞান লৈবা রিসোর্স লৈবা নুপীশীং খরা মশক খঙদোক্লে। মসিগী নুপীশীং অসিবু সীদ মদরশীং হায়না মমিং থোল্লি অমসুং মরু খোমজিনবগী অমসুং য়োক্তুনা থম্বগী মৈহৌরোনগী জ্ঞান অদু হন্না হৌদোকপদা মরু ওইবা ভূমিকা লৌই।

### সীদ মাদরশীং মশক খঙবা

ত্রাইবেল এরিয়াশীংদা, মৈহৌরোনগী মরুশীংগী জ্ঞান লৈবতা নত্তনা লম অদুগী মরুশীংগী ভেরাইতিশীংসু থমজিনবা নুপীশীং লৈ। মখোয়বু খুঙ্গং অমমমদগী সীদ মদরশীং হায়না মশক খঙনৈ, মখোয়না খুঙ্গংগী থাক্তা কম্যুনিতি অদু মোবিলাইজ তৌই অমসুং মখোয়গী মমান্নবা লৌমিশীংদগী জ্ঞানসু খোমজিল্লি।

### সীদ মেপ্পিংগা লোয়ননা ক্রোপ প্লান তৌবা

সীদ মদরশীংনা চহীগী ওইনা খুঙ্গংগী থাক্তা খুঙ্গং 3-4 য়াওনা ক্লস্টরগী থাক্তা সীদ মেপ্পিং শিল-লাংই। লৌমিশীংগী মনাক্তা লৈবা মরুশীং অদুসু প্রোসেস অসি শীজিন্নরগা লিস্ট তৌই। মরু অমসুং লম মখলশীং মশক হেক খঙবগা, ইমুংশীং অদুনা মখোয়গী লমদা থাগদবা অচুম্বা মখলগী মহৈ-মরোংশীং অমসুং মরুশীং খল্লি।

‘মহিলা কিসান সশক্তিকারন পরিয়োজনা (MKSP) অসি দীনদয়াল অন্ত্যোদয় য়োজনা-নেস্নেল রুরেল লাইবলিহূদ মিশন (DAY-NRLM) গী সব কম্পোনেন্ট অমা ওইনা হৌদোকখি। MKSP না হিংনবগী দোমেনদা নুপীশীংনা ময়োল ওইবা অদুদা ফোকস তৌই অমসুং মরম অদুনা সস্টেনেবল ওইবা লৌউ-শিংউবগী পোৎ পুথোকপদা হকথেংননা অমসুং নাকোইননা শৌগৎপা পীনবা পান্দম থম্মি।’

**শ্রি অমর্জিত সিনহা**
সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিব্লপমেন্ট এন্দ পনচায়তি রাজ



**বাইওদাইবর্সিতি মেপ্পিং**

বাইওদাইবর্সিতি মেপ্পিং হায়বসি তোঙান তোঙানবা ঋতুশীংদা পুথোকপা পোথোকশীংগী মতুং ইন্না লম অমগী মহৌশাগী রিসোর্সশীং উৎপা কম্যুনিতিনা লমজিংবা প্রোসেস অমনি। লৌমিশীংনা মথোয়বু উৎপদা নত্তনা মথোয় অদুগা লোয়নবা ভেল্যুশীং অদুসু ময়েক চোংথোক্লা হায়।

**সীদ মল্টিপ্লিকেসন**

সীদ মেপ্পিং অমসুং বাইওদাইবর্সিতি মেপ্পিংগা লোয়ননা ক্রোপ প্লান্নিং তৌবনা মসিগুম্বা মমল য়াম্বা মরুশীং অসিগী দরকার ওইবা শেম্মি। মরু ওন্নবা অসি সীদ মদরশীংনা পাংথোকপা কন্না তৌবা থবক অমা অদুম ওইরবসু, খুঙ্গং অদুনা তৌনিংবা ৱাখল লৈবা লৌমিশীংবু অহানবদা মরুশীং মল্টিপ্লাই তৌনবা খল্লি, অদুদ্গী মদু খুঙ্গং অদুগী মমান্নবা লৌমিশীংগা ওস্নোক্লগনি। খুঙ্গং অসিগী নুপীশীংগী গ্রুপ অদুনা মরুশীং অদু মল্টিপ্লাই তৌবা ইমুংশীং মতেং পাংনবা মনা মশীংগী মরু মচাশীং থানবা ঋতুগী ওইবা নসরিশীং লিংখৎলি।

**সীদ প্রিজর্বেসন**

মরু লীদুনা থম্বদা কম্যুনিতিগী লৈবা জ্ঞান অদু জ্ঞান শরুক য়ামিন্নদুনা অমসুং তৌগদবা থবকশীং অদু গ্রুপনা ওইনা লৌখৎতুনা মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। মরুশীং লীদুনা থম্বগী দরকার ওইবা মৈহৌরোনগী এপ্রোচ অমগী খুদম ওইনা, ৱাগী থুম্মোকশীংদা লীদুনা থম্বা ফৌ মরুশীংবু তিন-কাং চংদনবা লৈবাক অমসুং শন্থি ঈশীংদা থিৎপা অমনা নপশিল্লি। অদুদ্গী পাত্র অদু নুংশিৎ চংদনবা খুমজিল্লে অমসুং থুম্মোক অদুগী মথক অদু চরুগা লৈখোমগা অমসুং শন্থিগাগী মখুম অমনা চেৎনবা কুপশিন্দুনা থম্লে। খরা তুংকোইনা থম্বা য়াদবা হৰাই মরুশীং অদু লম অদুগী হীদাক-লাংথক শেম্বা য়াবা মনাশীংগা অমসুং মৈ থানবা শীংগী মকুমগা য়ানশিন্নরগা লীদুনা থম্লে মরুশীং অদুদা য়াওবা ঈশাংগী শরুক অদুম লৈনবা অমসুং মখোয়বু তিন-কাংদ্গী ঙাকথোক্লবা।

**স্কেল তৌবা য়াবা**

মসি লম অদুদ্গী হৌরকপা মরুশীং কনজর্ব তৌদুনা অমসুং মল্টিপ্লাই তৌদুনা মহৈ-মরোং দাইবর্সিফিকেসন তৌবা হেনগৎহন্নবগী য়াম্না ফবা মেথোদ অমনি। অদুবু সীদ মদর অমা ওইবা হায়বসি মশানা য়ানা তৌজবা থবক অমনি মসি কোন্না এন্টরপ্রাইজ মোদেল অমদা চৎপা য়াই লোকেল এরিয়া অদুদা হন্থবা মমলশীংদা অফবা কালিতিগী মরুশীং ফংহন্নবা। ♦

## ফূদ ফেস্টিবেল

**সীদ মদরশীং অদুনা খুঙ্গংগী থাক্কি ফূদ ফেস্টিবেলশীং অদু লুচিংই মমান্নবি নুপীশীং অমসুং নুপাশীং অদুগা থবক তৌমিন্নদুনা। খুন্দারিবা মফমশীং অদুগী অকোয়বদা ফংবা ঋতুগী ওইবা চীনজাক্কি হৌরকফমশীং অদু শীজিন্নদুনা নুপীশীং অদুনা তোঙান-তোঙানবা মথেলশীং থোঙডি। নুপীশীং অদুনা চানবশীং অদু য়েল্লি অমসুং মখোয়না লোকপা অমসুং লোক্তবা চীনজাক্কি হৌরকফমশীংগী মরমদা ৱারী বাতাই শান্নদুনা খন্নে।**

1) রিসোর্সশীং অমসুং জ্ঞান লেন্না এক্সচেনজ তৌবা অদুনা মরক থৎপা অসি থাক অমদা পুই খুদোংচাবা ফংদবা কম্যুনিতিশীংনা মদুগী প্রিন্সিপলশীংদা চাননবা তৌবা য়াই। খুদোংচাবশীং অকরুনা ফংবা মতমদা, কম্যুনিতিশীং হেন্না রেসিলিয়েন্ট ওই হায়বসি খঙজিনবা য়াই।

2) লম অদুগী ওইবা মরুশীংনা মরুশীং লেন্না ওন্নহনবা য়াই অমসুং লৌমিশীংবু কৈথেলগী মরুশীংগী মখা পোলহন্দে।

3) খম থেংবা ক্লাইমেতকি কন্দিশনশীং মনুংদা ফাওবা মিনরেল মরাং কায়না য়াওবা মরু ওইবা চানবা চীনজাক পীবা মিলেটতা য়ুম্ফম ওইবা মহৈ-মরোংশীং অকংবা লমশীংদা হন্না হৌদোক্লে, মরমদি লম অদুদা ফংবা মরুশীং অদু ক্লাইমেত হোংবগী ইফেক্তশীংদ্গী রেসিলিয়েন্ট ওই।



4) সীদ মদরশীং অদু ইকোলোজিকেল ফার্ম প্রিন্সিপলশীংদা য়ুম্ফম ওইরগা সস্টেনেবল ওইবা লৌউবগী প্রাক্তিসশীং তম্বিনবা অতোপ্পা মফমশীংদা লৌমিশীংবু ত্রেন তৌনবা হৌজিক কম্যুনিতি রিসোর্স পর্সনশীংগা লোয়ননা বার্তন তৌরে।

# নুপী 500 না পুন্না হোৎনরগা শেম্বা এন্ত্রপ্রেনর অমা - থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদ

## নুপীশীংনা ফৌ লোকপদা মশা মথন্তদা তৌজবা; অতোম্পশীংদা খুদম অমা শেম্বা

থেন্নলা হায়বসি কেরলগী মল্লাপুরম জিলাদা লৈবা খুঙ্গং অমনি। থেন্নলা অসি অফবা ক্বালিতিগী চেংগীদমক মশক খঙনরক্লি, মদু থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদনা পুথোকই অমসুং য়োল্লি। প্রদ্যুসর কম্পনি অদু সেপ্তেম্বর 09, 2015 দা লৈরকখিবনি। মদু মল্লাপুরম জিলাগী থেন্নলা পনচায়ত তা লৈবা জোইন্ট লাইয়েবিলিতি গ্রুপ্স (JLG শীং) অমসুং নেবরহূদ গ্রুপ্স (NHG শীং) গী লৌমি মেম্বরশীংনা মপু ওইবনি। প্রদ্যুসর কম্পনি অদু 'থেন্নলা রাইস' হায়না কৌবা ব্রান্দ মমিংগী মখাদা অফবা ক্বালিতিগী ওর্গানিক চেং পুথোকপা, প্রোসেস তৌবা অমসুং মার্কেত তৌবদা য়াওই। প্রদ্যুসর কম্পনি অদুগী মেম্বরশীংনা থেন্নলা এগ্রো প্রদ্যুসর্স কম্পনি লিমিতেদনা প্রদ্যুসরশীং, লৌমিশীং, কৈথেলশীং অমসুং প্রোফেস্নেলশীংনা কম্যুনিতিনা কান্নবা ইফেক্তিব ওইবা অমসুং মীচং-মীখায় নায়দবা কারবার অমা তৌনবা পুন্না লাক্নবা, থবক শুমিন্নবা অমসুং হোৎননবা ইকোসিস্টেম অমা পী হায়না থাজৈ।



**এন্তরপ্রাইজ অদু হৌরকপা অমসুং মথং-মথং ওল্লকপা**

অহৌবদা, গরিমা ফারমর্স গ্রুপপু কেরলগী স্টেট রুরেল লাইবলিহূদস মিশন ওইবা কুদুম্বশ্রীনা জোইন্ট লাইয়েবিলিতি গ্রুপ (JLG) অমা ওইনা য়োকখৎলম্মি। মদুগী পান্দমদি ফৌ য়োনবগী মহুৎতা ফৌ পুথোকপা অমসুং প্রোসেস তৌবা অমসুং চেং অমসুং চেংগী পোথোকশীং ফেসিলিতিতে তৌবনি। অদুদ্গী, লৌমিশীং অদুনা মখোয়গী পোথোক অদু হোলসেল লল্লোনবশীংদা য়োল্লম্মি অমসুং মদুবু থেন্নলা চেং হায়না মমিং থোল্লম্মি। মদু দিমান্দ ফজনা লৈরম্মি অদুম ওইনমক মদু ব্রান্দিং তৌরমদে মরম অদুনা প্রিমিয়ম মমল অমা ফংবা ঙম্লমদে। লৌমিশীং অদু মখোয়না খনজবা য়াবা অমত্তা লৈরমদে মরম অদুনা মখোয়না ব্বানা থাজরগা লোকচবা অদু মরক্তা লৈবা মীদা অমসুং সপ্লাইয়রশীংদা হন্থবা মমলদা য়োনবা তাখি।

থেন্নলা পনচায়তনা রাজ্য সরকারদগী 'হরিথা মল্লাপুরম প্রোজেক্ত' কি মখাদা মহৈ-মরোং পুথোকপগা মরি লৈনবা মেছিনরি খরা ফংখি, মদুবু অতোম্পা অমদা JLG গ্রুপতা পীথোকখ্রে। মল্লাপুরম দিস্ট্রিক্ত মিশননা পনচায়তশীংবু লনাই লৌবুকশীংদা ফৌ লোক্নবা মথক্কি মেছিনরি অসি শীজিন্নবা সজেস্ট তৌখি। মরুশীং অদু কৃশি ভবননা পীখি। CDS মেম্বর 10 না গ্রুপ অমা ওইনা পুনশিনখি অমসুং পনচায়তনা লম একর 14 লীজদা লৌখি।

প্রোজেক্ত অদু য়াম্না থৱাই য়াওবগা লোয়ননা হৌখ্রবসু,

খঙহৌদনা তিনফাশীংনা চিকপদ্দগী মেম্বর ময়াম অমা মখোয় মশা লৌউবগী ভেনচর অদুদ্দগী তোকখিরম্মি। মমৈথংদা মেম্বর 4 খক্তং লেমহৌরম্মি তৌইগুম্বশুং মখোয় মাংদা চংশিন্নিংলম্মি। গ্রুপ অদুনা শীজিন্নদবা ফৌগী লৌবুক একর তরামরিগী লম অমদা লৌউবা হৌরম্মি, মহৌশানা পলক্কলগী ফৌ লৌবুকশীংদা থাবা মুন্দকন ফৌ মরুশীং শীজিন্নরগা। মসি মায় পাকপা অমা ওইরম্মি। লৌরোক অদুগী শরুক খরা মেম্বর লৌমিশীং অদুগী মরক্তা য়েন্নরম্মি অমসুং লেমহৌবা অদুনা ভারাদা লৌবা য়ুম অমদা হাপতুনা থম্লম্মি। স্টোরেজ হাওস অদুদা হাপতুনা থম্বা ফৌ অদু সপ্লাই কম্পনিদা য়োল্লম্মি। ফৌ অদু য়োনবগী পৈসা অদু চহী অমগী মতুংদা ফংলবসু ফংনা, গ্রুপ অদুনা মখোয়গী এন্টরপ্রাইজ বিজিনেস অদুদা মাংদা চংশিল্লম্মি।

থেন্নলাগী CDS গী চিয়রপর্সন ওইবা মিস য়াসমিন অরিম্বরানা গ্রুপ অসিগী লুচিংবনি মখোয়না ভেনচর অসিদা মায় পাক্কনি হায়না কন্না থাজরগা। মহাক্না নীংবা কনবনা মরম ওইদুনা অতোপ্পা নুপীশীং মসিদা য়াওনবা পুক্নিং থৌগৎখিবনি অমসুং মসিনা 'ফৌগী রিভোলুসন' গী লম্বী শেমখি। মসিগী মোদেল অসিনা অতোপ্পা JLG শীংদসু ফৌ থাদুনা লোক্লবা থাজবা পীখি। মসিগী মতুংদা, তেল্লবা মতমগী মনুংদা লম একর 236 খক লৌ উনবা মেম্বরশীং য়াম্না হেন্না য়াওরকখি। অসুন্না লোকপা ফৌ অসি 'থেন্নলা কুদুম্বশ্রী ফৌ' হায়না ব্রান্দ তৌরম্মি।

লৌমি নুপীশীং অদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিল্লম্মি অমসুং অপুনবা পনচায়ত অমদা মখোয় মশাগী কম্পনি অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌরম্মি। মখোয় মশাগী ওইনা থবক তৌজনবা পান্দমগা লোয়ননা মেম্বর 500 গী প্রদ্যুসর কম্পনি অমা শেম্লম্মি। করি তৌগদবনো হায়না হান্না য়াৎথোকপা অচৌবা থবক থৌরমশীংদা ওর্গানিক ফৌ লৌশিনবা, মদু অতোপ্পগা লম্বা তৌবা য়াবা মমলশীংদা চেং অমসুং মখল মখাগী চেংগী পোথোকশীংদা ওইনা প্রোসেস তৌবা য়াওই।

দিস্ট্রিক্ত মিশন অমসুং বেঙ্কশীংনা প্রদ্যুসর কম্পনি অদুবু তরাম্না ওক্লম্মি অমসুং মেম্বরশীংদা লোনশীং পীরম্মি। কোন্না, থেন্নলা এগ্রো প্রদ্যুসর কম্পনি কৌবা প্রদ্যুসর কম্পনি অমা JLG শীংগা মরি শম্নদুনা হৌদোক্লম্মি। থেন্নলা এগ্রো প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদ অদু প্রদ্যুসর কম্পনি অমা ওইনা ইনকোরপোরেতেদ তৌরম্মি।

**এন্তরপ্রাইজ অমসুং বিজিনেস মোদেল**

থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদ অসি লৌমি প্রদ্যুসর 500 না মেম্বর বেনিফিসিয়রি ওইনা লৈবা য়ুনিৎ অমখক্তংগী এন্তরপ্রাইজ অমনি। থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদকি মরু ওইবা এক্তিবিতিশীংদা ফৌ লৌশিনবা অমসুং চেংদা প্রোসেসিং তৌবা; কুদুম্বশ্রী অমসুং অতোপ্পা এজেন্সিশীংনা পাংথোকপা য়ুমগী দুকানশীং অমসুং মেলাশীংদা ওর্গানিক চেং অমসুং চেংগী পোথোকশীং মার্কেতিং তৌবা য়াওই।

**ফৌ পুথোকপা অমসুং প্রোক্যুরমেন্ট তৌবা**

মেম্বরশীং অদুনা মখোয় মশেল মতেং লৌনদুনা অমসুং অমনা অমগী লৌবুক্তা লেবর শরুক য়ামিন্নবদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌমিন্নে মরু ওইনা ফৌ মরু থানবা ফৈদোম শেম-শাবদা অমসুং লৌহোল চাইবদা, মরমদি মখোয়শীং অসি লেবর য়াম্না চংবা প্রোসেসশীংনি অমসুং অসুন্না তৌবনা লেবরদা তিংবা খরচাসু খ্বাইদগী য়ামহল্লোই।

থেন্নলা প্রদ্যুসর কম্পনিগী মেম্বরশীংনা মরক্কদ্দপম, ভালক্কুলম পাদম, অপলা পাদম, পালকল পাদম অমসুং এরনজিপ্পদম ফৌ লৌবুক মঙাদা ফৌ লোক্লম্মি। মখোয় ফৌ ভেরাইতি মঙা মরু হুল্লম্মি মমিংদি উমা, ঐস্বরয়া, সিয়োন, নজবরা, জয়োতি অমসুং পোন্নি কৌই। থেন্নলাগী ফৌ অসি মহৌশাগী হার অমসুং ভর্মিকম্পোস্টগুম্বা ওর্গানিক পোৎশীং শীজিন্নরগা লোকপনি অমসুং কেমিকেলগী ওইবা হার অমত্তা শুকশী শীজিন্নদে। মখোয়না মখোয়গী পোথোকশীংগী ওর্গানিক সর্তিফিকেতসু ফংনবা দরখ্বাস্ট থাখ্রে।

প্রদ্যুসর কম্পনি অদুনা ফৌ অদু হকথেংননা জোইন্ট লাইয়েবিলিতি গ্রুপ্স (JLG শীং) তগী লৌই, মদু খোমজিল্লি অমসুং মদু চেং তক্লবা মিলদা থাই মকূ খোক্তোকপা, গ্রেদিং অমসুং পোলিশিং গুম্বা মখা তাবা প্রোসেসশীং তৌনবা।



প্রদ্যুসর কম্পনিনা অদুনা অদুদ্দগী চেং অদু 'থেন্নলা রাইস' ব্রান্দগী মখাদা 2 কিলোগ্রাম, 5 কিলোগ্রাম অমসুং 10 কিলোগ্রাম গী পেক ওইনা পেকেজ তৌই। মখোয় ফ্লেকশীং, রাইস ব্রান, পয়াসম রাইস, অতেকপা চেং অসিনচিংবা ভেল্যু এদেদ প্রদক্তশীংদা চংনবা হোৎনরি। হৌজিক হৌজিক, চেং অসি কিলোগ্রাম অমদা লুপা 50 গী রেত তা য়োল্লি। পোথোক্কি মমল অদু প্রদ্যুসর কম্পনি অদুগী বোর্দ ওফ দাইরেক্তরশীংনা লেপ্পি।

**ফাইনান্সিং**

প্রদ্যুসর কম্পনি অদু মেম্বর 500 গী শেয়র কেপিতেল লুপা লাখ 5 না ফাইনান্স তৌবনি, লনাই মেম্বরশীং অমমমনা লুপা 1000 গী শেয়র ভেল্যু অমা পী, লুপা লাখ 10 গী সপোর্ত NABARD তগী লাকই অমসুং লুপা লাখ 10 তগী শেল-থুমগী সপোর্ত কুদুম্বশ্রীনা পী।

**মার্কেতিং, সেল্স অমসুং শেন্দোংশীং**

থেন্নলা প্রদ্যুসর কম্পনি মখোয়গী পোথোকশীং অদু লম অদুগী রিতেল স্টোরশীং, রিতেল প্রোবিজন দুকানশীং, লম অদুগী লনাই লৈবা মীশীং অমসুং বেঙ্গলোর এগ্রি ফেয়র গুম্বা মেলাশীংদা য়োল্লি। কুদুম্বশ্রীনসু থেন্নলা চেং অসি মখোয়গী কেরল রাজ্যদা চলায়রিবা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশীংগীদমক লৈ, মখল মখাগী নেচরেল হীলিং সেন্তরশীং অমসুং অয়ুরবেদ কেন্দ্রশীংনা প্রদ্যুসর কম্পনি অসিদ্দগী চেং লৌই। থিরুরদা লৈবা নেচরোপেথি সেন্তরনা থেন্নলা চেং চাং নাইনা লৈরি। কম্পনি অসিনা চেং অমসুং চেংগী প্রদক্তশীং মার্কেতিং তৌনবা রাজ্য ফাওনা লৈবা এজেন্সি ময়াম অমগা তাই-অপশীং

হান্ননা তৌখ্রে। পোত্থোকশীং অসি লৈবাক্কি মপান্দগী ফাওবা দিমান্দ লাকই।

**সমস্যাশীং অমসুং চেলেনজশীং**

থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদ অসি চেলেনজশীং অমসুং সমস্যাশীং ময়াম থেংনরি। চেলেনজশীং অসিদা ওপরেস্নেল কোস্টশীং ৱাংবা য়াওই অমসুং মওং তাবা মার্কেতিং স্ট্রেতেজিশীং ৱাৎপা, তেক্নোলোজিদা এক্সেস তৌবা ৱাৎপা, স্টেন্দর্দ ওইনা শেম্বা পেকেজিং অমসুং ব্রান্দিং সিস্টেমশীং য়াওনা অহেনবা ওভরহেদশীং, ইনফ্রাস্ট্রকচর ফত্তবা মরু ওইনা ৱায়রহাওসিং নত্ত্রগা ফৌ অমসুং পেক তৌবা চেং স্টোর তৌবা, লৌমিশীংদ্দগী কা হেন্না লাপমনবা ভারাদা লৌবা গোদাওনদা তিংবা খরচা ৱাংবা অমসুং ফৌ প্রোসেস তৌনবা মিলদা তকপগী মমল, শিল-লাংবগী স্কিলশীং ৱাৎপা। হান্নদি মখোয় মিলদা ফৌগী ৱায় অমসুং ব্রান লেন্না পীরম্মি। প্রদ্যুসর কম্পনি অদুনা ফৌগী ৱায় অমসুং ব্রান অদু য়োন্দুনা মখোয়গী রেভিন্যুশীং সপোর্ত তৌনবা লেপখ্রে।

**শাসন**

থেন্নলা এগ্রো ফারমর্স প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদতা 126 JLG শীং লৈ। 10-15 JLG শীং পুনশিন্নদুনা, ক্লস্টর অমা শেম্লম্মি অমসুং ক্লস্টর অমমমগী সেক্রেতরি অমা অমসুং প্রসিদেন্ট অমা লৈ। ক্লস্টর খুদিংগী দাইরেক্তর অমা লৈ। প্রদ্যুসর কম্পনি অদুগী দাইরেক্তর 10 লৈ। দাইরেক্তর চহী 3 থবক পুগনি। দাইরেক্তর অদু প্রদ্যুসর কম্পনিগী জেনেরেল বোদিনা খল্লি। থেন্নলা প্রদ্যুসর কম্পনি অসি কন্মিত্তিশীংগী মতেংনা ওপরেত তৌই, মখোয়শীং অসি ফৌ লৌশিন্নবা, চেং মার্কেতিং তৌনবা অমসুং প্রদ্যুসর কম্পনি অসিগী পুল্লপ ওইবা মেনেজমেন্ট তৌনবগী শেম্মি।



**ত্রেনিং অমসুং কেপাসিতি বিল্দিং**

নুপী মেম্বরশীংগী ত্রেনিং অমসুং কেপাসিতি বিল্দিং তৌবা অসি কুদুম্বশ্রীনা মহিলা কিসান সশক্তিকরন পরিয়োজনা (MKSP) না তৌই। তুংদদি, চাং নাইনা ত্রেনিং অমসুং কেপাসিতি বিল্দিং প্রোগ্রামশীং অমসুং এক্সপোজর ভিজিতশীং তৌবা অসি প্রদ্যুসর কম্পনিগী মেম্বরশীং অমসুং ওফিস পায়বা মীশীংগীদমক দরকার ওইগনি। মসিগী মথক্তা, প্রদ্যুসর কম্পনিগী ওফিস পায়বা মীশীং অসি ফাইনান্সিয়েল একাওন্টিং, হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ট, MIS অমসুং IT গুম্বা মেনেজিরিয়েল ওইবা হীরমশীংদা তম্বিবা য়াই।

**তুংগী প্লানশীং**

কম্পনিনা থেন্নলা খুঙ্গংদা ফৌগী সীদ বেঙ্ক অমা লিংখৎনবা অমসুং সীদ বেঙ্ক অদুগী লম অদুগী ফৌগী মখলশীং খরগা হেন্না লৌ লোক্লবা প্লান তৌই। মরুশীং অসিনা ফৌ লৌউবশীংবু ফৌগী ক্বালিতি মেন্টেন তৌনবা মতেং পাংই। অদুগসু, কম্পনি অসিনা নবরা রাইস ফ্লোর অমসুং বনানাগা লোয়ননা অনৌবা বেবি ফুদ প্রদক্ত অমা লোনচ তৌনবা প্লান তৌই। ওর্গানিক অবল রাইস অমসুং অকংবা উহৈশীংগুম্বা মরু ওইবা অচৌবা ইনগ্রেদিয়েন্টশীংগা লোয়ননা ভেল্যু এদেদ প্রদক্ত অমা ওইবা অনৌবা ব্রেকফাস্ট সিরিয়েল অমা লোনচ তৌনবা প্লান তৌই।

**ইমপ্লিকেসনশীং**

থেন্নলা প্রদ্যুসর কম্পনি অসিনা মেম্বর প্রদ্যুসর 500 গী হিংনবগী লম্বীশীং অমসুং চাং নাইবা ইনকম পীরি অমসুং মখোয়না হেন্না নুংঙাইনা পুন্সি হিংবা ওইহল্লি। স্টোরেজ, প্রোসেসিং, পেকেজিং তৌনবা মখোয় মশাগী ইনফ্রাস্ট্রকচর অমসুং ত্রেনিং অমসুং কেপাসিতি বিল্দিংগী ফেসিলিতিশীং শাগৎপা পাম্মি। মখোয়গী পোতেন্সিয়েল মপুং ফানা থুংননবা ইনভেস্টমেন্ট কেপিতেল অমসুং ৱর্কিং কেপিতেলগী এরেনজমেন্টশীং য়েংশিনবা দরকার ওই।♦

## স্বছ ভারত অভিয়ান

মহাত্মা গান্ধিনা মতম চুপ্পদা খুঙ্গংশীংগী মরু ওইবদা পুক্নিং চিংশিনখি অমসুং 'গ্ৰাম স্বরাজ' গী মরমদা ঙাংখি।

খুঙ্গংশীংদা অওনবা অমা পুরকপনা ভারততা অওনবা অমা পুরকহনগনিঃ পি এম মোদি

প্রধান মন্ত্রি আৱাস য়োজনা-গ্রামিন

দীনদয়াল অন্তোদয় য়োজনা রাস্ট্রিয় গ্রামিন আজিবিকা মিশন

খুঙ্গং চাওখৎনবগী প্লান

ভারত কি পনচায়ত মে পরিবর্তন করতা-আন্ধ্র প্রদেশ

এক SHG নেতা কি সফলতা কি কহানি - আন্ধ্র প্রদেশ

সধভাবনা কি রাহ - মহারাস্ট্র

অবরসিংহ পনচায়ত, ওড়িশা

বি. তেক. ইনজিনিয়র অমগী মায় পাকপগী ৱারী - রাজস্থান



সনসদ অদর্শ গ্রাম য়োজনা

# পুন্সি নুংঙাইনা হিংনবগীদমক খুঙ্গংবু পিঙ্ক জোরন্দাদা ওস্থোকপা

**ছত্তিসগড়দগী ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা হান্নগী রাজ্য সভা এম.পি. শ্রি নন্দ কুমার সাই না খুঙ্গং অদু SAGY গী মখাদা দিসেম্বর 2014 দা এদোপ্ত তৌদুনা মখোয়গী খুঙ্গংবু পিঙ্ক জোরন্দা ওস্থোক্নবা লেপখ্রে অমসুং মদুগী ওল-রাওন্দ দিব্লপমেন্ট তৌনবা লমজিংখ্রে।**

ছত্তিসগড়দগী ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা হান্নগী রাজ্য সভা এম.পি. শ্রি নন্দ কুমার সাই না খুঙ্গং অদু SAGY গী মখাদা দিসেম্বর 2014 দা এদোপ্ত তৌদুনা মখোয়গী খুঙ্গংবু পিঙ্ক জোরন্দা ওস্থোক্নবা লেপখ্রে অমসুং মদুগী ওল-রাওন্দ দিব্লপমেন্ট তৌনবা লমজিংখ্রে। জোরন্দঝারিয়া গ্রাম পনচায়ত অসি অয়াম্বনা ত্রাইবেলশীং লৈবা ছত্তিসগড়গী খুঙ্গং অনিনা শাবনি। - ওড়িশাগী ঙমখৈ। GP অসি ব্লোক হেদক্বার্তর ফর্সাবহারদগী 25 কিলোমীতর লাপনা অমসুং দিস্ট্রিক্ত হেদক্বার্তর জাশপুরদগী 107 কিলোমীতর লাপনা লৈ। জোরন্দঝারিয়া গ্রাম পনচায়তকি মী মশীং 1451 অমসুং য়ুমথোং 285 লৈবা খুঙ্গং 2 লৈ। ছত্তিসগড়দগী ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা হান্নগী রাজ্য সভা এম.পি. শ্রি নন্দ কুমার সাই না খুঙ্গং অদু SAGY গী মখাদা দিসেম্বর 2014 দা এদোপ্ত তৌদুনা মখোয়গী খুঙ্গংবু পিঙ্ক জোরন্দা ওস্থোক্নবা লেপখ্রে অমসুং মদুগী ওল-রাওন্দ দিব্লপমেন্ট তৌনবা লমজিংখ্রে।

অমুকখক দোক্তর অমনা SAGY খুঙ্গং অদু ভিজিত তৌরম্মি অমসুং পিঙ্ক অসি হেলদি ভিলেজগী খুদম অমনি হায়না পাও পীরম্মি অমসুং ঙসি খুঙ্গং অপুম্বা পিঙ্ক অসি মখোয়গী মচুনি হায়না লেপ্লে। মসি খনবা হেক মতুংদগী মসি মীয়ামগী আন্দোলন অমা ওইখ্রে। ছত্তিসগড়গী জাশপুর জিলাগী জোরন্দাঝারিয়া অসি ভারতকি সংবিধানগী সেদ্যুল V কি মখাদা PESA, 1996 চৎনবা মফমদা তাই।

## SAGY গী মপান্না অওনবা লাকপা

ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা এম.পি. অমসুং জিলাগী এদমিনিস্ট্রেসনন খুমাং চাওশিনবা অদু রিভ্যু তৌনবা তোয়না তোয়না ভিজিত তৌখ্রে। VDP দগী লোইশিল্লবা থবকশীং অদু লোইনমক অচৌবা মরু ওইবশীংনি, খুঙ্গংগী মীশীংগী নুমিৎ খুদিংগী পুন্সিদা মশীং থানিংঙাই ওইবা খুমাং চাওশিনবা পুরকই। ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা এম.পি., জিলাগী এদমিনিস্ট্রেসন অমসুং লম অদুগী কম্যুনিতিনা পুন্না হোৎনদুনা পোজিতিব ওইবা লমচৎ-শাজৎতা অহোংবা পুরকপদা GP অদুনা থোইদোক-হেনদোকপা থবক পাংথোকখ্রে। মমাংগী ইন্দিপেন্দেন্স দে দা, মীয়াম্না অতোপ্পা খুঙ্গং 15 বু মথংগী চহীদা এদিকসন্দগী কোকহনবা অমসুং ODF ওইহন্নবা প্রেরনা পীনবা ব্রাশকখ্রে। খুঙ্গংদা লৈবা মীশীং অদুনা মখোয় মশাবু য়ুমথংনবা পনচায়তশীং দি-এদিকসন তৌবা অমসুং ODF ওইনবা থবক তৌরি। GP অদুনা খুঙ্গংগী থাক্কি য়েৎনবশীংগী ফল পুরক্নবা মশা মনুংগী মেকানিজমশীং পুথোকচখ্রে।

মখোয়গী য়ুমশীং, তোইলেতশীংবু লৈ মচু শংলে অমসুং নুপীশীংনা লৈ মচুগী শারিশীং শেৎলে মখোয়গী খুঙ্গংবু মখোয়না 'পিঙ্ক জোরন্দা' হায়না কৌবা অদোমদা শরুক তম্নবা। মখোয়না মখোয়গী পনচায়তপু ODF, এদিক্সন্দগী কোকপা, সম্পুর্না সক্সর, সম্পুর্না সুপোসিত ওইহনখ্রে অমসুং মসিগুম্বা মাইলস্টোন ময়াম ফংখ্রে। GP অদু থংনবা খুঙ্গংশীংগী রোল মোদেল অমা ওইরে অমসুং জোরন্দাঝারিয়াগী খ্বাইদগী ফবা প্রাক্তিসশীং অদু গ্রাম পনচায়তশীং অদুদা লৌদুনা শীজিন্নরে।

## ইম্পেক্ত

মতম অমদা বেকৱার্দ ওইবা অমসুং চাওখৎপা ৱাৎপা খুঙ্গং অমা ওইরম্বা জোরন্দাঝারিয়া অসি SAGY GP অমা ওইনা এদোপ্ত তৌরবা মতুংদা হৌজিক 'পিঙ্ক জোরন্দা' ওইখ্রে মীয়াম্না বিল্দিংশীং লোইনমক লৈ মচু শংনবা খন্দুনা মদুনা মখোয়গী কলচরদা অমত্তা ওইবা, নুংঙাইবা, য়াইফবা অমসুং চাওখৎপা তাকই। কম্যুনিতিনা লুচিংবা সমাজগী চাওখৎপগী মতাংদা, পিঙ্ক জোরন্দা অসি অতোপ্পা খুঙ্গংশীংনা মতৌ তম্নবা অশেংবা আদর্শ গ্রাম অমা ওইখ্রে। ♦

# প্রজাশীংগী ইম্পৱারমেন্ট: MoRD দা মোবাইল এপ্লিকেসন

ICT বু স্ট্রেটেজিক ওইনা শীজিন্নবনা দিপার্টমেন্টশীং অমসুং লোয়নবা স্টেকহোল্দরশীং হৌজিক লৈরিবা প্রোগ্রাম মোদেলশীং ফগৎহনবা ঙমহল্লি অমসুং প্রজা/নাগরিকশীং লোইনমক্তা প্রোগ্রামগী ওইনা তাংদাংবা পাও পীনবা অনৌবা লম্বেলশীং হৌদোকই। একাওন্টেবিলিতি, ত্রান্সপরেন্সি অমসুং মীচং-মীখায় নাইদবা য়োকখৎনবা, রুরেল দিৱলপমেন্ট মিনিস্ট্রিনা ই-পাও খঙনবা নাগরিকশীংদা ময়োল ওইবা মোবাইল এপ্লিকেসনশীং দিৱলপ তৌখ্রে অমসুং লোনচ তৌখ্রে মদুনা ই-পাও চুম্বগী মতাংদা, মতম চুম্পদা স্কীম অমমমনা ফঙ্কসন তৌবা অমসুং দেলিভর তৌবদা কয়া য়ান্না খুমাং চাওশিনবনো হায়বদু খুঙ্গংগী লায়রবশীংবু মোনিতর তৌবা অমসুং ওদিত তৌবা ঙমহল্লি। মসিগী মায়কৈদা লৌখৎপা অচৌবা ইনিসিয়েতিবশীংগী মনুংদা মখাগী অসি য়াওই:




**ভারত সরকারগী চাওখৎপগী থবক্তা ত্রান্সপরেন্সি পুরক্নবা অমসুং থবক তৌনবগী তানজা পীনবা, মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিৱলপমেন্টনা ইনফোরমেসন অমসুং দিজিতেল তেক্নোলোজিগী মতেংনা মোবাইল এপ অমা লোনচ তৌখ্রে। নাগরিকশীংবু ময়োল ওইনা থম্বা মোবাইল এপ, খুঙ্গংগী নাগরিকশীংবু সেবা তৌনবা অমসুং শক্তি পীনবা শেম্বা অদুনা খুঙ্গংগী চাওখৎপা পুরক্নবা স্কীমশীংগী মতাংদা পাও লোইনমক্কি ময়াদা মখোয় হৌজিক এক্সেস তৌই, অমসুং মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয় লোকেল গোবর্নমেন্টকি য়ুনিৎশীংনা ক্লেম তৌবশীং ৱাহং হংবা য়াই।**

## “জনমনরেগা” নাগরিকশীংদা ময়োল ওইবা MGNREGS গী মোবাইল এপ

জনমনরেগা এপনা GeoMGNREGA গী এপ্লিকেসন অদু মখা তানা ফগৎহল্লে। মসি সিতিজন সেন্ত্রিক মোবাইল এপ্লিকেসন (CCMA) অমনি গ্রাওন্দ লেভেলদা অমসুং লেভেলদগী ই-পাও চেলহন্নবা খুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নৈ, মদুনা নাগরিকশীংবু সিস্টেম অদুগা শন্নগনি। মসিগী এন্দ্রোইদ এপ্লিকেসন অসিগী বেতা ভর্সন অদু হৌজিক মিনিস্ট্রিগী MGNREGA ৱেবসাইততা ফংই মদুনা জিওতেগ তৌবা মহাত্মা গান্ধি নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কীম (MGNREGS) গী এসেতশীং অদু ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গানাইজেসন (ISRO) গী ভুবন মেপ ইন্টরফেসতা মফম পুথোকপা য়াহনগনি লোয়ননা মখোয়গী এত্রিব্যুতশীং অমসুং ফোতোগ্রাফ অনি এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন এপ শীজিন্নদুনা। নাগরিকশীংনা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা শেমখিবা এসেতশীংগী মরমদা ফীদবেক পীবসু ঙমগনি।

## PMAY-G গী "AwaasApp" মোবাইল এপ




রুরেল হাওসিং মোবাইল এপ্লিকেসন হায়বসি এন্দ্রোইদতা য়ুম্ফম ওইবা এপ অমনি মসি PMAY-G বেনিফিসিয়রি অমনা হেক্তা নম্রগা মহাক্কি মীহুৎনা শেল-থুমগী মতেংগীদমক মথংগী ইনস্টোলমেন্ট ফংনবা শাগৎলিবা য়ুমগী ফিজিকেল প্রোগ্রেস রিপোর্ত তৌনবা হকথেংননা শীজিন্নবা য়াই।

এপ অসি দিজিগননেতদে তৌবা PMAY-G হাওস ইনস্পেক্তরশীংনা শীজিন্নবসু য়াই PMAY-G গী মখাদা শাবা য়ুমশীং ইনস্পেক্ত তৌনবা নম্রগা অতোম্পা খুঙ্গংগী হাওসিং স্কীমশীং অৱাস - সোফ্ট (MoRD গী রুরেল হাওসিং ঈ-গোবর্নান্স সোলুসন) শীজিন্নদুনা মোনিতর তৌনবা।

হাওস ইনস্পেক্তরশীংনা শীজিন্নবসু য়াই PMAY-G গী মখাদা শাবা য়ুমশীং ইনস্পেক্ত তৌনবা নম্রগা অতোপ্পা খুঙ্গংগী হাওসিং স্কীমশীং অৱাস - সোফ্ট (MoRD গী রুরেল হাওসিং ঈ-গোবর্নান্স সোলুসন) শীজিন্নদুনা মোনিতর তৌনবা। এপ অসি গূগল প্লে অমসুং এপ স্টোর দা ফংই।

**“মেরি সরক” মোবাইল এপ PMGSY গী**

“মেরি সরক” হায়বসি PMGSY




সরকশীংগী মরমদা রাজ্য সরকারশীং/নেস্নেল রুরেল রোদস দিভ্লপমেন্ট এজেন্সি (NRRDA) গী নোদেল দিপার্টমেন্টশীংদা থবক তৌবা কয়া য়াম্না য়াংবা, থবকশীংগী ক্বালিতিগী মতাংদা মখোয়গী ফীদবেক পীবা ঙম্নবা




মোবাইল এপ অমনি। য়ুজরনা সাইততা ফোতোগ্রাফশীং লৌবা অমসুং ফীদবেককা লোয়ননা সবমিত তৌবা য়াই।

ফীদবেক সবমিত তৌরবা মতুংদা, য়ুজর অদুনা এপ অসিগী মতেংনা মহাক্কি ফীদবেক অদু করম্না য়েংশিল্লে হায়বা মোনিতর তৌবা ঙম্মি। PMGSY পানশিল্লিবা নোদেল দিপার্টমেন্টকি মখোয়-মখোয়গী স্টেট ক্বালিতি




কোওর্দিনেতরশীং (SQC শীং) না য়ুজর অদুদা ইন্টরিম ওইবা পাওখুম পীগনি। এপ অসি গূগল প্লে দা ফংই।

**“কাউশল পনজী” মোবাইল এপ DDUGKY প্রোগ্রামগী**

কাউশল পনজি হায়বসি চহী 15 দগী 45 ফাওবগী চহী গ্রুপকি মরক্তা লৈবা খুঙ্গংগী নহাশীংনা শীজিন্নবা য়াবা এন্দ্রোইদতা য়ুম্ফম ওইবা মোবাইল এপনি মসিদা নহাশীংনা DDUGKY অমসুং MoRD গী RSETI প্রোগ্রাম শীজিন্নদুনা মহাক্লা খনজবা স্কিল অপগ্রেদ তৌবদা য়ুম্ফম ওইবা ত্রেনিং তৌনবা মখোয় মশানা রেজিস্টর তৌবা য়াই।♦



## গ্রাম সমবাদ মোবাইল এপ্লিকেসন

অরোইবা মী লেপ্লিবা অমসুং সরকারগী মরক্তা ‘ইনফোরমেসন অমসুং দাইরেক্সনশীং’ ফজনা চেলহন্নবগী প্রধান মন্ত্রিগী মঙলান অদু খঙলদুনা, “গ্রাম সমবাদ” মোবাইল এপ লোনচ তৌদুনা মরু ওইবা খোঙথাং অমা লৌখ্রে। মসি নাগরিকনা ময়োল ওইবা মোবাইল এপনি, খুঙ্গং চাওখৎনবগী স্কীমশীংগী মতাংদা পাও অয়াম্বা লোইনমক হৌজিক মখোয়না এক্সেস তৌবা ঙম্নবা থাক ফাওবদা খুঙ্গংগী নাগরিকশীংবু সেবা তৌনবা অমসুং শক্তি পীনবা শেম্বনি, অমসুং মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়না লোকেল গোবর্নমেন্ট য়ুনিৎশীংগী ক্লেমশীংবু ৱাহং হংবা য়াই। মসি গ্রাম পনচায়তকি থাকতা মখল মখাগী রুরেল দিভ্লপমেন্ট প্রোগ্রামশীংগী অকুপ্পা ৱারোল খঙনবা থোঙনাও অমনি।

**Can be downloaded from**

GET IT ON Google Play

Download on the App Store

## দীন দয়াল উপাধ্যায় গ্রামিন কাউশল য়োজনা (DDU-GKY)

# মায় পাকখিবা নুপীশীংগী প্রেরনা ওইনিংঙাই ৱারীশীং

### DDUGKY প্রোগ্রামগী ত্রেনর অমা ওইবা অমসুং লাইরবা নুপীশীং অমসুং অৱাৎপনা থল্লবা নহাশীংবু মতেং পাংবগী মঙলান মঙফাওনবা - মিস সোনু মন্ধারে

মিস সোনু মন্ধারে নাগপুর জিলাগী কোলার খুঙ্গংদগীনি। মহাক্কি ইমুং য়াম্না লাইরে। মহাক্কি মপানা মহাক্কি থা খুদিংগী লাইরিক তম্বগী ফীশীং অমসুং অতোপ্পা খরচাশীং পুথোরুবা লৈতবদগী মহাক 12শুবা স্টেন্দর্দকি মতুংদা মহাক লাইরিক তম্বা তোকপা তাখি। মহাক্কি ইমুংগী মেম্বর মঙা লৈরম্মি, মখোয়গী মনুংদা য়ুম থারুবা মীদি মহাক্কি মপা খক্তংনি। মহাক ঙাগী ফার্ম অমদা নোংমগী খুৎশুমন ফংবা মী অমা ওইনা থবক তৌই অমসুং থা অমগী লুপা 3,500/- খক্তং তাল্লি।

M/s ধাত্রি ফাওন্দেসন্সনা চলায়বা ত্রেনিং সেন্তরদা DDU-GKY প্রোগ্রামগী মখাদা ত্রেন তৌরবা মতুংদা, সোনু অসি M/s মেগস কস্টমর দাইলোগ সোলুসন্স, হৈদরাবাদতা



থল্লম্মি। অহৌবদা, মহাক্কি বেসিক তলব লুপা 7800/- ওইরম্মি। অদুম ওইনমক, মহাক্না থবক তৌবদা কথোকপা অমসুং কম্মুনিকেসন স্কিলশীং ফবনা মরম ওইদুনা, মহাক্কি তলব তেল্লবা মতমগী মনুংদা হেনগৎলম্মি। হৌজিক মহাক থাদা লুপা 10,000/- তলব চারি মসিদা থা অমদা লুপা 15,000/- দগী 22,000/- ফাওবা ওইবা য়াবা মহাক্কি থাগী পোৎ য়োনবগী ইনসেন্টিবশীং য়াওদ্রি। হৌজিক, মহাক মহাক্কি ইমুংগী নোংমগী দরকার ওইবশীং য়েংশিন্দুনা শেল-থুমগী ওইনা শোৌগৎলি অমসুং লাইরিক তম্নবা পৈসা তুংশিল্লি। মহাক মহাক্কি মমা-মপাবু তঙাই ফদবা দরকার ওইবশীং পীদুনা মখোয়বু শোৌগৎলি। মহাক্কি মঙলানদি DDUGKY প্রোগ্রামগী ত্রেনর অমা ওইবনি, মহাক্কি থবক কন্না শুরগা মায় পাকপা ফংবগী ৱারী অদু শরুক য়াদুনা মহাকুম্বা লাইরবা নুপীমচাশীং অমসুং নহাশীং মতেং পাংবা য়ানবা।♦

# রেবতিনা থা অমদা লুপা 20,000 তাল্লি অমসুং হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমগীদমক মহাক্কি মমা-মপাবু মতেং পাংলি

মিস রেবতি অসি মধ্য প্রদেশকি সাগর জিলাগী জাইতপুর খুঙ্গংদগীনি। মহাক্কি ইমুং য়াম্না লাইরে, মচিন-মনাও 9 লৈ। 9 লোইনমক "মচে-মচনশীং" নি। মহাক্কি মপানা তানবা শেল অদুনা ওক্তে, মরম অদুনা 12শুবা ক্লাসকি মতুংদা মহাক মহাক্কি স্টদি লোইশিনবা ঙমদ্রে। মহাক্কি ইমুং শোৌগৎনবা, মহাক থবক থীবা হৌরম্মি তৌইগুম্বশুং স্কিল লৈতবদগী অমসুং ফজনা ত্রেনিং তৌদবদগী, মহাক মহাক্কি মমা-মপাবু মতেং পাংনবা থবক অমা ফংবা ঙম্লমদে।

মহাক্কি মপা লৌমি অমনি অমসুং মহাক্কি চহীগী ইনকম লুপা 35000/- দগী হন্থে, মদু মহাক্কি ইমুংগী তঙাই ফদনা দরকার ওইবশীং থুংহনবদা মতিক চানা ওক্তে।

DDUGKY গী মখাদা হোস্পিতালিতিগী




কালিতি ত্রেনিং (চানবা চীনজাক অমসুং থরুবা মহীশীং) অদুনা মঙলানগী থবক ফংবদা মতেং পাংই। মহাক্কি কেরিয়র ধায়লা, অহমদাবাদতা য়াজাকি কৌবা জাপানগী কম্পনি অমদা থাগী তলব লুপা 7000/- ফংদুনা হৌখি। চপ মান্নবা সংস্থান অদুদা, মহাক প্রোমোসন ফংলম্মি অমসুং মহাক্কি তলব অদুসু থাগী লুপা 7,000 দগী 10,000/- দা হেনগৎলম্মি। থবক অদু তৌবতা নত্তনা, মহাক মহাকুম্বা অচৌবা সহরদা থবক তৌবা পাম্বা খুঙ্গংগী নুপীমচাশীংবু লমজিংদুনা তাকপি-তম্বিরম্মি। মহাক্কি মমা-মপা অমসুং মচিন-মনাওশীং য়েংশিন্নবা, মহাক ইন্দোরদা হল্লকুম্মি অমসুং হৌজিক, মহাক দাইনামিক ফেশন ইন্দস্ট্রি (ইন্দোর) দা ইন্দিপেন্দেন্ট দিস্ট্রিব্যুতর অমা ওইনা মহাক মশাগী কারবার চলায়রি অমসুং দাইরেক্ত সেল তৌরগা ওনলাইন মার্কেতিং শীজিন্নদুনা গার্মেন্ট বিজিনেস য়োকখৎলি। হৌজিক, মহাক থাদা লুপা 20,000 তাল্লি অমসুং মহাক্কি মমা-মপাবু হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি অমা হিংবদা মতেং পাংলি।♦



সুশ্রি উমা ভার্তি
কেবিনেত মিনিস্টর
দ্রিংকিং ৱাতর অমসুং সেনিতেসন

> "নহাক্কি খুঙ্গংবু লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী লু-নানবা ওইহন্নবা অমসুং স্বছ সর্বেক্ষন-গ্রামিন 2018 দা শরুক য়ানবা পুন্না হোৎনৌ।"

# মায় পাকপগী ৱারীশীং

## পুনেগী খুঙ্গংগী কম্যুনিতিশীংনা মখোয়গী য়ুমগী তোইলেতশীং ৱারিগী লাই খুরুম্বা চৎপা মীশীংদা হাংদোকই



মমিং চৎপা ৱারিগী লাই খুরুমফমগী লম্বীদা তাবা মহারাস্ট্রগী পুনেগী য়ুমশীংগী মীশীংনা লাই খুরুম্বা চৎপা মীশীংনা মখোয়গী পন্থুংফম পন্ধরপুর ফাওবগী নুমিৎ 15 গী খোঙচৎ অদুগী মনুংদা তোইলেতশীং শীজিন্ননবা হাংদোকখ্রে। মহারাস্ট্র রাজ্য পুম্বদা চহী 333 দগী চাওথোকচনিংঙাই ওইনা চৎনরক্লবা পলখি নন্দ্রগা প্রোসেসন অদু হন্দক্কি চহীদা জুলাই 6, 2018 দা হৌগনি অমসুং 22শুবা জুলাই, 2018 দা লোইগনি। রাজ্যগী মনুংদগী অমসুং মপান্দগী লাই খুরুম্বা মী নন্দ্রগা ৱরকারি লাখ 10 গী মথক্তা মহৌশানা প্রোসেসন অসিদা য়াওই।

চহীগী ওইবা লাই খুরুম্বা চৎপা অসি হিন্দুগী ঈশ্বর বিথোবাগী খুভম পন্ধরপুরদা লোইশিল্লি। লাই অসিগী মমিংদা, দোলাইগী প্রোসেসন অদুনা সাধু দ্যনেশ্বর অমসুং তুকারামগী খোঙ্গুলশীং পুই।

250 কিলোমীতর খোঙনা চৎপা মনুংদা, লম চৎপশীং অদুনা করিগুম্বা খুঙ্গংশীংদা লম্বী অমমমদা মহৌশানা 15 রক মরক্তা লেপ্পি। হায়রিবা খুঙ্গংশীং অসিদা লৈবা মীশীংনা চানবা চীনজাক অমসুং রিফ্রেসমেন্ট পীবা অসি ময়াম্না তৌনবা থবক্নি। ইকোন কোনবা চহী অনিগী মনুংদা, স্বছ ভারত মিশন গ্রামীন (SBM-G) কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা, জিলা পুম্বদা তোইলেত লাখ অনিদগী হেনবা শারম্মি। মশীংনা 500 ওইবা কম্যুনিতি তোইলেতশীং লম্খেল অমদা অমসুং অনিশুবা লম্খেলদা 700 শারবসু, মখোয়শীং অদু মীয়াম অদুনা মখোয়শীংগী শাংলবা খোঙচৎ অদুদা দরকার ওইবশীং অদু কৈদৌঙৈদা মতিক চানা ওকখিদে। চহী অমমমগী চেলেনজ অদু য়াম্না য়াল্লম্মি।

অদুম ওইনমক, হন্দক্কি চহীদি খেন্নগনি। জিলা পরিষদ (ZP) পুনেগী CEO ওইবা মিস্টর সুরজ মন্ধারেনা খুঙ্গংগী কম্যুনিতিশীংদা অনৌবা অপীল অমা তৌখ্রে। লাই খুরুম্বা চৎনবগী লম্বীদা লৈবা লনাই য়ুমথোং খুদিংমক্তা মখোয়গী অয়াম্বনা স্বছ ভারত অভিয়ানগী মখাদা ইকোন কোনবা চহী 2 গী মনুংদা শাখিবা লনাইগী তোইলেতশীং অদু মসিগী ৱর্কারিশীং (লাই খুরুম্বা চৎপা মীশীং) দা শীজিন্নহন্নবা পীনবা মহাক্না হায়জখি। ৱারবা চোকথরবা লম চৎপা মীশীং শীজিন্ননবা লেপ্পা ফংগনি হায়না তাক্লবা তোইলেত খুদিংমক্তা অঙৌবা ফিরাল অমা থেৎলম্মি।

> **ইম্পেক্ত**
> খুঙ্গংগী মীশীংনা হোৎনদুনা, হন্দক্কি চহী অসিদা লাই খুরুম্বা চৎপা মীশীংদা খুদোংথিবা নংবা হন্থরগনি। জিলা পরিষদ (ZP) পুনেগী CEO ওইবা মিস্টর সুরজ মন্ধারেনা খুঙ্গংগী কম্যুনিতিশীংদা অনৌবা অপীল অমা তৌখ্রে। লাই খুরুম্বা চৎনবগী লম্বীদা লৈবা লনাই য়ুমথোং খুদিংমক্তা মখোয়গী লনাইগী তোইলেতশীং অদু লাই খুরুম্বা চৎপা মীশীংদা শীজিন্নহন্নবা পীনবা মহাক্না হায়জখি।

অপীল অদু ব্লোক ওফিসিয়েলশীং, গ্রাম সেবকশীং অমসুং স্কুল ওঝাশীং ফাওনা তৌবনি, পাও অদু খবরশীং অমসুং পোস্টরশীংসু শীজিন্নদুনা পীথি। অঙকপা অমা ওইনা, গ্রাম পনচায়তশীংনসু মদু ওইনবা রিজোলুসনশীং পাস তৌখি। প্রোসেসন অদু তশেংনা মখল মচুগী ওই মীশীংনা অঙাংবা অমসুং নাপু মচুগী ফিরালশীং পুদুনা। মরম অদুনা, তোইলেতশীংদা মতোন থিল্লিবা ফিরালশীং অদু অঙৌবনি - মখোয় চোংথোক্তুনা লেপ্পবা।

মীয়াম্না মখোয়গী য়ুমশীং অদু লম কোয়বা লাকপশীং অদুদা হাংদোক্তুনা, পীবা তোইলেতশীংগী মশীং অদুনা অফংবা কম্যুনিতি তোইলেতশীং মশীংদগী শোয়দনা হেনগনি। মদুগী মথক্তা, ঈশীংগী সপ্লাই অমসুং হেল্থ ফেসিলিতিগুম্বা পলখিগী লম্খেলদা লৈবা শিল-লাংবা অয়াম্বা পুনে এদমিনিস্ট্রেসনগী জিলা পরিষদনা মপুং ফাহনখ্রে। মখা তানা, ZP গী ওফিস অদুনা হেন্না থুনা এক্সেস তৌনবা মোতোরসাইকলশীং শীজিন্নদুনা হিদাক লাংথক্কি মতেংগী প্রোবিজন হৌদোকখ্রে অমসুং নুংথিল অমসুং অহিংদা ওপরেত তৌনবা কন্ট্রোল রূম অমা লিংখৎখ্রে।♦

# সোনভদ্রানা স্বছতা সঙ্কলপ লৌই; থা অমদা তোইলেত 50,000 শানবা



স্বছ ভারত মিশন গ্রামীনগী মতাংগী ওইবা তোইলেতশীং শাবা অমসুং অতোপ্পা থবকশীং তপথহনবা য়াবা মোনসূন লাক্ত্রিঙৈগী মমাংদা, উত্তর প্রদেশতা লৈবা সোনভদ্রা জিলা অদুনা থা অমদা তোইলেত 50,000 শানবগী কেম্পেন অমা হৌখ্রে।

'অব কি বরসাত, ইজ্জৎ ঘর কে সাত,' অর্থ হন্দোক্লবদা 'নোংশীং অসি নুংঙাইবিয়ু, তোইলেত অমগা লোয়ননা (চাওথোকচনবগী য়ুম)' হায়না মমিং থোনবা কেম্পেন অদু 5শুবা জুন, 2018 দা হৌখি অমসুং 5শুবা জুলাই, 2018 দা লোইখ্রে। কেম্পেন অসিগী মনুংদা শাগৎপা মোমেন্টম অদুনা জিলা অদু 15শুবা ওগস্ট, 2018 ফাওবদা ওপন দেফিকেসন ফ্রী (ODF) স্টেটস ফংবদা মতেং পাংগনি, 2শুবা ওক্তোবর, 2018 গী রাজ্যগী তার্গেত ফনা য়াম্না মমাংদা।

চিফ দিব্লপমেন্ট ওফিসর, মিস্টর সুনিল কুমার গী মতুং ইন্না, ত্রাইবেল মী মশীং ফনা য়াম্না অমসুং হেন্না শোৎথবা সেক্সনশীং লৈবা UP গী অনিশুবা খ্বাইদগী চাওবা জিলা অসিদা মখল-মখাগী লমচৎ হোংনবা পাংথোকপা কেম্পেনশীং মরু ওইবা রোল অমা শান্নখ্রে, অদুগা মতম চুপ্পগী ওইনা অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপা লোইনবা মীয়ামগী আন্দোলন অমা তৌবদা শরুক তম্মি।

ইকোন কোনবা চহী অহুম অদুদা, 1.5 লাখ তোইলেতশীংদগী হেনবা শারে, মসিনা সেনিতেসন কোভরেজ অদু 33% দগী 70% ফাওবা ওইহল্লে। মসি শীংথানিংঙাই ওইবা মায়-পাকপা অমনি। অদু ওইরবসু, অপুনবা 1379 গী মনুংদা রেভিন্যু খুঙ্গং 342 খক্তং 5শুবা জুন ফাওবদা ODF ওই।

কেম্পেন অদুগী শেম শাবদা, জিলা শাসন অদুনা নুপীশীংগী SHG শীং, স্কুল ছাত্রশীং, অঙ্গনৱাদিদা থবক তৌবশীং, ANM শীংবু সেনিতেসন, হেল্থ অমসুং ইদুকেসনগী মরমদা জ্ঞান শন্দোক্লবা মখোয়বু য়াওহল্লম্মি। ঈশীং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা কালেনদা সোনভদ্রাদা তোইলেত শাবগী থবক তপ্না তৌখি হায়বদু খল্লুরগা কেম্পেন অদু য়াম্না মরু ওই। অদুম ওইনমক, মোনসুননা চেলেনজশীং পুরকই খুদম ওইনা ঈশীং তূংদুনা লৈবনা কোমশীং তৌবদা খুদোংথিবা ওইহল্লি। মসিদগী হেন্না, মীশীংনা নোংজুথাদা অমাঙবা তৌবা চৎপদা লিননা চিকপা অমসুং এক্সিদেন্টশীং তোয়না থোকই।

কেম্পেন স্ট্রেতেজি: কেম্পেন অসিগী তার্গেততি কোম লাখ অমা তৌবা অমসুং মখোয়বু নোং কন্না তাবা হৌরক্ত্রিঙৈ মমাংদা মখুম কুপচিলহৌবনি। মসিদা সরকারগী ওফিসিয়েলশীংনা শ্রমদান তৌবা অমসুং প্রজাগী মীহুৎশীংনা পুক্নিং থৌগৎপা য়াওই। কেম্পেন অদুগী মমাংদা, সেঙ্কসনগী চিঠিশীং বেনিফিসিয়রিশীংদা থবক হৌদ্রিঙৈদা পীরম্মি, মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎনবা অমসুং সিস্টেম অসিদা মখোয়গী থাজবা শাগৎনবা।



অদুগসু, স্বছতা শপথশীং অমসুং স্বচ মোনসূন চাউপালশীং প্রজাগী মীহুৎশীং য়াওনা পাংথোক্লম্মি। নুপীশীংগী SHG শীং, AWW শীং, ANM শীং অমসুং শিব চর্চাগুম্বা মখল মখাগী ধর্মগী গ্রুপশীং এক্তিব ওইনা য়াওননবা তৌরম্মি ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রামশীংগী মপান্না।

মখা তানা, পুক্লিং থৌগৎনবা অমসুং এক্তিব ওইনা য়াওনবা, সম্মান সমারোহ (শীংথানিংঙাই ওইবা থবক শুবশীং ইকাই খুম্নবা) শিল-লাংলম্মি। জিলাগী অমসুং খুঙ্গংগী থাক্কি ওফিসিয়েলশীং চাং নাইনা অমসুং ইফেক্তিব ওইনা মোনিতর তৌবদা য়াওরম্মি।

**এক্তিবিতিশীং:**

কেম্পেন অদুদা ফেসবূক অমসুং ত্বিতর শীজিন্নদুনা সোসিয়েল মেদিয়া কেম্পেনশীং ময়াম অমা য়াওরম্মি, কম্ম্যুনিতিশীংগী মরক্তা করিনো হায়বা খঙবা শাগৎনবা শোয়-ঙামদবা সেনিতেসন প্রাক্তিসশীংগী মরমদা ফক্লাংদা লাই ফাওবা য়েক্লম্মি অমসুং পোস্টরশীং অমসুং বেনরশীং মীয়াম তিনবা মফমশীংদা য়ুংখৎলম্মি। সেনিতেসনগী মেসেজ অদু ময়েক শেংনা খঙহন্নবা, ইফেক্তিব ওইনা পাও ফাওনহন্নবা LED শীজিন্নবা ভেনশীং অমসুং নুক্কর নাতকশীং শীজিন্নরম্মি। মখা তানা, স্কুলগী অঙাংশীংগী মরক্তা হাইজিন, তোইলেত শাবা অমসুং শীজিন্নবা থৌগৎনবা স্বছতা দিদি কৌবা কোমিক সিরিজ অমা দিব্লপ তৌরম্মি অমসুং য়েন্থোক্লম্মি; অদুগা কেম্পেন অদু য়োকখৎনবা রেদিও, প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়া শীজিন্নরম্মি। সেনিতেসন, ইদুকেসন অমসুং হেল্থকি মরু ওইবগী মরমদা জ্ঞান শন্দোক্লবা মোনসূন চাউপালশীং লোইনমক্তা স্বছতা ৰাশকশীং লৌহল্লম্মি। স্বীক্রিতি পত্রশীং পীদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা মশীংগী তোইলেতশীং শানবা হোৎনরম্মি।

কেম্পেন অদু ৱর্ল্দ য়োগা দে অমসুং ৱর্ল্দ ইনভাইরনমেন্ট দেগা শম্নহল্লম্মি। নাগরিকশীংগী মরক্তা অসুক য়াম্না থৱায় য়াওবা অসি উবদা সরকারগী আধিকারিশীংগীদি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। প্রজাশীংনা য়াম্না চাওনা শরুক য়াবনা সরকারগী কেম্পেনগী সস্টেন তৌহল্লি। জিলাগী শাসননা শাগৎলক্লিবা মোমেন্টম অদু মোনসূন মনুং পুম্বদা পুদুনা চৎনবা পান্দম থম্মি। থৌদোক অসি অতোপ্পা আশা তৌজবা জিলাশীংদসু অমসুং তোইলেত কোভরেজ ৱাৎপা জিলাশীংদা চপ মান্নমা তৌবা য়াই।♦

# করম্না সিক্কিমনা ODF-সস্টেন তৌহল্লি, ODF-ক্বালিতি লৈহল্লি



অৱাং নোংপোককি রাজ্য সিক্কিমনা 27শুবা মে, 2016 দা অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপা কোক্লে (ODF) হায়না লাওথোকখিবা অহানবা রাজ্যনি। ODF স্টেটস অসি সস্টেন তৌনবা, রাজ্য অসিনা য়ুমথোং খুদিংগী ইমুং অদুনা শীজিন্ননবা সেনিতরি তোইলেত অমা লৈতবা য়াদে হায়না মতম মতমগী ওইনা নোতিফিকেসন জারি তৌরি অদুগা প্লাস্টিক শীজিন্নবগী ময়োক্তা অকনবা থবক পায়খৎলি অমসুং ফত্ত-হৌদি পুথোকপা হন্থনবা পাও শন্দোক্লি।

"সেনিতেসন অসি স্টেট সবজেক্ত অমনি অমসুং ওপন দেফিকেসন ফ্রী (ODF) স্টেটস অসি অদুম থম্নবা ঐখোয়না তৌবা তাই। মসি লোকেল বোদিশীংগীসু তৌদবা য়াদবা মথৌ ওইবনিনা, PRI মেম্বরশীং, জিলাশীং, ব্লোকশীং অমসুং GPU শীংগী থাক্কি ওফিসিয়েলশীং/ফঙ্কস্নরিশীং লোইনমক্তা ODF স্টেটস অসি অসুম থম্নবরোমদা পুন্না হোৎনননবা হায়জরি। শোৎথহৌবশীং করিগুম্বা লৈরবদি মদু PRI শীংদা ফংবা রিসোর্সশীং খক্তং শীজিন্নরগা মহৌশানা চুমথোক্কদবনি," সিক্কিম সরকার, গেংতোককি রুরেল মেনেজমেন্ট এন্দ দিব্লপমেন্ট দিপার্টমেন্টনা জারি তৌবা সর্কুলর অমনা 1শুবা জুন 2016 দা হায়রম্মি।

মখা তানা, সর্কুলর অদুদা নোতিফিকেসন অমা হাপলম্মি, সিক্কিম পনচায়ত (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, 2005 কা লোয়ননা য়াওনা। মসিনা য়ুম খুদিংমক্কি তোইলেত অমা লৈতবা য়াদবা ওইহল্লি।

রাজ্য সরকার অদুনসু ফত্ত-হৌদি মেনেজ তৌনবা অমসুং অরূবা ইনভাইরনমেন্ট অমা থম্নবা মখল মখাগী উপায়শীং হৌদোক্লি। বজারশীং অমসুং খুঙ্গংগী লমশীং অনিমক্তা মুনিসিপালিতিগী ফত্ত-হৌদি দিস্পোজেবল স্টাইরোফোম অমসুং অতোপ্পা লংচেকপা য়াবা আইতেমশীং অচৌবা ক্বান্ততিশীং ফংলদুনা, মদুনা নোতিফিকেসন অমা জারি তৌখ্রে মদুদি মসিগুম্বা প্রদক্তশীং অসি ইনভাইরনমেন্টতা অমাং-অতা থোকহল্লি অমসুং মখোয়গী লেন্দফিলদা মফম য়াম্না কল্লি হায়না থিন্দুনা তাক্লি। স্টাইরোফোমগী পাত্রশীংদা য়াম্না শাবা আইতেমশীং চাবা হকচাংগীদমক ফত্তে হায়নসু হায়।

সিক্কিম সরকারনা 19শুবা মে, 2016 দা জারি তৌবা অতোপ্পা নোতিফিকেসন অমনা দিপার্টমেন্ট মীতীংশীং অমসুং ফঙ্কসনশীংদা পেকেজ তৌবা থক্নবা ঈশীং অথিংবা লৈতনা শীজিন্নবগা মরী লৈনৈ, মদুনা গারবেজ চাং য়াম্না ৱাংনা শেম্বতা নত্তনা লেন্দফিলদসু পোৎলুম ওইনা হাপচিল্লি।

"শীজিন্নরবা থক্নবা ঈশীংগী প্লাস্টিক বোতলশীংনা গার্বেজ শেম্বা হস্তনবা, সরকারগী মীতীংশীং অমসুং ফঙ্কসনশীং পাংথোকপা মনুংদা পেকেজ তৌবা থক্নবা ঈশীং বোতলশীং অমত্তা শীজিন্নদনবা নোতিফাই তৌরি," নোতিফিকেসন অদুনা হায়রম্মি।

ওল্টরনেতিব অমা ওইনা, দিপার্টমেন্টশীং লোইনমকনা ফিল্টর তৌবা ঈশীং শীজিন্ননবা নত্ত্রগা অচৌবা হন্না শীজিন্নবা য়াবা ঈশীংগী দিসপেন্সরশীংদগী ঈশীং শীজিন্ননবা নত্ত্রগা সরকারগী ফঙ্কসনশীংদা হন্না শীজিন্নবা য়াবা ঈশীংগী বোতলশীং শীজিন্ননবা সজেস্ট তৌরি অমসুং পুক্নিং থৌগৎলি। অতোপ্পা নোতিফিকেসন অমগসু কুইনা হান্না মমাংদা ফেব্রুৱারী 2015 দা জারি তৌরম্মি মদুনা সরকারগী ফন্দিংনা শাবরা নত্ত্রগা মখোয় মশানা শাবরা য়ুমথোং লোইনমক্কি তোইলেতশীং লৈনবা পান্দম থল্লম্মি। "...য়ুমথোং অমনা সরকারদগী করিগুম্বা মখলগী গ্রান্ট/বেনিফিত ফংনবা ফঙ্কস্নেল সেনিতরি তোইলেত অমা লৈবা হায়বসি কম্পলসরি ওই," মদুনা হায়রম্মি। ক্লোজ অসিগী মতুং ইন্না, সরকারগী গ্রান্ট নত্ত্রগা বেনিফিত অমা ফংবা পাম্বা মীওই অমনা মহাক্কি শীজিন্নরিবা সেনিতরি তোইলেত অমা মখোয়গী য়ুমদা লৈ হায়বা তাক্তুনা মরি লৈনবা গ্রাম অধিকারিদগী সর্তিফিকেত অমা পুথোকপা তাই।♦

**ইস্পেক্ত**

**সরকারগী গ্রান্ট নত্ত্রগা বেনিফিত অমা ফংবা পাম্বা মীওই অমনা মহাক্কি শীজিন্নরিবা সেনিতরি তোইলেত অমা মখোয়গী য়ুমদা লৈ হায়বা তাক্তুনা মরি লৈনবা গ্রাম অধিকারিদগী সর্তিফিকেত অমা পুথোকপা তাই।**

# কেরলনা GOBAR-ধনগী মখাদা ইহান হানবা বাইওগ্যাস প্লান্ট লোনচ তৌরে



খারোমগী রাজ্য কেরলনা GOBAR-ধন স্কীমগী মখাদা লৈবাক অসিগী অহানবা বাইও-গ্যাস প্লান্ট লিংখৎতুনা লমজিং লৌখ্রে। কন্নুর জিলাদা লৈবা পপ্পিনিসরি গ্রাম পনচায়ততা লৈবা থুরুথি ৱেস্ট ত্রীতমেন্ট প্লান্টনা কম্যুনিতিগী অমসুং কৈথেলগুম্বা কারবার তৌনবগী স্পেসশীং য়াওনা মীয়াম তিনবা মফমশীংদগী খোমজিনবা বাইও ৱেস্ট ত্রীত তৌগনি।

GOBAR-ধন (গালভানাইজিং ওর্গানিক বাইও এগ্রো রিসোর্সেস ধন) স্কীম অসিনা অরেম-অখাকশীংনা মীয়াম প্রজাশীংবু কান্নহনবতা নত্তনা খুঙ্গংশীংবুসু লু-নান্না থম্বা বাইও ইনর্জি, গ্যাস অমসুং কম্পোস্টদা ওন্থোক্নবা পান্দমগা লোয়ননা শেমখিবনি।

কন্নুরদা লৈবা অনৌবা প্লান্ট অদুগী নোংমদা কিলোগ্রাম 1000 গী অরেম-অখাক ত্রীত তৌবগী কেপাসিতি অমা লৈ। তেক্নোলোজিগী মতাংদদি, BARC (ভাভা এতোমিক রিসর্চ সেন্তর) না দিভাইস তৌবা নিসরগ্রুনা বাইওগ্যাস তেক্নোলোজি অদু প্লান্ট অসিদা শীজিন্নরি।

বাইও-ফ্যুলগী খ্বাইদগী ময়াম্না খঙনবা

মওং বাইও-গ্যাস অসি লু-নানবা ইনর্জি অমনি অমসুং শল শক্তি, য়েন্থি, মহৈ-মরোংগী লেমহৌবশীং, চাকখুমগী অরেম-অখাক, অসিনচিংবশীংদ্গী ফংবা য়াই।

গোবর-ধননা হকচাং ফবা অমসুং খুঙ্গং লু-নানবা অনিমক ফগৎহনগদবনিনা ময়ামগী ওইনা খুঙ্গংগী মীশীং অমসুং তাংদাংবা ওইনা নুপীশীংদা কান্নবা পীগনি। ইনিসিয়েতিব অদুনা বাইওদিগ্রেদেবল অরেম-অখাকশীং রিকোভর তৌবদা শৌগৎকনি অমসুং মদুবু মরাং কায়বা রিসোর্স অমদা ওন্থোক্কনি, অদুগা লৌমিশীং অমসুং য়ুমথোংশীংদা শেল-থুমগী কান্নবশীং পীগনি।

বাইওগ্যাস অসি তুংগী ওইবা ফ্যুলনি অমসুং পৃথীবি অসিগী অনাবা ফহন্নবা শক্তি লৈ হায়না অসুম্না হায়নৈ। কান্নবশীংগী মতাংদা, য়ুমশীং লোইনমক্তগী অমসুং কৈথেলশীংদ্গী লাকপা বাইও-দিগ্রেদেবল অরেম-অখাকশীং ত্রীতমেন্ট প্লান্টতা চেনেল তৌবনা, খুঙ্গংশীংগী লু-নানবা ওইহনগনি। মদুগী মথক্তা, গ্রাম পনচায়তশীংনা বাইওগ্যাস, বাইও-ফ্যুল অমসুং বাইও-স্লরিগী মওংদা অহেনবা রেভিন্যু ফংগনি। মসিনা এগ্রিকলচরগী পোত্থোক য়াম্না চাওনা হেনগৎহনগনি, অদুগা স্কিল দিল্লপ তৌবদা অমসুং থবক তৌনবগী খুদোংচাবা তানজাশীং শেম্বদা শরুক তমগনি। ♦

# কোলিং বেলনা স্বছ ভারতকি এৱয়ারনেস শেমখি




**ইম্পেক্ত**

**দক্ষিন কন্নড়ানা 20শুবা সেপ্তেম্বর, 2016 দা ওপন দেফিকেসন ফ্রী ODF স্টেটস ফংখ্রে। ওফিসশীং অমসুং য়ুমশীংদা কোলিং বেল শীজিন্নদুনা মেসেজ অসি পীবনা মদুগী লমচৎ-শাজৎতা হোংবা অদু সস্টেন তৌহনগনি অমসুং স্লিপ্পেজ অমত্তা লৈহল্লোই।**

কর্নাতকতা দক্ষিন কন্নড়াগী জিলা পনচায়তকি CEO দোক্তর MR রবি না কন্নড়াদা লেংবা শৈরেং অমনা স্বছতা ঈশৈ অমগী ময়েক শেমখ্রে মদু জিঙ্গলশীং কয়ামরুমদা ওন্থোকখ্রে অমসুং সহ্যদ্রি কোলেজ ওফ ইনজিনিয়রিং অমসুং মেনেজমেন্টগী ছাত্রশীংনা থোংগী বেলশীংদা সিনক্রোনাইজ তৌখ্রে।

তশেংনা, জিঙ্গলশীং অদুনা মীয়াম্বু অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপগী প্রাক্তিস তোক্লবা, প্লাস্টিক শীজিন্নদনবা, অরেম-অখাকশীংবু হৌরকফমদা খায়দোক্লবা অমসুং ঐখোয়গী অকোয়বশীং লু-নান্না থম্নবা অপীল তৌই। সেকেন্দ 30 গী জিঙ্গল অমমম তোঙান-তোঙানবা থীম অমদা য়ুম্ফম ওই।

স্বছ ভারত কোলিং বেল অদু জিলা পনচায়ত ওফিসতা ইহান হান্না হৌদোকখি। CEO নপ্পগা ZP অদুগী প্রসিদেন্টনা মখোয়গী চেম্বরশীং মনুংদ্গী মদু নম্বা মতমদা মখোয় উনবা লাকপা মীশীংনা তাগনি, অদুগা মীশীং অদুবু মনুংদা চংলকউ খঙহনগনি।

মখা তানা, কল্লিগে খুঙ্গংদা লৈবা য়ুমশীং ময়াম্না স্বছতা কোলিং বেল অসি হাপখ্রে। "কোলিং বেলনা লু-নানবগী মরমদা লেপ্পা লৈতনা নিংশিংবা অমা ওইগনি হায়বা ঐখোয়না আশা তৌই," দোক্তর রবিনা হায়রম্মি।

দক্ষিন কন্নড়া অমসুং উদুপি অসিনা ওক্তোবর 2, 2017 দা কেন্দ্র সরকারগী স্বছ ভারত মিশন (গ্রামিন) গী অহুমশুবা কুমওনদা স্বছথা দর্পন এৱার্দ ফংখিবা লৈবাক অসিগী জিলা 46, অমসুং কর্নাতককি অনিখক্তংগী মনুংদা অমনি।

দক্ষিন কন্নড়ানা 20শুবা সেপ্তেম্বর, 2016 দা ওপন দেফিকেসন ফ্রী ODF স্টেটস ফংখ্রে। ওফিসশীং অমসুং য়ুমশীংদা কোলিং বেল শীজিন্নদুনা মেসেজ অসি পীবনা মদুগী লমচৎ-শাজৎতা হোংবা অদু সস্টেন তৌহনগনি অমসুং স্লিপ্পেজ অমত্তা লৈহল্লোই।

"ঐখোয় ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা চারোল-শুরোল অসিগী মরক্তা অচুম্বা ভেল্যুশীং লৈহনবা অমসুং লু-নানবনা ঐখোযগী পুন্সি অমসুং কলচরগী শরুক অমা ওইহনবা পাম্মি," দোক্তর রবিনা মখা তানা হায়রম্মি।

অতোপ্পা SBM-G ইনিসিয়েতিবশীংগী মতাংদা, দাইনামিক ওইবা CEO অদুনা জিলা অদুদা লৈবা স্কুল 2000 গী মথক্কি চাওরাক্লা ছাত্রশীং লাখ 3.2 বু থাংজ খুদিংগী 'সেনিতেসন দে' পাংথোকহল্লি পিরিয়দ অমমম সেনিতেসনগী কায়থোকহল্লি। স্বছ শনিৱার অদু এসেমব্লি মনুংদা লু-নানবগী মতাংদা অওইবা থৌদোক্কি ৱারি মচা অমা পাথোক্তুনা হৌই। অদুদ্গী য়ুম মনুংগী নপ্পগা য়ুম মপানগী থবক থৌরম অমনা মতুং ইল্লি অমসুং কম্পিতিসনশীং অমসুং শ্রমদান য়াওবা য়াই। ওঝাশীং অমসুং ছাত্রশীং য়াওদুনা, এক্তিবিতি অদু হৌজিক ফাওবদি রেস্পোন্স ফজনা ফংলি।

অঙ্গনৱাদিশীংদা ভিজিত তৌবা মমা 30,000 দা য়ৌনবা থৌরাংশীং পাইপলাইনদা লৈ। হৌজিক, অঙ্গনৱাদি

2104 লৈ মখোয় অদুগী মনুংদা 1600 দি খুঙ্গংগী লমশীংদা লৈ। হাইজিন অমসুং সেনিতেসনগী মতাংদা অঙ্গনৱাদিশীংদা থাংজ খুদিংগী এৱয়ারনেস প্রোগ্রাম অমা পাংথোকই।

অতোপ্পা মরক থৎনা তৌবা অমদি হাইৱেশীংগা মরি লৈনৈ। জিলা অদুগী গ্রাম পনচায়তশীংগী মনুংদা চাওরাক্লা 36 তি দক্ষিন কন্নড়াগী নেস্লেল হাইৱে অহুমদা অমসুং মনাক নকপদা লৈ। হাইৱেশীং অদু ফাওনা চৎপা মীশীংনা সরক নাকলশীংদা গার্বেজ লংথোকপগী হৈনবী লৈবনিনা, জিলা শাসননা মখোয় অদু তৌবা মীশীংবু য়েংনবগী অমসুং মখোয়বু জরিমনা তৌনবগী তাস্ক ফোর্স অমা থমখ্রে।

স্বছথা ঈশৈ তাও: https://drive.google.com/file/d/1quA1TE_y09wuo3YK45u-Kj2z1ERAZXxN/view?usp=sharing ♦

# ইন্টরেক্তিব ওইবা ফোল্ক আর্টনা সেনিতেসনগী মেসেজ পী

তোইলেত শীজিন্নবগী কান্নবশীংগী মরমদা পাও পীবা হায়বসি অপাম্বা লমচৎ শাজৎ হোংবা পুরকপদা য়াম্না মরু ওই। অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপনা মৈহৌরোলদগী চহী কয়া চৎনরক্লবা প্রাক্তিস অমা ওইদুনা লাক্লবা মীশীংগী ৱাখল্লোন হোংবদা অমুক হেন্না মরু ওই। মিস স্বেতা মোহন্তি IAS না জিলা অদুগী মীশীংদা সেনিতেসন (স্বছতা) গী মেসেজ পীনবা য়াম্না ইফেক্তিব ওইবা মেদিয়ম অমা ওইনা মৈহৌরোলগী ফোল্ক আর্ট মওং অমা থেংনখ্রে।



**পল্লে সুদ্দুলু - ইন্টরেক্তিব ফোল্ক আর্ট:** পল্লে সুদ্দুলু হায়বসি তেলঙ্গানাগী ময়াম্না পাম্নবা ৱারি ৱাতাই শাবা মওংগী আর্ট মওং অমনি মসিদা পাত্র খুদিংমক্লা মখোয়গী লম অদুগী লোনদা মহাক মশানা তৌবা থবকশীং অদুগী মরমদা ঈশৈশীং অমসুং দাইলোগশীংগী মওংদা মত পীদুনা ভাবোক মমাংদা মশাবু মশক তাকচৈ। মসিনা ভাবোক অদুবু পুক্লিং হকচাং য়াওনা শরুক য়াহনবদা য়াম্না মতেং পাংই অমসুং প্লে অদু খুঙ্গং অদুদা থোকপা অশেংবা ফিভম অমরা খন্দুনা থিয়েতর অদুদা পুক্লিং লুপ্পি।

মসিগী মতাংদা, জিলাগী শাসননা ফোল্ক আর্টিসশীংনা মতাং অদুগা মরী লৈনবা অমসুং মদুনা তোইলেতশীং শানবা অমসুং শীজিন্ননবগী দরকার ওইবশীং অমসুং শোয়দা-ঙামদবা প্রাক্তিসশীং ইন্নবা ইফেক্তিব ওইনা পীনবা মতেং পাংননবা হান্ননা ওরিয়েন্টেসন অমা পীখ্রে। জিলাগী শাসননা অনৌবা গ্রাম পনচায়ত অমদা নোংমদা পরফোর্মেন্স অমা থৌরাং তৌই।

পল্লে সুদ্দুলু অসি তোইলেতশীংগী দিমান্দ হেনগৎহনবদা অমসুং খুঙ্গংশীংবু "স্বছ খুঙ্গংশীং" দা ওন্থোকপদা জিলা শাসনবু মতেং পাংলিবা ইফেক্তিব ওইবা IEC খুৎলাই ওইদুনা লাক্লি। হন্দক্তা থেংথবদা, মসিগী IEC তূল অসিনা বিজিলেন্স কম্মিত্তিগুম্বা অতোপ্পা IPC ইনিসিয়েতিবশীংগা লোয়ননা গ্রাম পনচায়ত 50 বু ODF ওইনা জুন 2শুবা 2018 দা তেলঙ্গানা স্টেট ফাওন্দেসন দে পালন তৌবগী মমাংদা মশা মথন্তা লাওথোকচবদা মতেং পাংই।

**ইম্পেক্ত**

**জিলা শাসননা GP শীং লোইনমক্তা বিজিলেন্স কম্মিত্তিশীং থমখ্রে খুঙ্গংগী থাক্কি ফঙ্কস্নরি খরা, প্রজাগী মীহুৎশীং অমসুং এক্তিব ওইবা কম্যুনিতিগী মেম্বরশীং য়াওহল্লগা। মসিগী কম্মিত্তিশীং অসিনা IPC গী এক্তিবিতিশীংদা নুমিৎ খুদিংগী অহাংবদা অমাঙবা তৌখোকপশীং অসিগী মতাংদা থবক তৌই।**

বিজিলেন্স কম্মিত্তিশীং: জিলা শাসননা GP শীং লোইনমক্তা বিজিলেন্স কম্মিত্তিশীং থমখ্রে খুঙ্গংগী থাক্কি ফঙ্কস্নরি খরা, প্রজাগী মীহুৎশীং অমসুং এক্তিব ওইবা কম্যুনিতিগী মেম্বরশীং য়াওহল্লগা। মসিগী কম্মিত্তিশীং অসিনা IPC গী এক্তিবিতিশীংদা নুমিৎ খুদিংগী অহাংবদা অমাঙবা তৌখোকপশীং অসিগী মতাংদা থবক তৌই। কম্মিত্তিশীংগী মসিগুম্বা এক্সননা খুঙ্গংগী কম্যুনিতিদা পোজিতিব ওইনা অসুক্কি মতিক ইম্পেক্ত তৌখ্রে মদুদি মখোয় খুঙ্গংগী ময়ামগী অফবগীদমক কম্মিত্তিগী এক্তিবিতিশীংদা মশানা য়ানা থবক্তা লুপ্পা হৌরক্লে। সেনিতেসনদা কম্যুনিতিনা য়াওবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মকোক ওইবা মোতো অমা ওইনা, জিলা অসিনা থা অনিগী মনুংদা অতোপ্পা 23,000 তোইলেতশীং শাদুনা 100% সেনিতেসনদা এক্সেস তৌবা য়াহন্নবা থৌরাং তৌরি।♦

# নহাক খঙব্রা

**ফীসেল (থীগী ওইবা) স্লদজ মেনেজমেন্টগীদমক শীজিন্নবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী তেক্নোলোজিশীং মখাদা পীরি:**



**ফীসেল স্লদজ কো-কম্পোস্টিং তৌবা:**

কন্ত্রোল তৌবা এরোবিক কন্দিসনশীংদা ওর্গানিক মেতর কায়থহন্নবা নন্ত্রগা পৎথ-পুমথহন্নবা মাইক্রো-ওর্গানিজমশীং শীজিন্নববু কম্পোস্টিং তৌবা কোই। মেথোদ অসিগী অরোইবা প্রদক্ত অদুনা সোইল কন্দিস্নর অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অতোপ্পা অমরোমদা কো-কম্পোস্টিং তৌবা অসিদা ফীদস্টোক অমদগী হেনবা শীজিন্নদুনা ওর্গানিক অরেম-অখাকশীং কন্ত্রোল এরোবিক দিগ্রেদেসন তৌবা অদুনি।

**ৱেস্ট স্টেবিলাইজেসন পোন্দশীংদা কো-ত্রীতমেন্ট তৌবা:**

ৱেস্ট স্টেবিলাইজেসন পোন্দশীং (WSP শীং) মখল মখাগী অরুবশীং অমসুং রিতেন্সন মতমশীংগা লোয়ননা পুখ্রি ময়াম্না শেম্মি। WSP শীং অসি অরেম-অখাক ঈশীং অদু এফ্লুয়েন্টকা লোয়ননা কো-ত্রীতমেন্ট তৌবদা শীজিন্নবা য়াই সেত্তলিং-থিকনিং তেঙ্কশীংদা ফীসেল স্লদজগী মপং-মহী খায়দোক্নরবা মতুংদা।

**দীপ রো এন্ত্রেনচমেন্ট:**

দীপ রো এন্ত্রেনচমেন্টদা অরুবা ত্রেনচশীং তৌবা অমসুং মখোয়বু স্লদজনা ফুনজিনবা অমসুং মখোয়বু লৈবাক্না মখুম কুপ্পা অমসুং অদুদগী মদুগী মথক্তা উপাম্বীশীং থাজিনবা য়াওই। মসিগুম্বা তেক্নোলোজি অমা লম মতিক চানা লৈরবা খক্তংদা শীজিন্নবা য়াই।

**FSTP শীং লিংখৎপা:**

FSTP (ফীসেল স্লদজ ত্রীতমেন্ট প্লান্ট) অসি সেপ্তেজদা মপং অমসুং মহীগী অরেম-অখাক অনিমক ত্রীত তৌনবা পরেং ওইনা নন্ত্রগা পেরেল্লেল ওইনা শিল-লাংবা মখল মখাগী ত্রীতমেন্ট মোদ্যুলশীংগী পুনশিন্নবা অমনি। মখল মখাগী ত্রীতমেন্টশীং লৈ খুদম ওইনা দিকান্টিং তেঙ্ক, চপ য়ুংবা অমসুং লৈমায়গা পরিং ওইবা বেফল রিয়েক্তরশীং/ফিল্টরশীং, ৱেতলেন্দ শাগৎপশীং, পোলিশিং পোন্দ, লৈখোম অহোম্বা কংহন্নবা সূমাঙ, বাইওগ্যাস প্লান্ট, কো-কম্পোস্টিং অসিনচিংবা। STP অমসুং FSTP গী মরক্তা অচৌবা খেন্নবা অমদি লৈখোম অহোম্বা য়াওবগী পর্সেন্টেজ অদুনি। লৈখোম অহোম্বা য়াওবগী পর্সেন্টেজ অদু সেপ্তিক তেঙ্ক/কোমশীং দগী খোমজিনবা অরেম-অখাক্তগী হেন্না ৱাংই, অদুগা নালাদা য়াওবা লৈখোম অহোম্বগী চাং অদু য়াম্না নেম্মি তোয়না 0.01% দগী হন্থে।

**খোঙবান তৌবা:**

ফীসেল স্লদজ লংথোক্নবা খোঙবান তৌবা অসি মতম কুইনগী মমাংদগী ভারততা অমসুং তোঙান তোঙানবা লৈবাকশীংদা শীজিন্নবা তেক্নোলোজি অমনি। মসিগী খোঙবানশীং অসি অথেনবা নন্ত্রগা অরুবা খোঙবানশীং য়াই। অয়াম্বনা, উপাম্বীশীং থানবগী অথেনবা খোঙবানশীং শীজিন্নে।

**অরেম-অখাক্তগী লন-থুম অমসুং ইনর্জি য়োকখৎনবা GOBAR-DHAN**

GOBAR (গালভানাইজিং ওর্গানিক বাইও-এগ্রো রিসোর্সেস)-DHAN স্কীমনা খুঙ্গংগী লু-নানবদা পোজিতিব ওইনা ইম্পেক্ত তৌনবা অমসুং শা-শল অমসুং ওর্গানিক অরেম-অখাকতগী লন-থুম অমসুং ইনর্জি শুংনবা পান্দম থম্মি। মসিনা খুঙ্গংগী অনৌবা হিংনবগী খুদোংচাবা তানজাশীংসু শেমগনি অমসুং লৌমীশীংগী অমসুং অতোপ্পা খুঙ্গংগী মীশীংগী ইনকম হেনগৎহনগনি।

GOBAR-DHAN স্কীম অসিনা, মসিগী খুঙ্গংশীং লু-নান্না থম্বদা ফোকস তৌবা অসিগা লোয়ননা, খুঙ্গংগী য়ুমথোংশীংগী ইনকম হেনগৎহল্লি। ♦





# খুঙ্গংগী মীশীংনা হৌদোকপা NIRMAL GANGA শেম্নবা স্বছতা কলাশ য়াত্রা

## গঙ্গা শেংদোক্লবা এৱয়ারনেস শেম্বা



**ইম্পেক্ত**

লু-নানবদা ময়োল ওইবা মখল-মখাগী এক্তিবিতিশীংদা মীয়াম প্রজা য়াওহন্নবা পান্দমগা লোয়ননা, স্বছতাগা মরি লৈনবা থৌদোকশীং চয়োল অপুম্বা মনুংদা সেদ্যুল তৌই। সমাজগী সেক্সনশীং লোইনমক্লা মরম অমা শৌগৎনবা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মতমদা, মায় পাকপা শোয়দনা ফংগনি হায়বা রিপোর্তশীংনা তাকই।

চাং নাইনা কম্যুনিতিনা য়াওবা অমসুং থাক লোইনমক্তা থবক তৌবনা অতেনবা অমসুং অশাংবা মতমগী অপিকপা নত্তবা কান্নবশীং লৈ হায়বসি হন্না হন্না উৎখ্রে। সমাজগী সেক্সনশীং লোইনমক্লা মরম অমা শৌগৎনবা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মতমদা, মায় পাকপা শোয়দনা ফংগনি হায়বা রিপোর্তশীংনা তাকই। তাংদাংবা ওইনা হায়রবদা নহারোলশীংবু স্বছতা ফূতবোল তুরনামেন্টশীং, স্বছতা কলাশ য়াত্রা, গঙ্গা আর্তি, স্বছতা ভজন, গঙ্গা লু-নালহন্নবা কেম্পেন অসিনচিংবদা পুক্লিং চিংশিনখ্রে। মসিগী মথক্তা, জিলা অদুনা 30শুবা মে দগী 5শুবা জুন, 2018 ফাওবদা ৱর্ল্দ ইনভাইরনমেন্ট ৱীক পালন তৌখি, মদুগী মনুংদা কম্যুনিতিগী মীশীংনা শরুক য়াবা অদু মমাংদা অমুক্তা থোকখিদবা মওংদা য়াম্বা ওইখি। হায়রিবা থবকশীং অদুগী হায়ফেৎ উবা শকফমশীং মফম অসিদা লৈরে।

**ৱর্ল্দ ইনভাইরনমেন্ট ৱীক**

লু-নানবদা ময়োল ওইবা মখল-মখাগী এক্তিবিতিশীংদা মীয়াম প্রজা য়াওহন্নবা পান্দমগা লোয়ননা, স্বছতাগা মরি লৈনবা থৌদোকশীং চয়োল অপুম্বা মনুংদা সেদ্যুল তৌই। গঙ্গা তুরেলগী তোৱর্বান্দা অমসুং অতোপ্পা মফমশীংদা চাইথোক্তুনা লৈবা প্লাস্টিক খুনগৎপদগী উপাম্বীশীং থাবা ফাওবা, নুমিৎ খুদিংগী থৌদোকশীং অসি স্বছতা ভজননা হৌই অমসুং গঙ্গা আর্তি অমনা লোইশিল্লি।

**স্বছতা কলাশ য়াত্রাঃ** স্বছতা কলাশ য়াত্রা অসি নুপীশীংনা মচু-মচুগী ফিরোলশীং শেৎতুনা, মখোয়গী মকোক্তা গঙ্গা ঈশীংনা থন্না য়াওবা কোল-লিক পুদুনা পুন্না প্রোসেসন অমদা চৎতুনা শিল-লাংই। য়াত্রা অসিগী মনুংদা, মখোয়না তোইলেতশীং শীজিন্নবগী কান্নবশীংগী মরমদা এৱয়ারনেস শেম্মি। থৌদোক অদু গঙ্গা শেংদোক্লবগী দরকার ওইবা অদুদা পুক্লিং চিংশিন্দুনা গঙ্গা আর্তি অমনা লোইশিল্লি।




**স্বছতা ফূতবোল তুরনামেন্টঃ** সহিবগনজগী ব্লোকশীং লোইনমক্লা নহারোলশীংবু মখোয়গী লৈকাইদা স্বছ ভারত মিশনগী এক্তিবিতিশীংদা য়াওহন্নবগীদমক স্বছতা ফূতবোল তুরনামেন্টশীং শিল-লাংখি। পাথনা ব্লোক অসিনা তুরনামেন্ট অমা শিল-লাংখিবা ইহান হানবনি মদুগী মতুংদা নহারোলশীং অদুবু স্বছতা দুতশীং (পুক্লিং থৌগৎপশীং) ওইনা নোমিনেত তৌখি সেনিতেসন অমসুং হাইজিনগী পাও শন্দোক্লবা। মসিগী নহারোলশীং অসিনসু ক্বালিতি লৈবা তোইলেতশীং শাগৎনবা থবক তৌরি।

**স্বছতা ভজনঃ** স্বছতা ভজনশীং অসি মমালোনদা নম্রগা লম অমগী দাইলেকতা লৈবা লম অদুগী লোক সঙ্গিত অদুনি। ভজনশীং অদুগী মরক্তা খরদি শেমদোক্লবা ভক্তি ঈশৈশীংনি মদুনা মীয়াম প্রজাশীংবু সেনিতেসন অমসুং হাইজিনগী অফবা প্রাক্তিসশীং তৌনবা অপীল তৌই। ♦



# কানচিপুরমনা শীজিন্নবা য়াদ্রবা তোইলেত 8326 খক শীজিন্নবা য়াবদা ওন্থোকখ্রে

ওপন দেফিকেসন ফ্রী (ODF) হায়না 27শুবা ফেব্রুৱারীদা লাওথোকখ্রবা, তমিল নাদুগী মুগা ফি শাবা জিলা কানচিপুরম অসিনা হৌজিক সস্টেন তৌনবা এক্তিবিতিশীংদা ফোকস তৌরি অমসুং ODF প্লসতা মাংলোমদা চংশিল্লি। হৌখিবা থা খরা অসিদা, জিলা অদুনা মখোয়গী শীজিন্নবা য়াদবা তোইলেত 9326 লোইনমক অদু শীজিন্নবা য়াবা ওইহনখ্রে - অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দনবা।

2012 দা পাংথোকপা সর্ভে অমনা জিলা অদুদা লৈবা 8326 ব্লোকশীং লোইনমক শীজিন্নবা য়াদে হায়বা উৎলি মদু মখাদা পীরি:

ওক্তোবর 2017 দা সর্ভে অমা হন্না পাংথোকখি। এক্সর্সাইজ অদুনা শীজিন্নবা য়াদবা তোইলেত চাওরাক্লা 5000 পু বেনিফিসিয়রিশীং মখোয় মশানা শীজিন্নবা য়ানবা শেমখ্রে হায়বা উৎলি। তাংদাংবা ওইনা কন্দ্রথুর, সেন্ট থোমস মাওন্ট, থিরুপোরুর গুম্বা এরিয়াশীংদা তোইলেতশীং লোইনমক্কি ময়াদা শেমজিল্লম্মি নম্রগা হন্না শারম্মি অমসুং বেনিফিসিয়রিশীংনা শীজিন্নরম্মি। মশীংশীং অদু চুম্ব্রা য়েংনবা, জিলাগী ওফিসরশীংনা 5000 অদুগী মনুংদা 10% খক রেন্দম ওইবা মওং অমদা ক্রোস ভেরিফাই তৌরম্মি অমসুং মখোয় শীজিন্নবা য়াই হায়বা ফংলম্মি। মদুগী মতুংদা, 5000 তোইলেতকি IMIS এন্ট্রিশীং শেল্লম্মি, মখোয়বু শীজিন্নবা য়াই হায়না মশীং থাদুনা।

লেমহৌরিবা তোইলেত 3326 গী ওইনদি, মখোয় মপুং ফানা তেক-কায়বা ওইনা ফংলম্মি। মখোয়গীদমক অনৌবা তোইলেতশীং শানবা প্রাইবেত কম্পনিশীং নেকপা য়ুমথোংশীং অদুবু লম অদুগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশীং ফাওনা শেল-থুমগী মতেং পীরম্মি। অসুম্না শাগৎপগী থবকশীং অদু SHG লুচিংবশীংনা অমসুং ক্লস্টর ফেসিলিতেত তৌবশীংনা য়েংশিল্লি।♦

| ব্লোক মমিং | শীজিন্নবা য়াদবা তোইলেতশীংগী মশীং |
|---|---|
| 1. অচিরুপক্কম | 541 |
| 2. চিতামুর | 603 |
| 3. কানচিপুরম | 552 |
| 4. কত্তনকোলাথুর | 344 |
| 5. কুন্দ্রথুর | 1437 |
| 6. লাতুর | 374 |
| 7. মদুরন্থকম | 482 |
| 8. শ্রিপেরুম্বুদুর | 186 |
| 9. সেন্ট থোমস মাওন্ট | 435 |
| 10. থিরুপোরুর | 463 |
| 11. থিরুকালুকুন্দ্রম | 308 |
| 12. উথিরামেরুর | 2360 |
| 13. ৱলাজাবাদ | 241 |
| অপুনবা | 8326 |

## মায় পাকপগী ৱারি
# প্রধান মন্ত্রিদগী ঈঙ্গিৎ অমা লৌদুনা গয়াত্রিনা নুপী রাজ মিস্ত্রিশীংদা ত্রেনিং পীরি

গয়াত্রি অসি খুন্দি কৌবা ঝারখন্দগী খরা চাওখৎপা ৱাংলিবা ওপিয়ম থাবা অমসুং মীবু শেল লৌদুনা য়োনবগী মীংচৎ থীনা মীনা ঙাঙনবা জিলা অদুগী গুতজোরা কৌবা মফম অদুদগীনি। তৌইগুম্বশুং মহাক ইচম চম্বা নুপী মতেং পাংবি অমা নত্তে। য়ুম শাবগী হীরমদা, নুপা মিস্ত্রিশীংনা মথক থোংই, তৌইগুম্বশুং গয়াত্রিনা কলা অদু তমখ্রে অমসুং নুপাশীংগা লম্বা তৌনদুনা ‘রানি' মিস্ত্রি অমা ওইরে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্না মিনত নিপাল ভিদিও-কনফরেন্সিং ফাওনা ৱারি শান্নখি, অমসুং মহাক্কি থবক্কিদমক্তা থাগৎখি। মসিগা লোয়ননা গয়াত্রিনা থৌনা লৈবগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোইন্ট অদু য়ৌরে। হৌজিক মহাক্কি এরিয়াদা মহাক্নুম্বা নুপী মিস্ত্রি মশীং হেন্না ত্রেনিং পীবগী থবক তৌরি। খরা চাওখৎপা ৱাংলিবা খুন্দি কৌবা এরিয়াদগী লাকপা গয়াত্রিনা মিস্ত্রি অমা



ওইনা ত্রেনিং ফংখি অমসুং মহাক স্বছতা মিশনদা মতেং পাংখি অমসুং তোইলেতশীং শাখি। মহাক্না প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা য়ুমশীং শাখি, মহাক হৌজিক য়ুমশীং হেন্না শাবগী থবক তৌরি। মহাক্না মশাগী য়ুম অমসু শাখ্রে। প্রধান মন্ত্রিদগী থাগৎপা ফংলবা মতুংদা, গয়াত্রিনা মঙোন্দগী প্রেরনা ফংলম্মি অমসুং অতোপ্পা নুপীশীংবু নুপী মিস্ত্রিশীং ওইননবা ত্রেনিং পীরি। মহাক নুপী 30 গী তীম অমা ত্রেনিং পীরি, মখোয় অদুসু অতোপ্পগী লৈনবা য়ুমশীং শাবা ঙন্নবা মপাঙ্গল কন্নবা। মহাক মহাক্কি থবক্কি থাগৎপা ফংখিবগা, মহাকপু থংনবা খুঙ্গংশীংদগীসু থবক তৌবিনবা কৌরকখি। গুমলা অমসুং সিমদগো জিলাগী শাসনশীংনা গয়াত্রিবু মখোয়গী জিলাগী নুপীশীংবু ত্রেনিং পীনবা হায়খ্রে। রাজ্য সরকার অদুনসু নুপা মিস্ত্রিশীংনা তৌবগুন্না নুপীশীংবু নুপী মিস্ত্রিশীং ওইনবা ত্রেনিং পীবা হৌখ্রে। গয়াত্রিনা মহাক 2016 দা নুপী মিস্ত্রি অমা ওইনবা ত্রেনিং লৌখি হায়না হায়রম্মি অমসুং হৌখিবা চহী অহুম অসিদা মহাক্না প্রধান মন্ত্রি য়োজনাগী মখাদা য়ুম 15 হান্নানা শাখ্রে। “মীয়াম্না ঐহাক্কি থবক পাম্মি। ঐহাক্কি ইশাগী য়ুম অসি অপিকপা খাঙপোক অমনি, তৌইগুম্বশুং ঐহাক্কি নুপা অমসুং অঙাংশীংগী মতেং লৌরগা ঐহাক ইশানা ঐহাক্কি য়ুমগী গ্রাওন্দ ফ্লোর অসি শাজখি।”♦

---

# সন্ধ্যানা থবক অমা তৌনিংবগী নিংজবা অদু থাদোক্লম্মি অমসুং স্বছতাগী পাও পুবা মী অমা ওইরক্লম্মি

সন্ধ্যা বগ্গা, ছত্তিসগড়দা বিলাসপুরগী মনাক্তা সকরি নগর পনচায়ততা লৈবা মীওই অমা, অসি কম্মর্স গ্রেজুয়েত অমনি। মহাক সহরদা চৎলম্বা য়াই অমসুং থবক অমা ফংলম্বা য়াই। মহাক্কি লম্বীদা লম্বীথিংবা অমত্তা লৈতে। হেন্না ফবা প্রাইবেত থবক তৌবগী মখল-মখাগী ওপ্সনশীং লৈরম্মি। তৌইগুম্বশুং মহাক প্রধান মন্ত্রিনা সেনিতেসনগী মরমদা ফোংদোকপা ৱাখলশীং অদুদা অসুক্কি মতিক পুক্রিং চিংশিল্লম্মি, মদুদি মহাক সেনিতেসনগী মেসেনজর অমা ওইগে হায়না লেপ্লম্মি। মহাক হৌজিক সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমগা লোয়নরে অমসুং মহাক্কি খুঙ্গংগী সেনিতেসন তৌবগী দায়ত্ব অদু লৌরে। চহী 24 শুরবা সন্ধ্যা অসি লু-নানবগী থবক শুবা মী অমা ওইনা থৱাই লুপতুনা থবক তৌরি। মহাক SHG অদুদগী লুপা 5000/- খক্তং তলব ওইনা ফংই, তৌইগুম্বশুং মহাক মহাক্না তৌরিবা থবক অদুদা পেনবদগী হেল্লি। সন্ধ্যানা য়ুম খুদিংমক্তগী চিথদনা ফত্ত-হৌদি খোমজিল্লি অমসুং মহাক্কি খুঙ্গং লু-নান্না থন্নবা চপ য়ুংনা লেপ্পি। মহাক ফত্ত-হৌদি অদু রিকশো অমদা পুরি। মহাক্না ইহান হানবা ওইনা রিকশো অদু থৌবদা, মহাক



সন্ধ্যানা ফত্ত-হৌদি অদু রিকশো অমদা পুরি

শোক্লম্মি, মীশীংনা মঙোন্দা নোক্লম্মি। প্রধান মন্ত্রি মোদিদগী প্রেরনা লৌবা সন্ধ্যানা মখোয়না তৌরিবা অদুদা থওইরুদে। মহাক্না মতম চুপ্পদা করিগুম্বা তোঙানবা খরা তৌবা পাল্লম্মি অমসুং ইমুং অদুগী দায়ত্বশীং পুবদা মহাক্কি মপাগী মতেং পাংবা পাল্লম্মি। মহাক সহরদা প্রাইবেতকি থবকশীংগী ওফর ফংলম্মি, তৌইগুম্বশুং মহাক্না খুঙ্গং অদুদা লেগে অমসুং অর্থ লৈবা করিগুম্বা খরা তৌগে হায়না লেপ্লম্মি। মহাক্না SHG গী মনিকনচন সেন্তরগী সন্তোশি দিদিগা পাও ফাওনরম্মি, মহাক্না মহাকপু অর্থ লৈবা লম্বী অসিদা লমজিংলম্মি। মহাকপু রিকশো অমা ইহান হান্না পীবা মতমদা, মহাক্কি পুক্রিংদা চিংনবা খজিক্তং লৈখি। তৌইগুম্বশুং তপ্পা তপ্পা মহাক মীশীংগী মতেং ফংলম্মি অমসুং মহাক্না খনখিবদা চেংনা থাজবা ওইরম্মি। থবক অমগী মতাংদা অচৌবা অমসুং মচা লৈতে হায়বসি মহাক্না চেংনা থাজরম্মি। খেন্নবা অমখক্তং হায়ববু খল্লিবা ৱাখল্লোন অদুনি। অহৌবদা, সমাজগী অমসুং প্রজাগী ৱাখল্লোননা মরম ওইদুনা মহাক্কি মপানা মহাক্কি ৱারেপ অদু পাল্লমদে, তৌইগুম্বশুং মহাক্না কন্না থবক শুবা অমসুং কখোকপা অদু উবদা, মহাক হৌজিক সন্ধ্যাবু চেংনা শৌগৎলম্মি। সেনিতেসন হায়বসি খ্বাইদগী ধর্ম্ম লৈবা পোৎ অমনি হায়বসি সন্ধ্যাগী মতনি অমসুং মহাক মপুন্সি চুপ্পা সেনিতেসনগী গর্দিয়ান অমা ওইনা থবক তৌগনি হায়না লেপ্লম্মি। নুমিদাংৱাইরমদা, মহাক্না নুপীশীংগী মীতীং অমা খুঙ্গংগী চাউপাল অমদা কৌরম্মি অমসুং মখোয়গী মরক্তা সেনিতেসনগী মরমদা এৱয়ারনেস পীরম্মি।♦

# ইন্দোরগী খুঙ্গংগী জিলাগী সেনিতেসনগী পাও পুবা মীঃ চতুর সিংহ-মেদম বতুনি

ইন্দোরগী খুঙ্গংগী জিলাগী খুঙ্গংগী মীশীং অসি জানুৱারী, 2016 দগী অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপদগী কোকপা ওইরম্মি। মদুগী মতুংদা, মীশীংনা পোৎশীংবু মখোয়না হান্না লৈরম্বা মওংদা অদুম লৈনবগী হোৎনবতা নত্তনা মখোয় মপংগী অমসুং মহীগী অরেম-অখাক লংথোক্লবগী খোঙথাংশীংসু লৌরি। সিমেন্টকি কংক্রিত সরক অমসুং নালাশীং খুঙ্গ লোইনমক্তা শাখে অমসুং খুঙ্গ 30 দা, ফত্ত-হৌদিশীং অদু মোতোর য়াওবা গাড়িশীং শীজিন্নদুনা খোমজিল্লি, অমসুং তোঙান্না খায়দোক্লরি। খুঙ্গংশীং খরদা, ফত্ত-হৌদিশীং খোমজিনবা অদু লম অদুদা ফংবা রিসোর্সিং শীজিন্নদুনা তৌই।

হৌখিবা চহী অনিদা, সহরগী এরিয়াশীংগী সেনিতেসন সর্ভে তৌবদা, ইন্দোর জিলানা নম্বর 1 পোজিসন ফংলম্মি। হন্দক্কি চহীদা 2018 গী খুঙ্গংগী সেনিতেসন সর্ভে ইহান হানবা ওইনা হৌখিরম্মি মদুদা জিলাশীংবু সহর মচাশীং অমসুং সহর অচৌবশীং অদুদা তৌবগুম্না খুঙ্গংশীংবু সেনিতেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা রেঙ্ক তৌগনি।

ইন্দোর জিলা পনচায়ত অসি অনৌবা থবক তৌদুনা লাক্লি। ইন্দোর জিলা অসি য়ুম খুদিংদা চিথদনা মেস্কোত অমগী মতেংনা সেনিতেসনগী পাও পুবা ভারতকি ইহান হানবা জিলা পনচায়ত ওইখ্রে। ইন্দোরগী লম অদুগী মলৱা কলচর অদু খন্নরগা, চতুর সিংহ অমসুং মেদম বতুনিনা সেনিতেসনগী মেসেজগী মৈরা পায়বশীং ওইনা মমিং থোনবা কেরেক্তরশীংগী মেস্কোত অদু উৎপা পোস্টর অদু থাদোকখ্রে। চতুর সিংহ অমসুং মেদম বতুনিনা লোকেল মলৱা ফিজোল শেৎতুনা শুমজিৎ অমসুং বকেৎ অমা পায়বা সেনিতেসনগী সিম্বোলশীং ওইবা নুপা অমা অমসুং নুপী অমা মহুৎ শিল্লম্মি।

চতুর সিংহ অমসুং মেদম বতুনিগী মেস্কোত অদু 21.08.2018 দা জিলা পনচায়ত, ইন্দোরনা শিল-লাংবা জিলা




পনচায়ত প্রসিদেন্ট শ্রিমতি কবিতা পতিদার; কলেক্তর মিস্টর নিশান্ত বরবদে; চিফ একজেক্যুতিব ওফিসর শ্রিমতি নেহা মীনা অমসুং জিলা পনচায়তকি মেম্বরশীংনা তিনবা ফঙ্কসন অমদা রিলিজ তৌখি।

মেস্কোত অদুগী কেরেক্তরশীং শেম্বগী পান্দম অদুদি সেনিতেসনগী স্ট্রগল অদুগী শরুক অমা ওইনা থোইদোক হেন্দোকপা কেম্পেন অমা শেমদুনা জিলা অদুবু ODF ওইহনখিবা চপ মান্নবা মওংদা সেনিতেসনগী মথংগী ইলিমেন্টশীং অদু মপুং ফানা পানশিনবনি। মেস্কোত অদু শেম্লিন্নৈদা কেরেক্তর অদু ইফেক্তিব ওইগদবনি, লম অদুগী মীশীংনা য়াদুনা লৌগদবনি অমসুং মলৱা এরিয়া অদুগী মীহুৎ শিনগদবনি হায়বগুম্বা ৱাফমশীংদা থোইদোক হেন্দোকপা পুক্লিং চিংশিনবা পীগদবনি। মীশীংনা কেরেক্তর অদু মখোয়গী মরক্তগী লৌখিবনি হায়বা ফাওগদবনি, পীরিবা পাওশীং অদু প্রজানা লৌশিন্নবা অমসুং তিনশিন্নবা।

মসিগীদমক, জিলাগী অধিকারিশীংনা অমসুং ললিত্যা ফাওন্দেসননা সেনিতেসনগী মেসেজ অদু মলৱা কলচরদগী চতুর সিংহ অমসুং মেদম বতুনি ফাওনা লৌবতা নত্তনা স্ট্রীত প্লেশীংদা কেরেক্তরশীং অসি শীজিন্নদুনা এৱয়ারনেস কেম্পেন অমসু শেমগনি।

চতুর সিংহ অমসুং মেদম বতুনিগী মেস্কোত অদু খুঙ্গংগী সেনিতেসন অদু হেন্না ফনবা শেন্নবা প্রোপোজ তৌবা এক্তিবিতিশীং অমসুং প্রোগ্রামশীংগী শীজিন্নগনি। কেরেক্তরশীং অসিদা য়ুম্ফম ওইবা অশেংবা লাইফ মেস্কোতসু তৌগনি। কেরেক্তরশীং অসিদা য়ুম্ফম ওইবা কোমিক বুক অমসু হৌজিক শেম শারি মদুদা সেনিতেসনগী মরমদা মখল মখাগী শকওং-শক্তাশীং য়াওবা সিক্ষাগা মরি লৈনবা ৱারীশীং য়াওগনি।

1. **লাইব মেস্কোত** - মেস্কোত অদু খুঙ্গংগী এরিয়াশীংদা সেনিতেসন হেবিতশীং অমসুং লমচৎ-শাজৎতা অহোংবা পুরকপা দিল্লপ তৌনবা শীজিন্নৈ, কেরেক্তরশীং অদুগী ফিজোল শেৎপা কলাকারশীংনা মীশীংগী মরক্তা চৎলি অমসুং হরাও-কুম্মৈশীং শীজিন্নরগা মেসেজশীং অদু পী।

2. **কোমিক বুক** - য়াম্না ঙনবা চহীশীংদগী হৌনা হকচাং ফনবগী লমচৎশীং য়াওহন্নবা অমসুং অঙাং ওইরিঙৈদগী হাইজিনগী মরমদা অফ-ফত্ত খঙনবা সেনিতেসনগী শকওং-শক্তমশীং পীবা কোমিক বুক অমা শেম শারম্মি অমসুং য়েপ্লোক্লম্মি।

3. **ফক্লাংদা ইবশীং** কেরেক্তরশীং অসিগী মেদিয়ম শীজিন্নদুনা য়ুম অমমম অমসুং খুদিংমক্তা মেসেজ অসি পুগনি।

4. **সোসিয়েল মেদিয়া** - চতুর সিংহ-মেদম বতুনি... সেনিতেসনগী মেসেনজরশীং হায়বা তাইতল অসিগী মখাদা, মীয়াম্না মখোয়গী ৱাখলশীং ফোংদোকপা য়ানবা অমসুং মখোয়গী সজেসনশীং থন্নবা প্লেতফোর্ম অমা সেসিয়েল মেদিয়াদা ফংহনগনি।♦

# হন্দক্তা তৌখিবা এক্তিবিতিশীংগী রাওন্দঅপঃ স্বছতা পখৱাড়া






এপ্রিল 2016 দা লোনচ তৌবা, স্বছতা পখৱাড়া অসি স্বছ ভারত মিশনগী মখাদা শীংথানিংঙাই ওইবা ইনিসিয়েতিব অমনি। মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদীগী স্বছতাগা মরি লৈনবা এক্তিবিতিশীংদা য়ুনিয়ন মিনিস্ট্রিশীং অমসুং দিপার্টমেন্টশীং লোইনমক্না থবক তৌমিন্ননবা বিজন অদুদগী প্রেরনা লৌবনি, মসিনা স্বছতা অসি "মী খুদিংমক্কি বিজিনেস" ওইহল্লি। স্বছতাগী মায়কৈরোমদা য়ুনিয়ন মিনিস্ট্রিশীং/ দিপার্টমেন্টশীং লোইনমক্না লৈবাক পুম্বদা, চহী চুপ্পা শন্দোকপা থাখায়গী ইনিসিয়েতিবশীংগী মপান্না শীংথানিংঙাই ওইনা হোৎনবা অদু য়াওই।

### স্বছ আইকোনিক প্লেসেস (SIP)

MDWS না ভারত পুম্বদা মখোয়গী হেরিতেজ, ধর্ম্মগী অমসুং/নত্রগা সংস্কৃতিগী শীংথানিংঙাই ওইবা মরমশীংনা "আইকোনিক" ওইবা মফম 100 দা নালহনবদা ফোকস তৌদুনা স্টেকহোল্দর ময়াম য়াওবা ইনিসিয়েতিব অমা লৌখৎখ্রে। অর্বান দিব্লপমেন্ট, তুরিজম অমসুং কলচরগী মিনিস্ট্রিশীংগা পার্তনরশিপ তৌরগা পাংথোক্কুনা, ইনিসিয়েতিব অসিগী পান্দমদি মফমশীং পাংথোক্কনি। ফলশীং অদু চাংগী ওইবা অমসুং ক্বালিতিগী ওইবা সেনিতেসন (স্বছতা) পেরামীতরশীংদা য়ুক্ষম ওইরগা জিলাশীং অমসুং রাজ্যশীং লোইনমক্কি রেঙ্কিং অমগী মওংদা লাওথোক্কনি। খ্বাইদগী মকোক ওইনা থবক পাংথোকপা রাজ্যশীং অমসুং জিলাশীংবু 2শুবা ওক্তোবর 2018 দা এৱার্দ পীগনি।

স্বছ সর্বেক্ষন গ্রামীনগী শরুক অমা ওইনা ভারত পুম্বগী জিলা 698 গী খুঙ্গং 6,980 কোভর তৌগনি।




**SBM-G-হায়ফেৎ য়েংবা অমা**

- 2শুবা ওগস্ট, 2018 ফাওবদা সেনিতেসন কোভরেজঃ 89.07%
- 2শুবা ওক্তোবর, 2014 দগী শাবা য়ুমথোংগী তোইলেতশীংঃ 7,97,14,455
- অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপা কোক্লবা খুঙ্গংশীংঃ 4,09,442
- নমমি গঙ্গেদা অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপা কোক্লবা খুঙ্গংশীংঃ 4,465
- অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপা কোক্লবা জিলাশীংঃ 421
- অহাংবদা অমাঙবা তৌথোকপা কোক্লবা রাজ্যশীং/UT শীংঃ 19

অসি তশেং তশেংনা উবা হেন্না ৱাংবা থাকতা লু-নানবা হেনগৎহনবনি। লৈবাক অসিগী সহরশীংনা সেনিতেসনগী স্টেন্দর্দশীং অদু খুদম পীনিংঙাই ওইবা থাকশীংদা থাঙ্গৎনবগী এক্সন প্লানশীং চেৎনা শেমখ্রে। মখোয়শীং অদুদিঃ শ্রি রাঘবেন্দ্র স্বামি মত্ত মন্ত্রলায়ম (আন্ধ্র প্রদেশ), হজারদ্বারি কোনুং (নোংচুপ বঙ্গাল), শ্রি ব্রহ্মা সরোবর মন্দির (হরিয়ানা), বিদুর কুতি মন্দির (উত্তর প্রদেশ), মনা খুঙ্গং (উত্তরাখন্দ), পেঙ্গোং তু (জম্মু অমসুং কাশ্মির), শ্রি নাগ বাসুকি মন্দির (উত্তর প্রদেশ), নুপি কৈথেল (মনিপুর), শ্রি ধর্ম সস্থা মন্দির (কেরল) অমসুং কন্বঅশ্রম (উত্তরাখন্দ)।

### স্বছ সর্বেক্ষন গ্রামীন 2018

MDWS না স্বছ সর্বেক্ষন গ্রামীন 2018 লোনচ তৌখ্রে মদুগী মখাদা করিগুম্বা অমত্তদা মখা পোন্দবা সেনিতেসন সর্ভে অমা জিলা লোইনমক্তা 1শুবা দগী 31শুবা ওগস্ট, 2018 ফাওবদা




### স্বছ সংগ্রহ

স্বছ সংগ্রহ (www.swachhsangraha.gov.in) অসি মিনিস্ট্রিনা শেম্বা ৱেবতা য়ুক্ষম ওইবা জ্ঞানগী পোর্তেল অমনি। মসিনা য়ুজরশীংবু সেনিতেসনগা মরি লৈনবা ৱারোলশীং থুনা অমসুং ইফিসিয়েন্ট ওইনা ফংবদা মতেং পাংঙি। ইচম চম্বা অমসুং ময়াম পুল্লগা তৌবা পোর্তেল অসিনা রাজ্যশীং, জিলা অমসুং গ্রাম পনচায়তশীংদা অফবা প্রাক্তিসশীং, লমগী ওইবা সোলুসনশীং অমসুং অনৌবা পুথোকপশীং রেকোর্দ তৌই, অদুগা হকথেংননা ৱারোলশীং অদু অপলোদ তৌই। পোর্তেল অসিনা SBM পানশিনবা এক্সলরেত তৌনবা জ্ঞান অমসুং এক্সপিরিয়েন্স শরুক য়ামিন্নবা য়াহনগনি। ♦

सत्यमेव जयते

# ভারত সরকার

## পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রি

পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রিনা 2019 (এপ্রাইজেল চহী 2017-18 গী) চহীগী মনুংদা পীগদবা

## নেস্নেল এৱার্দশীং

গীদমক মখাগী কেতগোরিশীংদা ওনলাইন নোমিনেসনশীং পীরক্নবা বার্তন তৌরিঃ

### দীন দয়াল উপধ্যায় পনচায়ত সশক্তিকরন পুরস্কার (DDUPSP)

ময়াম পুন্নমক্কি ওইবা অমসুং থীমগী ওইবা কেতগোরিশীংদা পনচায়তকি থাক
অহুম্মক লোইনমক্কি (গ্রাম, ইন্টরমেদিয়েত অমসুং জিলাগী)

### ননাজি দেশমুখ রাস্ট্রিয় গৌরব গ্রাম সভা পুরস্কার (NDRGGSP)

গ্রাম পনচায়তশীংদা গ্রাম সভাগী শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগী

### গ্রাম পনচায়ত দিৱলপমেন্ট প্লান এৱার্দ

পনচায়তি রাজ মিনিস্ট্রিনা জারি তৌবা মোদেল গাইদলাইনশীংগা মান্নবা লম্বীদা শেম শাবা রাজ্য/UT তাংদাংবা গাইদলাইনশীংগী মতুং ইন্না মখোয়গী গ্রাম পনচায়তশীং দিৱলপ তৌখিবা গ্রাম পনচায়তশীং পুক্নিং থৌগৎনবা।

এৱার্দশীংগী কেতগোরি লোইনমক্কি ওনলাইন এপ্লিকেসন ফোর্মশীং এন্ট্রি তৌনবা **28শুবা সেপ্তেম্বর, 2018** দা হাংখ্রে লিঙ্ক অসিদা **http://www.panchayataward.gov.in** মখা তাবা অপদেতশীং লিঙ্ক অসিদা ফংগনি।

এৱার্দকি গাইদলাইনশীং অমসুং ওনলাইন নোমিনেসনশীং মেনশিনবা অসিনচিংবগী প্রোসিদ্যুরগী অহেনবা ৱারোল অমসুং মখাতাবা অপদেতশীংগীদমক মিনিস্ট্রিগী লিঙ্কশীং **http://www.panchayat.gov.in/** অমসুং **http://panchayataward.gov.in/** রিফর তৌবা য়াই। **পনচায়তশীংনা ওনলাইন নোমিনেসন ফোর্মশীং মেনশিনবদা মতেংগীদমক** রাজ্যশীং/য়ুনিয়ন তেরিতোরিশীং (UT শীং) গী নোদেল ওফিসরশীং নত্রগা মখোয়গী নেস্নেল ইনফোরমেতিক্স সেন্তরগী কোওর্দিনেতরগা পাও ফাওনবা য়াই।

রাজ্য সরকারশীং /UT শাসনশীংনা এৱার্দশীং অসিগী মখা তাবা পব্লিসিতি পীনবা হায়জরি।

পনচায়তি রাজ

**(পুনীত শর্মা)**
অন্দর সেক্রেতরি ভারত সরকারদা



নরেন্দ্র সিংহ তোমর
রুরেল দিব্লপমেন্ট, পনচায়তি
রাজ & মাইন্স মন্ত্রি



## 2শুবা ওক্তোবর দগী 31শুবা দিসেম্বর, 2018

# গ্রাম পনচায়ত দিব্লপমেন্ট প্লান (GPDP)
# ‘সবকি য়োজনা, সবকা বিকাস’
# জন য়োজনা অভিয়ান

### গ্রাম পনচায়তশীং/গ্রাম সভাশীং লোইনমক কেম্পেন অসিদা শরুক য়াদুনা মখোয়গী খুঙ্গংগী দিব্লপমেন্টতা শরুক তম্নবা হায়জরি।

## কেম্পেন অসিগী এক্তিবিতিগী কেলেন্দর

| সেরি নম্বর | এক্তিবিতিশীং | তাইমলাইন |
|---|---|---|
| 1. | ত্রেনিং মোদ্যুলগী ফেসিলিতেতরশীং রোল আওত তৌবা | 30শুবা ওগস্ট, 2018 |
| 2. | নোদেল ওফিসরশীং খনবা (রাজ্য, জিলা & ব্লোক কি থাকশীং)<br>অমসুং নোদেল ওফিসরশীং লোইনমক্না ৱেব পোর্তেলদা রেজিস্টর তৌবা | 10শুবা সেপ্তেম্বর, 2018 |
| 3. | গ্রাম সভা মীতীংশীংগী সেদ্যুল অপলোদ তৌবা | 10শুবা সেপ্তেম্বর, 2018 |
| 4. | গ্রাম পনচায়ত খুদিংমক্কি ফেসিলিতেতরশীং খনবা | 10শুবা সেপ্তেম্বর, 2018 |
| 5. | ফেসিলিতেতরশীংগী ত্রেনিং মপুং ফাহনবা | 15শুবা সেপ্তেম্বর, 2018 |
| 6. | গ্রাম সভা মীতীংশীংগী লাইন দিপার্টমেন্টশীংগী ফ্রন্টলাইন থবক শুবশীং খনবা | 15শুবা সেপ্তেম্বর, 2018 |
| 7. | GP খুদিংমক্তা পব্লিক ইনফোরমেসন বোর্দ উৎপা অমসুং পোর্তেল অদুদা মদুগী<br>জিওতেগ তৌবা ফোতোগ্রাফশীং অপলোদ তৌবা | 15শুবা সেপ্তেম্বর, 2018 |
| 8. | গ্রাম সভা মীতীংশীংগী জিওতেগ তৌবা বিজুয়েলশীং অপলোদ তৌবা | GS মীতীং পাংথোকপা হেক মতুংদা |
| 9. | অয়াবা পীরবা প্লান অদু প্লানপ্লস এপ্লিকেসনদা ফোংবা | 31শুবা দিসেম্বর, 2018 |

জন য়োজনা অভিয়ান/GPDP ৱেবসাইত: **gpdp.nic.in**

হেল্পদেস্ক: 011-23074309, 011-23386556, 011-23383816, 011-23386140

ঐখোয়দা য়াও: **https://twitter.com/people_plan**

**https://www.facebook.com/PeoplesPlanCampaign**

মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ

মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ
www.facebook.com/MinistryofPanchayatiRaj
@mopr_goi

মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিব্লপমেন্ট
www.facebook.com/IndiaRuralDev

মিনিস্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাতর এন্দ সেনিতেসন
www.facebook.com/MODWS
@swachhbharat

एक कदम स्वच्छता की ओर


মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজনা নম্বা এন্দ ফোংবা

**ইদিতর-ইন-চিফ:** অমরজীত সিনহা, সেক্রেতরি, মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ এন্দ মিনিস্ট্রি ওফ রুরেল দিব্লপমেন্ট

**অনম্বা:** M/s থোমসন প্রেস, B-315, C-ব্লোক রোদ, ওখলা-1, ওখলা ইন্দস্ট্রিয়েল এরিয়া, ন্যু দিল্লি-110020

**অফোংবা:** মিনিস্ট্রি ওফ পনচায়তি রাজ, গোবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, সরদার পতেল ভবন, ন্যু দিল্লি-110001


"The translation of ' Gramoday Sankalp ' has been carried out by M/s Jagran Prakashan Ltd. Any inadvertent error or omissions, if any, found in the translation is the responsibility of the agency."

Manipuri